লৈশং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্তা

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

“লৈশং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্না”

লাইরিকসিগী মরমদা

১। মমিং ঃ **লৈশং যাত্রা অমসুং মৈত�ৈ মুক্লা**

২। অইবা ঃ বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপাল,

ইম্ফাল - ৭৯৫০০১, মণিপুর।

৩। অফোঙবা ঃ বি. কুকুরবিন শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপাল

ইম্ফাল, ৭৯৫০০১, মণিপুর।

৪। ফোঙবা ঃ জুলাই ১৮, ২০১৩

৫। মমল ঃ লুপা ১৫০/- (চামা য়াঙ্খৈ)

৬। ফংফম ঃ I) রোয়াল বুক হাউস, কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন,ইম্ফাল, ষ্টোল

II) রাজেস বুক ষ্টোল, গভর্নরস রোড, ইম্ফাল,মণিপুর

III) অইবা অমসুং অফোঙবগী য়ুম

৭। ফোঙবগী হক ঃ অইবা অমসুং অফোঙবগীনি

৮। নম্ফম ঃ অরূবা প্রিন্টর্স, পাউনা বাজার, ইম্ফাল।

ৱামাঙ য়ানবা

"লৈশং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্লা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি খৃঃ ১৮৭৪ গী মণিপুর ইতিহাসতা নোংমা (তাং ৫।০৮।১৮৭৪ ইং) মরৈপাক, মজাতি অমসুং মনিংথৌগীদমক্তা পান্নোম তিংদুনা খুদোংথীবা মায়য়োক য়াববু মশানা য়ানা লৌখিবা মৈতৈ অথৌবা লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রা অমসুং মহাক্না পামজনা শীন্থানখিবা মৈতৈ মুক্লাগী মরমদা অখঙবা খরদং ইজবনি। লাইরিকসি ইনবা হোৎনবদা "লৈশং যাত্রা মেমোরিয়েল ত্রস্ত", শীংজমৈ ওয়নাম থিংঙেন্দা লৈবনা অঙকপা ফংনা মতেং পাংবীরকখি। মরম অসিনা সংস্থান (ত্রস্ত) অসিগী শীঙঙন্নরোয়দবা লমন তোনশিঞ্জরে হায়না সংস্থানসিগী মেম্বরশিংগী মফমদা ঈঙক নোঞ্জরি। মণিপুরগী পাৱারী- পুৱারীগী ৱারী শীঙবুন মরক্তা তাদুনা লৈরিবা মগুণ লৈরবা মীওইশিংসিগী পুন্সিগী ৱারীগী লমদাংদা নীঙথিনা, মরী- মখোঙ শেংনা ইদুনা থন্বীরম্বা লাইরিক নত্রগা ৱারোল ফংদবনা লৈশং যাত্রাগী পুন্সিগী ৱারী ইবসিদা অৱাবা কয়া নংখি। অদুবু ঈশ্বরনা থৌজানবীদুনা মৈতৈ অথৌবসিগী মচা- মশূশিং ইম্ফাল সহরগী ওয়নাম থিংঙেন্দা লৈবিরম্বদগী অৱাবদুগী চাং য়াম্না হন্থহনবীখি। লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রা (খৃঃ ১৮৫১- ১৯২০) না য়াম্না পামজরম্বা অমসুং মশাগী শীনফম ওইনা পায়খিবসি মৈতৈ মুক্লা অসিনি। মৈতৈ মুক্লাসি মণিপুরগী শা- লানগী মহৈ- মশিঙগী মশা ঙাকথোক- কনথোক্লবা শারীৎ- শারাক (শরীৎ- শারাক / সৎজাল) কী

শরুক অমা ওইনা ওইরম্বদগী মৈদিংঙু খাগেম্ব (খৃঃ ১৫৯৭- ১৬৫২) গী স্নাহাক্তক্কী শকাব্দ ১৫৪৩ (খৃঃ ১৬২১) দা শান্ন- খোৎনবগী মথেন্দা ওন্থোক্লককখিবনি। তশেংনমক নুপা থোকপা শীল্লম নত্রগা শীনফম অমনি। লৈশং যাত্রা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী পরীংদা অকন- অথৌ অমা ওইনা লৈরকখি অমসুং খৃঃ ১৮৯১ গী মণিপুরগী নীঙতম লানগী মতমদা মহাক কোইরেং যুবরাজ (যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ) গী বোডী গার্ড ওইনা লৈরম্মী। মহাক খৃঃ ১৮৫১ দা হাওবম লৈকায় (হৌজিক্কী বাবুপারা) দা পোকখিবনি, চাওরকখিবনি অমসুং পাল্লকখিবনি। অদুবু খৃঃ ১৮৯১ গী নীঙতম লান্দা মৈতৈনা মায়থীদুনা মণিপুর লৌখ্রবদা খৃঃ ১৮৯২ দা হাওবম লৈকায়দগী শীঙজমৈ ওয়নাম থিংঙেন্দা ময়ুম হোংদুনা লৈখিবনি। মহাক মফমসিদা খৃঃ ১৯২০ দা মশাগী ময়ুমদা তাইবং মালংপান থাদোকখি।

ঐনা থমজরিবা লৈশং যাত্রাগী ৱাফমসিদা অরান অহুয় য়াওরবসু অখঙ- অহৈশিংনা তাকপীরক্তুনা অরানবশিংদু চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা পীনবীয়ু।

কুলচন্দ্র শর্ম্মা
৪।৭।২০১৩ ইং

লাইশঙবম লৈশং যাত্রা (১৮৫১-১৯২০)

ৱাহৌদোক

লৈশং যাত্রা, মণিপুর ইতিহাসকী খৃষ্ট কুমশীঙ চা ১৯ গী কুমশীঙ ১৮৭৪ শুবদা মশাগী মথৌনা- মরীংজেন্না ইতিহাসতা মমিং থন্নম্বা অথৌবা অমনি। মহাক, লৈপাক- নিংথৌগী অমসুং মশাগী মজাতীগীদমক্তা খুদোংথীবা মায়োক্ন বদা মপূক্নীঙদা অকি- অথুকপা লৈখি- পোকখিদবা মৈতৈমচা অমনি। মশাগী হোৎনজমন্না লৈপাক- মীয়ামগী অমসুং মমান- মমান্নবশিংগী মীথক থোংখিবা লৈশং যাত্রানি। মহাক, মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌরেন মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা নত্রগা সার / রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (সনাহল, ঈশ্বর সিংহ মহারাজ, নিংথেমপীশক (খৃঃ ১৮৩৪- ৪৪ অমসুং খৃঃ ১৮৫০- ৮৬), কে:সি:এস:আই: (নাইট কম্যাণ্ডর ওফ ষ্টার ওফ ইন্দিয়া) গী অচানবা মুক্না যাত্রা (Champion of Manipuri Style of Wrestling)শিংগী মনুংদা অখন্নবা অমসুং অথোইবনি। লৈশং যাত্রা পোক্লকপদগী য়াওরক্লবা মগুণ ওইনা পাইরক্কী লৌশিঙ লৈবা অমসুং খুদোংথীবা তারক্লবদা ৱাখল লৌশীঙ মাঙদবা মীশক অমনি।

লৈশং যাত্রা কনানো, শক্তাকপা

লৈশং যাত্রা, মৈত্রবাক- মণিপুরগী কংলৈ পুঙময়োন, ইম্ফাল কংলৈ সহরগী লমদম, লৈপাকসিগী নহারুপ পানাগী লৈকোক- লৈকায় (Headquarters Locality) ওইরিবা য়াইস্কুলগী হাওবম লৈকায় হৌজিক্কী

বাবুপাড়া মচানি। মহাক মফমসিদা হৌজিক্কী মতমদা হায়র সেকেন্দরী বোর্দকী ওফিসকী শঙলেন ওইরিবা মফমসিদা লৈরম্বা মখোয়গী ময়ুম- ঈংখোন্দা পোকখিবনি অমসুং চাওরকপনি। মৈতৈগী অরোয়বা নীঙতম লান খৃঃ ১৮৯১ গী মৈতৈ- মালেসকী লাঞ্জাও নত্রগা এঙ্গলো- মণিপুরী ৱার, ১৮৯১ লোয়রবা, বৃটিশনা মণিপুরদা পানখ্রবদা লাইয়িংথৌ সনামহী মফমদা পুলিসকী লেন শানবা হাওবম লৈকায়, হৈস্নাম লৈকায়, তেল্লোং লৈকায়, হিজম লৈকায়নচিংবদগী মৈতৈশিং তান্থোকপা অমদি হাওবম লৈকায়গী পন্দোন্দা এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্ট (Assistant Political Agent) কী বাঙ্গলা (হৌজিক মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরগী লৈফম) শাননবা হাওবম লৈকায়দগী মৈতৈশিং তান্থোক্লকপা অমসুং বাবুপড়া শেমগৎলকপগী মতম, খৃঃ ১৮৯২ গী ওক্টোবরগী অনিশুবা থাখায় [চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫, ৫১০-৫১১] দা লৈশং যাত্রাগী ঈমুং- মনুংনচিংবা লাইশঙবম শাগৈসি শীঙজমৈ ওয়নাম থিংঙেনগী লমদম অসিদা হোংদুনা লৈখিবনি।

লৈশং যাত্রা, হায়রিবা য়াইস্কুলগী হাওবম লৈকায়সিদা কুম্বী খুন নাথাবগী কুম শকাব্দ ১৭৭৩ গী মেরা থাগী পূর্ণিমা ঈরাই (খৃঃ ১৮৫১ গী ওক্তোবর তারিক ১০) দা তাইবং মাল্লংপান্দা ফাওরকখি। মহাক্কী অপোকপগী মমিংনা চাওতোন (চাওবতোন) অমসুং অপোকপীগী মমিংনা হৈস্নামচনু /নীংঙোন খুনুবী (হৌজিক্কী কৈশামথোং য়েল্লাংবম লৈকায়দগীনি) কৌই। লৈশং যাত্রা মহাক মতোমতা তোমথিন ওইনা পোকপনি, মচীন- মনাউ কনা অমতগসু লোইনরক্তে। লৈশং যাত্রানা পোক্লকখিবা য়ুম্নাক /শাগৈসি "লাইশঙবম" হায়না কৌই। শাগৈ অসিবু লাইশঙবম হায়না কৌখিবসিগী মরমদা পীরম্লিবদি - "লাই শঙএ হায়বগী লাইশঙবম কৌএ "[ম:স:কএ:, ১৯৯৪, ২৯ অমসুং ৩৪]- হায়বসিনি। লাইশঙবম অসিগী মৈতৈগী মৈহৌবরোনগী মতুং ইন্না নিংথৌজা য়েক অমসুং অঙোম য়েক অনিমকসিদা লৈ নত্রগা য়াওরি (মথক্কীসিদা, ২৯, ৩৪)। অদুবু লৈশং যাত্রানা পোক্লিবা লাইশঙবম অসিদি "খুমন য়েক" ওইবা নত্রগা ইনবা লাইশঙবম ওইনা তাকপী। অদুগা শাগৈসিগী য়ুম্নাক / শাগৈসিনা হৌরকপগী লমদাংদা পীবিরিবদি মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃঃ ৬৬৩- ৭৬৩) না নিংথৌ কুরাউবা চনু লৈমা লাইখোঙতেনবী পানরগা পোকপা নিংথৌ মকাম্বদগী হৌরকপা ওইনা পীবীরি। হায়জরিবসিগী চাদা- নাউদারোনগী পরীংদি -

লাইশওবম শাগৈগী য়ুমদারোন

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা ♂

(খৃঃ৩৩/৩৪ - ১৫৪)

মৈতৈলৈমা লাইস্না ⊙

↓

মৈদিংঙু খুইয়োঙ্গ তোম্পোক ♂

(খৃঃ ১৫৪ - ২৬৪)

মৈতৈলৈমা নোংমোইনু অহোঙবী ⊙

↓

মৈদিংঙু তাউথিংমাং ♂

(খৃঃ ২৬৪ - ৩৬৫)

মৈতৈলৈমা হাওনুখু ⊙

↓

মৈদিংঙু খুইনিংঙোনবা ♂

(খৃঃ ৩৬৪ - ৭৯)

মৈতৈলৈমা হাওনুহন ⊙

↓

মৈদিংঙু পেংশিবা ♂

মৈতৈলৈমা লাইতোংখু ⊙

↓

মৈদিংঙু কাউখংবা ♂

মৈদিংঙু কাউখংবা

(খৃঃ ৩৯৪ - ৪১১)

↓

মৈতৈলৈমা লাইতোংহন

↓

মৈদিংঙু নাউখম্বা

(খৃঃ৪১১ - ২৮)

↓

মৈতৈলৈমা য়াওরৈবা চনু

↓

মৈদিংঙু নাউফংবা

(খৃঃ৪২৮ - ৫১৯)

য়াওরৈবা চনু ⊙

↓

থমংলাং ♂

য়েনখোম, খোইরোম,

কৈথেল্লাকপমনচিংবা

মৈতৈলৈমা কাইরৈমা ⊙

↓

মৈদিংঙু শামৈরাং ♂

(খৃঃ ৫১৮ - ৫৮)

↓

মৈতৈলৈমা লাইরৈমা ⊙

↓

মৈদিংঙু উরাকোন্থৌবা ♂

(খৃঃ ৫৬৮ - ৬৫৮)

মৈদিংঙুচা পুংসাই ♂

ৰাংখৈ ফলাম্বম, থোঙ্গাবম,

মাইরেম্বমনচিংবা

খাবরোন নোংজেংসু ⊙

নোংবান হোইয়াম্বী ⊙

↓

ফৌরায়াং লাইকোকশূ ♂

↓

নাউহন য়োঙ্গচারোন

C

মৈদিংঙু নাউথিংখোং

(খৃঃ ৬৬৩ - ৭৬৩)

নিংথৌ রাংঙা


মৈদিংঙু নাউথিংখোং
(খৃঃ ৬৬৩- ৭৬৩)
মৈতৈলৈমা
খমসুরোন চীঙয়াইসু
লংমাই পিতংঙা
কৈরুংহনবী/
কৈরূ হাংবী
নামুনচাওবী
মৈদিংঙু খোঙতেকচা
(খৃঃ৭৬৩- ৭৭৩)
পোংফৈ
লান্থবা/লান্থাবা
নিংথৌহনবা
নিংথৌখুবা
নিংথৌ কুরাউবাচনু
লৈমা লাইখোঙতেনবী
নিংথৌ মকাম্বা
খোইরু লাংমৈ চনু
থিংকোন য়ুমগুম্বা
সংখুবী লমদু
লৌহোংবী
থিংনাং সংগন
চামবা
শরীশোনবী
(শরী খোম্বী)
নারন খোম্বা
(নারিন খোম্বা)
ইরেং কোনফাবী
মৈদিংঙুচা নিংথৌ মকাম্বা
অঙোমচনু
লাইশঙবম য়ুম্নাক
মঞ্জিতাও
অঙোমচনু
মুরারী

৩

৩



মপুঙ ফাবদি হাপচিনবগী শরুক্তা (মনীঙদা) য়েংবীয়ু।

খুদমশিং :-



মথক্কী চাদা- নাউদারোনগী পরীং অসিদা মিৎয়েং থল্লকপদা ফংজরিবদি, হায়রিবা লাইশঙবম শাগৈ অসি নিংথৌজা য়েক্কগী হৌরকখিবনি। অদুবু মমাঙগী মতমদা করিগুম্বা থৌদোক- ৱাথোক অমদগী নিংথৌজা য়েক থাদোক্লগা খুমন য়েক ইনখিবনি। মসিদা করিসু অকায়বা লৈতে। নিংথৌজা য়েক্কগী হৌরকপা শাৎপম (শিয়াৎপম) শাগৈ অসি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংব (খৃঃ ১৬৯৭- ১৭০৯) না শাৎপমচনু নোংথিল চায়বী [মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজ (খৃঃ ১৭০৯- ৪৮), লোইয়ম্বা য়াইমা অমসুং মচা নিংঙোন চকপা মখাওঙম্বী পোকপী] লৌবদগী নোংথিল চায়বীগী ফুরুপশিং নিংথৌজা য়েক ওইবা তোক্লগা খুমন য়েক ওইদুনা লৈরি। মরম অসিনা য়েক /শল্লাই হোংদোক-হোংজিন তৌবগী লমদাংসিনা মৈতৈ সমাজদা করিসু অকায়বা পীবা নত্তে। হিংননবগী লানফমদা মানা মানা ঙমজবা থবক খর তৌরমদুনা সমাজগী সেবা তৌরম্বদুনি মীয়াম্না তরাম্না ওক্লরিবসি।

ৱারোল মপুঙ

লাইশঙবম লৈশং যাত্রা মণিপুর ইতিহাসতা মমিং লৈবা মীশক্লি হায়বসি মথক্তা থমজখ্রে। মহাক, মৈতৈগী শা- লান অমসুং শাফা- লানফাগী মহৈ- মশিঙগী লমদাং নত্ত্রগা মসিগী মশা অমা ওইরিবা মৈতৈ মুক্না (Meitei/Manipuri Style of Wrestling) গী যাত্রা অমসুনি, হায়বসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রে। মহাক মণিপুর ইতিহাসকী অথেংবা মতম তাঙ্কক্কী মীওই অমা ওইদুনসু মখোয়গুম্বা ঐতিহাসিক পুরুষ (Historical personality) শিংগী মরমদা নীঙথিনা ইশিন- খোৎচিন্দুনা নত্রগা ৱারী- ৱাখোঙ মমুৎ তানা খোমজিন- লীশিন্দুনা থম্বীরমদবনা মহাক্কী (লৈশং যাত্রা) গী পুন্সি' ৱারীগী মরমদা থি- হুম্বসি অরুবা থবক ওইনা থোকই। মরম অসিনা মতমদুগী মণিপুরগী ওইরিবা ফিবম- ফিরেপশিং য়েং- থিদুনা মদুশিংগা চান- চাননবা শেম- শাবা তাবনি।

চাওরাকপা অমসুং মহৈ- মশীঙ তম্বা

লাইশঙবম লৈশং যাত্রা মনীঙ- মখা তম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক- ৱায়েন থৌদাজবা অমসুং মনীঙ তম্বা নিংথৌনা হাইনা- হুম্না পানবা মৈত্রবাক মণিপুরগী ইম্ফাল তম্পাক্কী নহারুপ পানাগী লৈকোক কংলৈ পুঙময়োন হাওবম

লৈকায়দা পোকখিবনি অমসুং চাওরকখিবনি। মহাক্কী মতমগী মণিপুরগী কোনুং কংলাগী হেক মখা থংবদা হকথেংননা লৈবা মফম / লমদমনি হাওবম লৈকায় হায়রিবসি। লৈপাক্কী ঈ- পাউ পুন্নমক খুদক্তা তাবা ফংবা লৈকায়সু ওইরিবনি। হায়রিবা লমদমসিদা মহাকপু মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীনা চাওননবা য়োক্লক- থাক্লকপগী হিরমসিদা নীঙথিনা ৱারোল পীবা ঙম্বা নত্রগা মরী- মখোঙ শুনা ৱারী লীবিবা ঙম্বা কনাসু থোইদোক্না লৈত্রে। হৌখিবা মতমগী চৈথা চাবনা খঙঙমদবগী ঈরোন্নুংদা লুপশিনখ্রে।

লৈশং যাত্রাগী অপোকপা লাইশঙবম চাওতোন অসি য়াইস্কুল লৈকোক- লৈকায় মচা অমা ওইনা লৈবনিনা লৈকায়সিগী লোইশঙদা লাল্লুপ কাবা মীশক অমা ওইরম্মী। মরমদি মতমদুগী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন অমসুং শেন্দান- শেনচৎলোনগী য়াঙলেন শরূদি লাল্লুপসিনি। লাল্লুপকী থৌমী ওইবসি মশাগী চহি ১৭ তগীনা চহি ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মণিপুরগী নুপা খুদিংমক্কী শোয়দনা তৌগদবা, থাদোকফদ্রবা থৌগায়নি। মৈদিংঙু নিংথৌনা মথৌসি কোকপীরবদি থৌ অসি তৌদবা য়াই। অদুবু হায়রিবা লাইশঙবমগী ঈমুংসি লৈশং যাত্রানা লৈপাক্কী মশক নাইবা মীশক অমা ওইরক্ক্রিঙৈগী মতমদদি লাল্লুপ কাবগী মথৌ- মশিনসি থাদোকপা য়ারমদে অমসুং মৈদিংঙু নিংথৌনসু মসি কোকপী হায়বগী ৱাফম ফংজদে।

লৈশং যাত্রানা লৈরিবা অমসুং চাওরক্লিবা হাওবম লৈকায় হায়বসি ইম্ফাল তুরেনগী য়েৎ থংবা নত্রগা নোংচুপ থংবা তোবর্বান্দা তাবা লৈকায় অমনি। অদুনা লৈকায় অসি ইম্ফাল তুরেনগী ঈশিং চাবা হায়বদি ঈশিং শীজিন্নবা লমদমনি। মরম অসিনা লৈশং যাত্রাসি মশাগী চহি ৭ /৮ লোমগী মতমদগী ইম্ফাল তুরেনসিদা তারক্লবা মীওইনি। অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিং অসি ঈপান্থাগী মতমদা ইম্ফাল তুরেন্না ঈমায় চোন্না চেনবা মতমদা তুরেন্দা ঈরোইদুনা, ঈরুপ্তুনা শান্নবা, তুরেন লাম্থোক- লানশিন তৌদুনা ঈশিংদা শান্নবা অসি য়াম্না তোয়না তৌরকপশিংনি। অমরোমদা ইম্ফাল তুরেন হায়বসি মৈত্রবাক মণিপুরগী ঈশিংগী লাইরেম্বী ঈরৈমা (লাইরেম্বীসি ৱাংব্রেন খানা চাওবগী তাল্লোইনি, লিল্লোংগী ঈরীন তুরেন্না ঈতীল্লবা মফমদু য়ৌবদগীদি লাইরেম্মসি অনাল নানফৌচনু হায়না কৌখ্রে) গী ঈরম্লি হায়দুনা কিনা লুনা তৌনরিবা ইম্ফাল তম্পাক্তা চেনবা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা

তুরেননি। অদুনা ইম্ফাল তুরেনগী ঈচাওদা শান্নবা, ঈশিং- ঈচাওগী পান্থাদা ঈরোইবসি য়াম্না হঙোইনবা অমনি। মরমশিং অসিনা লৈশং যাত্রা, য়াইস্কুল হাওবম লৈকায় মচা অমা ওইনা ঈশিংদা শান্নবা, ঈরোইবা, ঈরুপ্পা, অসিনচিংবা হৈনবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখিরম্মী। মহাক ঈশিংদা ঈরোই- ঈরুপ্পা, ঈফু নাবী শান্নবা, ঈশিং চায়শিন্নদুনা নুংঙাইমিন্নবা, অসিনচিংবদগী হেন্দুনা খুৎ- হুমদুনা ঙা ফাবা, ঈরুপ্পুনা ঙাথি- ঙাহুম্বা, ঈশীৎপা অমদি ঈথিং- পনথিংবনচিংবদসু হৈ- শিঙবা মীওই অমা ওইরকখি।

লাইশঙবম লৈশং, অঙাং ওইবগী পুন্সিগী মতম হৌখিদুনা মশাগী চহি ১৪/১৫ শুজিল্লক্কুনা শঞ্জেন- শনঙাকপা ঙম্বগী মতম অদুদা লাকখিরম্মী। নুপামচা ওইবগী পুন্সিদা শঞ্জেন- শনঙাকপা ঙম্লকপগী চহি মতাং অসি মহৈ- মশিঙ তম্বা হৌনবগী চহি মতাংনি। মহাক্না চহি মতাংসি ওইরকপগী মতমসিদা মৈত্রবাক মণিপুর অসিদা মৈতৈ লৈপাক অপুম্বগী থায়নদগী চৎনরকপা ওইনা চৎনরিবা খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা মহৈ-মশিঙসি শা- লানগী মহৈ- মশিঙ (Martial Art) অসিনি। লৈশং যাত্রানা পাখং ৱাই- ৱাই ফারকপগী তাঞ্জা, খৃঃ ১৮৬৫ / ১৮৬৬ কী মমাঙ অমসুং মতুংগী চহি ২০ / ২০ লোমগী তাঙ্কক্কী মতমসিদা মৈত্রবাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা পাম্লবা, থাদোক- হুন্দোকপা য়াদ্রবগুম খন্ন-লৌনরিবা অমসুং পাম্না- খোয়জঙনা তম্লরিবা মহৈ- মশিঙসিনি। হায়রিবা মহৈ- মশিঙ অসি হিরম- লমদাং কয়ামরুমগী ওইনা মখল- মথেলশিং য়াম্মী। মরুওইনা থাঙগী মহৈ, তাগী মহৈ (লমদমসি মৈতৈ ৱাহৈদা "থাঙ হৈবদা নরসিংহ, তা হৈবদা গম্ভীর সিংহ" হায়না হায়নৈ), নোংমৈগী মহৈ- মশিঙ, শরীৎ- শরাক (সৎজাল) গী মহৈ, মুক্নাগী মহৈ, লীরুং- তেনগী মহৈ, অরাম্বাই তেননাগী মহৈ- মশিঙ, অসিনচিংবা খায়দোক্কুনা লৈরম্বগুম তৌই। মসিশিংসিগী মনুংদা নোংমৈগী মহৈ- মশিঙসি মৈতৈনা খৃঃ ১৫৬৩ দগী খুৎলাই অসি শীজিন্নবা হৌরকখ্রবসু (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৭) খৃঃ ১৮২৫ গী মতুংদগীদি মতমদুগী মালেমগী লৈপাক অপুনবগী থাক্তা লৈরিবা মহৈ- মশিঙসিগী মহৈশিংসি বৃটিশশিংনা মণিপুরদা পুশিল্লক্কুনা খ্বাইদগী হেন্না নৌরবা মহৈ- মশিঙ ওইনা চৎনরি। হায়রিবা হিরমসিদা অর্ন্তজাতিগী থাক (International level) তা মহৈসিগী ট্রেনিং

> *শা- লানগী মহৈ- মশিঙগী*
> *মখল- মথেলশিং*

(Training) চৎখিবা, অনৌবা ওইনা য়াম্না কুপশিন- লুশিনবা নোংমৈগী খুৎশু- খুৎলাইগী মখল- মথেলশিংগী মহৈ- মশিঙশিং অমসুং অনৌবা মতমগী থাক্তা পুথোক্লক্লিবা নোংমৈশিংগী মহৈ- মশিঙশিংগী লৌশিঙ ফংহন্নবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী সিলেট হেদক্বার্টরস (Sylhet Headquarters) না শীন্দুনা খৃঃ ১৮২৪ গী সেপ্টেম্বর- ওক্তোবর থাদা মতমদুগী ধাকা (হৌজিক্কী বাংলাদেশকী কোনুং ওইরিবা সহর) দা তৌবা অতেনবা মতমগী তাকপী- তম্বীবা (Training in short termed course) দা শরুক য়াখিবসি ঈবুংশীজ (রাজকুমার) নরসিংহনি (গ:শ:, XXX, ৩২)। মরম অদুনা নোংমৈগী মহৈ- মশিঙগী বিদ্যাসিসু মতমদুগী মীওইশিংগী সেনাপতি /যুবরাজ নরসিংহনা খ্বাইদগী অথোইবা ওইখিরম্মী। মণিপুরদা নোংমৈ শীজিন্নবগী মহৈ- মশিঙসি মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেমচাশিংনা খ্বাইদগী হেন্না পামজবা অমসুং খোয়দাজবা মহৈ- মশিঙনি।

ইন্টরনেস্নেল লেভেলদা অহানবা নোংমৈগী ট্রেনিং চৎখিবা মী

লৈশং যাত্রা, মৈতৈগী শা- লানগী মহৈ- মশিংঙসি নীঙথিনা তম্লকখি। মরম অসিনা মহাক নোংমৈ কাপ্পা [মণিপুরদা মস্কেট নোংমৈ শীজিন্নবসি মৈদিংঙু মুংয়াম্ব (খৃঃ ১৫৬২ - ৯৭) গী মতমদগী হৌখি, অদুবু খৃঃ ১৮৫০ গী মতমদদি এনফিল রাইফল, স্নেডর রাইফল অমসুং মার্টিনী- হেনরী রাইফল ফংলে, শীজিন্নরে] থাঙ- তা শীজিন্নবা, লীরুং পায়দুনা তেনা কাপ্পা অসিনচিংবা খুৎশূ- খুৎলাইশিং শীজিন্নবা অমসুং অফংবা খুৎলাই অমা পায়দুনা য়েক্লবগা লাম্বা তৌনবা নত্রগা খুৎলাই য়াওদনা মমান্নবগা শাথেং লাম্থেংনবা ঙম্বগী লৌশিঙ লৈ হায়বসি মহাক্না খৃঃ ১৮৯১ গী মণিপুরগী নীঙতম লান্দা বৃটিশশিংগা মায়োক্লবদা মণিপুরগী যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহগী বোডী গার্দ (Body Guard) ওইনা লৈখিবা (রাঃকুঃ সঃ ১৯৭৩, ৩৮) অসিনা সাক্ষী অমসুং প্রমান ওইদুনা লৈজরি। অদুবু হায়রিবা মহৈ- মশিঙশিংসিগী মহাক্কী ওঝা /গুরু কনানো, মমিং- মখা করিনো হায়বদুদি কনানসু খঙবা ঙম্লদ্রে। অদুগা লাইশঙবম মচা লৈশং যাত্রাসি, হায়রিবা শা- লানগী মহৈ- মশিঙসিগী মশা (Branch) ওইনা লৈরিবা শরীৎ- শরাককী শাখায় নত্রগা মপাং নত্রগা শরুক

লৈশং যাত্রাগী শা- লানগী মহৈ- মশিঙগী ওঝা- গুরুদি কনানসু মশক খঙবা ঙমদ্রি

অমা ওইনা লৈরিবা মৈতৈ মুক্না অসি য়াম্না খোয়দাজখি। মহাক্না হিরমসিদা মহাক্কী ওঝা- গুরুগী কৃপাদগী অমসুং মশাগী শাজেন অমদি হোৎনজমন্দগী মীকোক থোংবা যাত্রা অমা ওইরকখি। অদুবু মৈতৈ মুক্নগী লমদাংসিদসু মহাকপু মখুৎ পায়দুনা তন্বীরকপা অমসুং মশাগা শাগোন্নদুনা তাকপীরকপা মহাক্কী থৌজাল হৈরবা ওঝা ঈবুংঙো গুরু অথোইবদুগী মমিং- মথাদি হৌখিবগী মাল্লংনা পুখিদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙনদ্রি। পুকচেল চাওরবা ওজা / গুরু অদুনা তুংলমচত্তো নোংমা লৈপাক- নিংথৌগী কান্নবা মহাক্কী পুরুন্নান নত্রগা সেবক অসিনা তৌরগনি খঙদুনা / খন্দুনা মহাক্কী ফৌদী চারসি হুল্লম্লিব্রা?

মৈতৈ মুক্না করিনো?

মুক্না হায়বসি নুপা অনি মফি মখ্বাঙদা তাখত্তুনা শেৎনরগা মখুৎ অনি অনিদুনা খ্বাঙগী ফি পায়নরগা খোঙ অমসুং খুৎকী লৌশিঙ অমদি মহৈনা, মরুওইনা মশা হকচাংশিং মুক্নদুনা অমনা অমবু নমদুনা তুহন্নবা হোৎনবগী লৌশিঙ নত্রগা মহৈনি। মীবু খোঙ অমসুং খুৎকী লৌশিঙনা মরুওইবা খুৎলাই ওইদুনা হকচাং মুক্নদুনা নমদুনা তুহল্লি হায়বগী মরমদগী মুক্না কৌবনি, তুবদি শান্নরিবা অনিমক তুমিন্নৈ, অদুবু মথক থংনা নমদুনা তুরিবা মীদুনা মুক্নাদু লৌরে (থারে) হায়নৈ, মখা থংনা তুরিবদুনা মুক্না তুরে হায়নৈ (রা: কু: সগু: ১৯৭০, ১৯৬)।

মৈতৈ মুক্না যাত্রা ফংথ্রবা, অফাওবা ওজাশিংদি ফনা অহল ওইরবসু মপাঙ্গল কল্লবা, ৱাং- চাওরবা, মুক্নদমকসু যাত্রা ফংলবা নহারোলশিংনা মুক্না থাবা ঙমদে, খুদমদি, মপাঙ্গল কনবা হেল্লবা, নহাসু ওইরিবা লৈশং যাত্রা অমসুং থবী যাত্রানা অহনসু ওইরবা পীকসু পীক্লবা, মপাঙ্গলসু শোল্লবা ৱাংজীঙগী খুমন যাত্রাবু মুক্না থাবা ঙমখিদে, মখোয় অনিবু ওঝাদুনা য়াম্না লায়না তুহনখি। অসুম্না হকথেংনবগী লৌশিঙদা মীনা লাকচবা য়াদবা, মীবু লায়না লাকচবা য়ারবা মৈতৈ মুক্না হায়বা মহৈসি মৈতৈ নত্তনা পৃথিবীগী মফম অতৈদা কনাগুম্বা জাতী অমত্তনা হৈরম্লোয় হায়বা য়াই (মথক্কীসিদা, ২৯৭)।

মুক্নাগী ফিজেৎ ঃ- মৈতৈ মুক্নাগী ফিজেৎ অসি মখল অনি শুই। অনিসিগী মনুংদা অহানবগীনা ফিনুংগী হকচাং (লিঙ্গ) শোক্তনবা নিঙ্খ্রি / নীঙকী লেঙতা (Underwear) শেৎকনি। হায়রিবসি শেৎলগা মদুগী মথক্তনা কপত্রেং ফিজেৎ

নত্রগা মাঙলোমদা কিশি কিরগা তুংলোমদা নামৈ য়েপ্পুনা শেৎনৈ।

ফি শিন্নবা ঃ- মুক্না শান্নগদৌরিবা নুপা অনিদু ফি শিন্নগনি, যাত্রাগুম্বা অহল খর ওইবা অমনা মুক্না শান্নগদৌরিবা অনিদু ফি পায়নহনগনি (মথক্কীসিদা, ২৯৭)। ফি পায়নরমদায়দা লাম্বা অনিদু মহৈ মহৈ পাকথনগনি, পাকথবা ফিবমদি খোঙ অনিসি ওয়- য়েৎ ইঞ্চি ২৭ / ২৮ লোম ফাক্লা, চপ মান্ননা, খুকউ কোন্ননা, হকচাং মাঙলোমদা তুথনা, য়াঙ তিংনা লৈপাক্কগী খুদুপ অমরোম লাপ্পনা পাকথরগা খুৎ য়েৎ- য়েৎপু ওয়- ওয়না পায়নদুনা চিংশিন্নরগা মাগী মাগী পিরাই - ফি পায়নগনি।

মুক্না শান্নবা হৌনবগী শ্বা থাবা ঃ- ফি পায়নবা লোয়রগা যাত্রা (কেপ্টেন) দু হন্দোকখিগনি, অদুগা অনিদু পাকথনদুনা য়েৎ- ওয়দা ফৈনা ফৈনা, কোন্না- কোন্ননা চৎনদুনা মাগী মাগী খুদোংচাবা, হৈনবা লৌশিং তৌদুনা মুক্না থানবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বদা, কনাগুম্বা চক্রি ফত্তবনা খুৎ য়েৎ য়েৎ ফি নীঙথিনা পায়নপ্রবদি ওয়দি পায়হন্দবসু য়াই, ওয় পায়বা ঙমদ্রিঙৈদা লৌ হৌদুনা মুক্না থানবা হোৎনবদা বেরা লৈনদে (মথক্কীসিদা, ২৯৭- ৯৮)।

অসিনি। মুক্না অসি মাগী মাগী লম- লম নত্রগা লৈপাক-লৈপাক্কী ৱায়েন-কাংলোনগী মখা পোনবনি। পৃথিবীদা রেষ্টলিং (Wrestling) হায়রিবসিনি। মৈতৈগী অসিনা চপ মান্নবা ফিজেৎ শেৎনরগা নুপা অনি কোন্নদুনা অমবু তুহন্নবসি চাইনীজ (Chinese) টাই (Tai) শিংদসু লৈ অমসুং শানৈ। মৈতৈ জাতিগী হৌরকফম থিরকপদা, মখোয়গী হৌরকফমদুদগী পুরকখিবা মাল্লি, করিসু নত্তবদা লাইশিংদা পঙথৈ থৈজিনবা, পোৎ থিবা খঙদ্রগা লাইনা লৌরম্মনি হায়দুনা লাইদা পঙতাইদা তাইনবসি (মথক্কীসিদা, ২৯৬) লৈপাকমচা তাবা ৱাৎলি।

মৈতৈ মুক্নাগী ৱায়েন- ৱাখুন ঃ- মৈতৈ মুক্নাসিগী মশাগী ওইবা ৱায়েন- ৱাখুনশিং লৈ। মসি মহৈ- মশিঙসিবু মশান্না ওইনা পুথোক্লকপসিদগী শেমগৎ- শাগৎখিবা ওইরম্বা য়াই। মুক্নাগী ৱায়েন- ৱাখুনশিং খরদি ঃ-

(১) হকচাংগী মফম চাদবা অথীবমনচিংবদা পায়বা য়াদে। করিগুম্বা অমনা পায়রক্লবদি অতোপ্পা লম্বাদুনসু পায়বা য়াই। পায়রোয় হায়রগা মুক্নাগী ফি পায়নরিবা মখুৎ অনিমক অদু থাদোক্কদবনি। ফি পায়বদু থাদোক্লবদি অতোপ্পা লম্বাদুসু ফি

থাদোক্লে। অদুনা অমুক নৌনা ফি শিন্নরগা মুক্না শান্নগদবনি নত্রগা শান্নে।

২) মুক্না শান্নবদা খোঙনম্না (হায়বদি খোঙপাক্কী মথক থংবা শরুক্না) লম্বাদুগী খুকউ মথক্কী ফৈবাক মনুংদা কাওবা য়াই। পঙনদি কাওনদে। অদু নত্তনা খোঙয়ানা (খোঙপাক্কী মখা থংবা শরুক্না) কাওবা য়াদে। খুৎনা ফুবা, থিনবা, খৌরী মেৎপা য়াদে। মুক্নাগী লৌ তৌনরকপদা খদাংনা ঙকথী চপ্পবদি য়াই।

৩) মুক্না শান্নবদা ফৈগন মরূদগী মখা হন্থনা খুৎনা পায়নদে ফৈগন ফাওবদি করিগুম্বদা লৌ ওকপদা পায়নবা য়াওই, পঙনা পায়নদে। ফৈগন মরূদগী মখা থংবা খোঙগী শরুক্তা খুৎনা পায়নদে।

৪) ফি শিন্নবা মতমদা, লৌরকপদা করিগুম্বদা লৈপাক্তা খুৎনা শোকপা, নত্রগা শৌবা য়াদে। মদু মুক্না তুরে হায়না লৌনৈ।

৫) লৌ তৌনরকপদা লম্বা অনিমক চপ মান্ননা চেপ্না নত্রগা উপ্না তুমিন্নরবদি মদু মুক্না থাবা নত্রগা তুবা হায়না লৌনদে, মদু ফৈদু (Draw) নি হায়না কৌনৈ। ফৈদু তুরবদি অমুক হন্না শান্নে।

৬) ফৈদুদা লৌ তৌরিবা নত্রগা ওক্লিবা মীদুনা মকোক মখৈতা ওইরবসু লৈখত্তুনা মথক থংনা ননবা ঙম্লবদি নল্লিবা অদুনা মুক্না থারে হায়না লৌনৈ।

৭) মুক্না থারিবা মীদুনা মুক্না তুরিবা অদুনা তুদুনা লৈরিবদু নীঙথিনা কোন্দুনা হৌগৎমিন্নে, মুক্না থারিবা মীশক্তু মতোমতা হৌগৎনদে।

৮) লৌ তৌনরকপদা লম্বা অনিদু তোংঙান-তোংঙান্না তানবদা অমনা উপ্না তাবা, অমনা লোংনা তারবদি উপ্না তারিবা নুপাদুনা মুক্নাদু থাবনি হায়না লৌনৈ (মথক্কীসিদা, ২৯৮-৯৯)।

অসিশিংসিনি। মুক্না অসি শা-লান ফানবা মহৈ-মশিঙ ওইনা লৈরম্বদগী শান্ন-খোৎনবগী মশান্না অমা ওইনা ওন্থোক্লকখিবসি মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্ব (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) গী সনা হাক্তক্তগী ওইনা লৌনৈ।

মৈতৈ মুক্নাগী লৌশিং ঃ- মৈতৈ মুক্না অসিবু মায় পাক্ন মুক্না থাবা ঙম্মনবগীদমক্তা লৌ নত্রগা পান্থে (Technique and tacties) নত্রগা লৌশিঙ (Knowledge or skill)

গী মহৈ য়াম্না লৈ। হায়রিবশিংদুগী মনুংদগী মরুওইবনি হায়দুনা পীরল্লিবা খরদি ঃ-

১। কপ্লাক কোৎপী - (ক) য়েৎকী কপ্লাক কোৎপী অমসুং (খ) ওয়গী কপ্লাক কোৎপী।

২। খুকউ থৈবী - (ক) য়েৎলোমদা খুকউ থৈবী, অমসুং (খ) ওয়রোমদা খুকউ থৈবী।

৩। নীঙগোং লংবা - (ক) য়েৎকী নীঙগোং অমসুং (খ) ওয়গী নীঙগোং।

৪। চেপচিং চিংবা - (ক) য়েৎকী চেপচিং অমসুং (খ) ওয়গী চেপচিং।

৫। হৈবোঙ কাবী - (ক) য়েৎকী হৈবোঙ কাবী অমসুং (খ) ওয়গী হৈবোঙ কাবী।

৬। লোংখ্রৌ লৈবা (লোংনা খুরৌ লৈবা) - (ক) য়েৎকী লোংখ্রৌ লৈবা অমসুং (খ) ওয়গী লোংখ্রৌ লৈবা।

৭। লোংখৌ থক-ইন - য়েৎকী লোংখ্রৌ থকইন।

৮। খুদোং পুখৎপা - (ক) য়েৎকী খুদোং পুখৎপা অমসুং (খ) ওয়গী খুদোং পুখৎপা।

৯। খুচেপ (খোঙচেপ) হাইবী - (ক) য়েৎকী খুচেপ হাইবী অমসুং (খ) ওয়গী খুচেপ হাইবী।

১০। খুদোং হাইপু - য়েৎকী খুদোং হাইপু

১১। খুদোং অৱাংবা - খুদোং অৱাংবা পুখৎপা (মথক্কীসিদা, ২৯৯)।

অসিশিংসিনি। মখোয়সিগী অকুপ্পা মরোলশিং - খোঙলোন, খুৎলোন, হকচাংগী ফিবম-ফিদুপ, খুৎহাই-খোঙহাইনচিংবা লৈরি। অদুগা হায়রিবা লৌ-শিং অসি ওক্লনবা (থিংননবা) - অওক-লৌ-শিংসু লৈরিবনি। মখোয়সি মুক্নারোই নত্রগা মুক্না যাত্রা অদুগী মশা মশাগী ওইনা হৈনজবা লৌ-শিং অমুক লৈনরিবনি। হায়রিবা লৌ-শিং অসিগী মরক্তা লৈশং যাত্রানা করম্বা লৌ পুবগে নত্রগা ময়ামদগী হেন্না থোইনা হৈখিবগে হায়বদুসু খঙবা ঙম্লদ্রি।

লাল্লুপ থৌদাংঃ-

মতম্না কনাবুসু ঙাইবিদে মীওইবনা পোক্লক- শাৎলকপদগী চাওগৎ- শাংগৎলকপসু কনানসু খঙহৌদে। পীক্লম্বদগী শঞ্জেন- শনঙাক ঙম্লক্লবা লৈশং যাত্রাদু চহি ৩ / ৪গী মতুংদা লাল্লুপ কাবা ঙম্বা অমসুং লাল্লুপকী থৌদাংনা পুল্লবা মৈত্রবাক মণিপুরগী প্রজা অমা ওইরে। লাল্লুপ থৌদাং হায়বসি, মথক্তসু ব্রাফম অম-নী পঞ্জখ্রে, খৃঃ ১৮৯১ গী মমাংদা লৈরম্বা নিংথৌ পানবা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক অদুগী নুপা ওইবশিংনা মশাগী চহি ১৭ তগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংগী থাদোক - তোকথোকপা য়াদ্রবা লৈঙাক্লোনগী লৈপাক্কী থৌগায়গী শরুক অমা অমসুং শীজিন্নরিবা লৈপাকসিগী পোৎলম- চৈরমশিং শীজিন্নবগী মমল——লমগী লম্বানমন, লম্বী- থোং শীজিন্নবগী মমল, অমসুং অতৈ শীজিন্নমলশিংগী লৈঙাক মপুদা, মহাক্কী লোইশঙদা পোথোক্কী শরুক খর নত্রগা শেল ওইনা পীবগী মহুত্তা পাঙ্গল অমসুং শূ- নোম্বগী মশক্লা মমল পীবা নত্রগা থীবনি (ন:শ:, ১৯৬০, ১০)।

লাল্লুপ হায়বসি লানগী মতমদা লান তৌনবা, হায়বদি লান্দানবা, লান দারকপা ঙাক্লবা অমসুং লান্দগী লৈপাক / প্রজা কন্নবা লুপ (মীয়ামগী অপুনবা মপাঙ্গল) নি, শাগী মতমদা শা তান্নবা, ফানবা লুপনি অমসুং শা- লান লৈতবা মতমদা চাওখৎ- থৌরাংগী, শেন্দান- থুমদানগী, শীনশূ- শীন্থাগী ময়াম পুন্না থবক শূমিন- নোম্মিন্ননবগী লুপ্নি। লাল্লুপ অসি মণিপুরদা মৈদিংঙু লোইয়ম্ব (খৃঃ ১০৭৪- ১১২২) গী সনা হাক্তক্তা হৌদোকখিবনি হায়না পীরি (চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৯)। মসি হৌদোকখিবগী মচীনঙৈগী মতমদদি ঈশেং- শেংনা শা- লানগী ওইবা য়ুম্ফমদা ওইরম্মী। অদুবু মতুং তারকপা মতমশিংদা হিরম- মরম ময়ামগী ওইবা লুপ (Multipurpose Association/Institution) ওইজরকখিবনি।

লাল্লুপ কাবগী মতম ঃ-

লাল্লুপ অসি মণিপুরদা লৈরম্বা মীশিংনা চহি অম (নুমিৎ ৩৬০) গী মনুংদা নুমিৎ ৮০ (মরিফু) নি কাগদবনি / কাই। মসি নুমিৎ ৪০ (নিফু) নি খুদিংগী মনুংদা নুমিৎ ১০ (তরা) নি লাল্লুপ কাবগী অমসুং চহি অমগী লেমহৌরিবা নুমিৎ ৪০ (নিফু) নি অদুনা মী অমমমগী লাল্লুপ কোকপীবা নত্রগা লৈপাক্কী

থবক্কী শীল্লেপ্পা নত্রগা শীন হেনবা ওইনা উবা ফংজে। লাল্লুপ অসিগীসু অকক্ল বা ৱায়েল- কাংলোন খর লৈরি। অদুগা মতমদুগী মৈতৈ লৈপাক্কুদা লাল্লুপসি কাদবা মৈতৈ নিংথৌনা কোকপীবা (Exempt) মী কাংলুপ / ফুরুপ, য়ুম্নাক / শাগৈ অমসুং মীশক- মীওইশিং খর লৈ।

লৈশং যাত্রা মশাগী চহি ১৭ (তরাতরেৎ) শুরকপা চাওরাক্লা ১৯৬৮ গী মতমদগী হৌনা লাল্লুপ কাফম থোকপনি অমসুং কারকখিবনি। মহাক্লা লাল্লুপ কারিবসি য়াইস্কুল লৈকায় লোইশঙদনি অমসুং মহাক্কী লাইশঙবমগী ঈমুং নত্রগা শাগৈ /য়ুম্নাক অসিদা মৈদিংঙুনা লাল্লুপ কোকপীবগী য়াথংসি লৈত্রিবনা লৈপাক থৌদাং অসি তৌদবা য়াদবা ওইনা লৈশং যাত্রানা পুরকখিবনি।

মুক্নাগী লমদাংদা খোঙদাবা ঃ-

লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রাসি পীক্লিথৈদগী হৌনা মশা খীংবা, শরীৎ- শরাক হৈবা অঙাং অমা ওইনা হৌরকখি। পাখং ৱাই- ৱাই ফারক্লবা মতমদসু হায়রিবা মহাক্কী মচৎ- মতৌ অমসুং মচৎ- শাজৎসি হোংলমদে। মহাক্লা নুমিৎ ৪০ নিগী মনুংদা নুমিৎ ১০ নিগী লাল্লুপ থৌদাং তৌরুরবা মতুংদা ঈমুংগী শাঞ্জেন- শনঙাকপগী থবকশিং য়েংশিল্লি। অদুগা ইম্ফাল তুরেন্দা মরক- মরক্তা খুৎহুমদুনা ঙা ফাবা, ঈরোই- ঈরুপ্পুনা শান্নবা, অসিনচিংবসি য়াম্না তোয়না তৌরক্লম্মী। অদুগা লৈশং যাত্রাখোয়না পাখং ফাগৎলকপা অমসুং ফারকপগী মতমসিদা মণিপুরগী নহা পাখংশিংনা লৈপাক্কী ঈরাং লৈতবা, শারৈ- লাল্লেতবা মতমদা নুংতিগী নুমিদাং- ৱাইরমদগীনা য়াচংবা মতুং পুং অমা-অনিরোম চথনা খুনগী / খুন্দাফমগী নত্রগা লৈকায়গী শাবন লমহাংদা লৈপুঙ ফম্বগী নহা পাখংশিংগী মহৈ- মশিঙ তম্ফম অমসুং ঔরায়ফমগী মশক অসি লৈরম্মী। লৈপুঙ ফম্বসি পাখংশিংগী উন- তীন্নফম, লৈপাক্কী ঈ- পাউ লৌফম, মহৈ- মশিঙশিং - মুক্না, শরীৎ- শরাক, চেঞ্জোং- মাঙজোং, খোঙজোং- খুবৈনচিংবগী তাক্ল- তীক্লফম, ঔরায়ফম, শাজেন তৌনফম ওইনা তৌরম্মী। মসি মৈতৈ তম্পাকসিদা মমাঙথৈদা লৈরম্বা পাখংফাল মুৎখিবদগী নহা- পাখংশিংগী উন- তীন্নফম লৈরক্তবদগী থোক্লকখিবনি হায়না থাজজে। হায়রিবা লৈপুঙ- ফম্বসিদা মথৌ শঙলবা অহল অমা নত্রগা অনিদি য়াওনৈ। অহলশিংদুনা মৈতৈগী নত্রগা অতৈ কাংলুপ- ফুরুপকী নত্রগা জাতিগী

মরু ওইবা ৱারী- শীঙবুন লীবিদুনা পাখংশিংদুবু তাহল্লি, লৈপাক্কী চৎনরোল, মীওইবগী লমচৎ- শাজৎ, ৱাঙাং- শাঙাং, অসিনচিংবগী পাউতাক কয়া পী, পারা কয়ামরুম তল্বী, শাফম-লানফম থেংনরকপগী ওইবা মহৈ- মশিঙ কয়া তাকপী। লৈপুঙ ফম্বসিদা ইনখৎলক্লিবা পাখংশিংদুগী মশানা মশাবু ঙাকচবা ঙম্ল বা পাম্বৈশিং, মরুওইনা, মুক্না অমসুং শরীৎ- শরাক্কী মহৈ- মশিঙসি তাকপী- তল্বী, অমগা অমগা হকথেংননা চাংয়েং তৌনহল্লি। হাওবম লৈকায়গী লৈপুঙ ফম্বগী নুমিদাংৱাইরমগী থৌরমসি লাইশঙবম লৈশং নোংমতা চিথদে, মহাক হেক্তমক ৱাফমদুদা মুল্লি। খুদোংনা করম্না পুখৎপা, লোংখৌনা করম্না য়েৎপা, হৈবোঙ কাবীনা করম্না কাবা, ফিনা করম্না-কদায়দা পায়বা, ফৈদুনা করম তৌবা, হায়বনচিংবসিদা পুক্লীঙ চঙনা, থৱাই তানা য়েংলম, তারম্মী। লাইশঙবম লৈশংসি মশাগী হৌরকপগী শাহৌ- লাকহৌগী মতাংদগী হৌনা মীজাও- মীশাং হায়বদুদি নত্তে, অদুগা মী পীকপা হায়বদুসু নত্তে। তোংগাননা ফুট ৫গা ইঞ্চি ১০ (মি: ১.৮২) রোমগী চাংদা ৱাংবা, মশাগী হকচাং মরুঙ থাবা, মখোঙ- মখুৎ শিঙবা, ওইনা হৌরকখিবনি। কুচু- কুমেন শেংনা পুল্লে, নত্রগা লফু লায়োন মচুগী লম য়ৌবা কুচুগী মীওইনি। মায়দাদি শাংলপ তাবা, শগোল মায়দা তাবা মীশক্লি, ফি শেৎলগা সধারন ওইবা মতৌ, ফি লৌথোক্লগা তোংশানা মচি কাবা (Muscular) গী মতৌ লৈবা শাবান- মুর্তিগী মীনি (মহাক্কী ফোটো পিকচরদসু য়েংবিয়ু)। মথোক কারকপা, পাখং মচা ফারকপা, শঞ্জেন- শনঙাক ঙম্লকপা মশাগী চহি ১৪ / ১৫ গী লোনগী মীওই অমা ওইরকপা মতমদগী হৌনা মমান্নবশিংগা লাক্ল - ফানবা, চিংন- খাঙনবা, কোন্না- নম্নবা, অসিনচিংবদা মমান্নবগী মখা থারক্তুবনি। লাইশঙবমচা খুৎনা হৈবা, লৈশং খোঙনা শিঙবা, মৈতৈ লাক্লা- ফানা থৌবা হায়না মমিং লৈরকপগুম তৌই। অদুগা মহাকসি তেকপী ওকলেন তোমচৎপা, নাইতোম চৎপা ওক লাবগুম্না তৌবগী মতৌ লৈ।

লাইশঙবমচা লৈশংনা লৈপুঙ ফম্বদগী মৈতৈ মুক্নাগী ঈ- পাউসি ফংবদগী অমসুং লমদাংসিদা খর মখৈ খোঙ থাংজিল্লুবদগী হিরমসিদা অচাননা খোঙদাগে হায়না খঞ্জখি। মরম অসিনা বিদ্যাসি ওজা নাইনা তমগে হায়না মহাক্না লেপখিরম্মী। মসিদগী মহাক মৈতৈ মুক্নাগী মমিং চৎপা অমসুং মমিং লৈবা ওজাশিং থিবা হৌরক্লে। করিগুম্বা মহৈ অমদা ওঝা নাইদুনা তম্বগা ওঝা নাইদনা তম্বগা অনিসিগী

খেন্নবসি মহাভারতকী তেনহৈবা দ্রোনাচার্য্যগী সেবক / পুরুৱা অনি, একলব্য অমসুং অর্জ্জুন অনিনা খুদম- চাংদম ওইদুনা লেপ্লি। মরম অদুনা মহাক্না মুক্নাগী মহৈ- মশিঙসিদা মহাক্কী ওঝা- গুরু ওইবীনবা অফবা ওঝা অমা থিরকখিরম্মী। মহাক্না মহাক্কী ঈকাই খুম্নফম ওইরবা ওঝা ঈবুংঙোদু ফংজখি। ওঝাদুদগী লৈশং যাত্রানা মতীক চাবা মুক্নাগী মহৈ- মশিঙশিং মশাগী চহি ১৭ / ১৮ দগীনা চহি ২১ /২২ গী মতম ফাওবা চহি ৫ (মঙা) রোমগী মতমদা মহৈ- মশিঙসি তমজখি। হায়রিবা ওঝা ঈবুংঙোসিগী পাউতাক মতুংইন্না মহাক্না যাত্রা ওইদ্রিঙৈদা মৈত্রবাকী ইম্ফাল তম্পাক থুংনা চহি অনি কোয়দুনা মতমদুদা লৈরম্বা মুক্নাগী মমিং লৈবা ওঝাশিংগী মফমদগী লৌবা য়াবা মুক্নাগী লৌশিং (Techniques/tacties) অমসুং তানশিনবা য়াবা মহৈ- মশিঙসিগী লৌশিঙ- বিদ্যাশিং তানশিনখি হায়না চেংনা থাজজে। অদুবু হায়রিবা মহাক্কী ঈকায় খুম্ননীংঙাই ওইরবা ওঝা ঈবুংঙোদুগী মিংলেন্দি খঙবা ঙম্নদ্রে।

লাইশঙবমচা লৈশংনা মশাগী চহি ২০ শুরকপা মতমদগী হৌনা মতমদুগী মণিপুরগী মুক্না শান্নবা মফমশিং, মরুওইনা মৈতৈগী উমংলাই হরাউবা লাইবুঙশিং - সনাকোনুং কংলাগী পাখংবা হরাউবা, খুরাইগী পুথিবা হরাউবা, চীঙমৈরোঙগী চীঙ্গোন- নিংথৌ হরাউবা, লমফেনগী লাঙ্গোন নিংথৌ হরাউবা, হৈঙাংগী মারজিং হরাউবা, লমদেংগী পোইরৈতোন হরাউবা, ফয়েংগী সরারেন হরাউবা, ফোইজীংগী খোইরীফাবা হরাউবা, পোৎশঙবমগী পাঙ্গনবা হরাউবা, নিংথৌখোংগী ওক্ন রেন অমসুং থংনরেন হরাউবা, মোইরাংগী থাংজীঙ হরাউবা, কুম্বীগী শন্থোঙ নিংথৌ হরাউবা, থাঙ্গগী চীঙনিংথৌ হরাউবা, সুগনুগী ৱাংব্রেন হরাউবা, চাইরেনগী হৈয়াইনু পান্থোইবী হরাউবা, লাংমৈদোংগী পাখংবা হরাউবা, ককচীঙগী খমলাংবা হরাউবা, অন্দ্রোগী পনম নিংথৌ হরাউবা, সেকমাইগী কৌব্রু হরাউবা, তাংজেংগী লোকনিংথৌ হরাউবা, কাংঙমুংগী লোইয়ারাকপা হরাউবা, থৌবাল তোমচীঙগী নোংপোকনিংথৌ হরাউবা, অসিনচিংবা কোয়না চত্তুনা লাই হরাউবগী মুক্না শান্নবা য়েংবা অমসুং খুদোংচাবা ফংলগা মুক্না শান্নবা য়াওবগী থৌরাংশিংদা মফি য়োমদুনা, চেঙজেন পুদুনা মুক্নাগীদমক্তা হোৎনরকখিবনি। অসুম্না হোৎনরকখিবা অসিনা চহি অনিরোম লৈরগা মহাক মুক্নাগী যাত্রা হায়বা মিংথোন / উপাধী (টাইতল) অসি খৃঃ ১৮৭০ গী অদুৱাইদা মশাগী চহি ১৮ / ১৯ গী চহি মতাংদা

ফংখিরম্মী। অদুবু মহাক্না যাত্রাগী মিংথোলসি করম্বা মফমদা, কনা- কনাগা মুক্না শান্নবা, কনা কনাবু মুক্না থাদুনা অমসুং কনানা পীদুনা যাত্রা ফংখ্রিবনো হায়বদুদি

> *লাইশঙবম লৈশংনা মুক্না যাত্রা ওইরকপা*

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙঙমদবগী ফিজংনুংদা লৈরি। মহাক্না মুক্না যাত্রা ফংখিবগী লমদাংসি ইম্ফালগী কংলাগী লাইয়িংথৌ পাখংবা হরাউবগী লাইবুঙদা নত্রগা ইম্ফাল কংলৈগী লৈকোক- লৈকায় মরিগী মনুংদা লৈরিবা মৈতৈ উমংলাই লাইবুঙশিং- হৈস্নাম পান্থোইবী, খূরাই পুথিবা, মোংখাংলম্বীগী ৱাংব্রেন, শীঙজমৈগী য়াওরৈবী (ময়েংবম লৈকায় লাইরেম্বী), পাউনমগী লাইয়িংথৌ ঈশিংচায়বা (লীশীঙ চায়বা), নাগামপাল, শল্লানফমগী মারজীঙ, চীঙমৈরোঙগী চীঙ্গোন নিংথৌ, উরিপোক /সগোলবনগী খমলাংবা, তেরাগী লাইয়িংথৌ অমুদোন, উরিবোক মচীনগী লাইখুরেম্বী, ক্বাকৈথেলগী লাইয়িংথৌ নোংশাবা, নোংমৈবুঙগী কোলোয় লৈমা খুদোপচাওবী, থাঙমৈবনগী কোয়রেন লৈমা (খুম্থোকহানবী), অসিনচিংবগী লাইবুঙশিংসিদগী ফংখিরম্বা য়াই হায়না চেৎনা থাজজৈ।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা ঃ-

লাইশঙবম লৈশং যাত্রানা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখিবসি মহাক্না মুক্নাগী যাত্রা হায়বা মিংথোনসি ফংলবা মতুংদা পাঙথোকখিবা মাল্লি। মরমদি হায়রিবা মতমসিগী মমাঙদদি মহাক অতৈ মহৈ- মশিঙশিং —শা- লানগী মহৈ- মশিঙদা থাঙ- তা অমসুং নোংমৈগী মহৈশিং অমদি মশা হক্কন- শাকন্নবগী মহৈ- মশিঙদগী শান্ন- খোৎনবগী মহৈ ওইরক- ওল্লকপা মুক্নাগী মহৈ- মশিঙসি তম্লনবা অমসুং মসিগী অথোইবা মীওই অমা ওইনবা হোৎনবদা মহাক্কী মহকচাংনা মতীক ওক্লবসু, মপা অমা ওইবা য়াবগী মহী- ময়াই চেল্লবসু থোইদোক্না য়ুম্বানবগী পুন্সিদা চঙবগী ৱাখল থমখিদবগুম তৌই। অদুগা মহাকপু পোকপীবা মপাবুং ঈবুংঙো চাওতোনসু মহাক্না পামজরিবা মহৈ- মশিঙ অমসুং থমজরিবা পান্দমদুদা মহাক্কী মপুক্রীঙ পীথোকখিবদু খঙবা- উবদগী য়ুম্বানবগী হিরমসিদগী লাপথোক্না মহাক্না তৌরকপা পায়খৎলকপা থবক -থৌরমশিংদা অথিংবা, য়েথৎপা, মপুক্রীঙ পীকথহনবা, মথৌনা হলহনবা অমসুং য়েৎপী- থৎপীবা তৌদনা কাও থাবগুম থাদুনা মহৈদুদা অমসুং পান্দমদুদা মায় পাক্লনবা, মীথক থোংননবা হোৎনহল্লকখিবনি। মরম অসিনা লৈশং যাত্রা মহাক্না পামজবা মহৈদুদা মায় পাক্লনবা,

হায়বদি, যাত্রাগী মিংথোল ফংলবা মতম্দুদদি মী ওইনা পানবা- হিংনবগী চৎলম- লমচৎ, চৎনা- লোনচৎলোমদা চঙশিন্নবা থৌশীল্লকপদা মহাক মশানসু য়ানীঙলমগনি অমসুং মহাক্কী অহল- লমনশিংনসু পাল্লমগনি।

লৈশং যাত্রানা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা, খোঙদারকপসি মশাগী চহি ২২ গী অদুৰাই তাঞ্জাদনি। হায়রিবা মতমসি মৈতৈ সমাজদা চৎনরিবা থাক্কী ওইনসু চপ চাবা মতম হায়বদু ওইরিবনি। মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সিদুগী মরন্নাইগী ওইবা পুন্সি (Private life) অদু নীঙথিনা মায় পাকখি হায়না থাজজে। মরমদি মহাক্না মচা ঈবুংঙো মরি থম্বীরম্মী। হায়রিবা মচা নুপা মরিসিগী চাদা- নাউদা /ধারা- নালানা ঙসি মহাক্কী মরৈকায় ওইনাম থিংঙেন অসিদা পাল্লি।

পানা অমসুং লৈকায় শঙলেনগী লোইশঙদা লৈশং যাত্রা ঃ-

লৈশং যাত্রা মশাগী চহি ১৭ শুরকপদগী লৈকায় লোইশঙ য়াইস্কুলগী শঙলেন্দা লাল্লুপ কাবা হৌরকখিবনি। অদুবু খৃঃ ১৮৭০ গী মতুংদগীদি মুক্নাগী যাত্রা অমা ওইনা হায়বদি মৈতৈ মুক্নাগী শান্নরোই (Wrestler of Manipuri style of wrestling) অমা ওইনা লৈরক্লবনা মমান্নবশিংগী মীরক তীনবা ঙম্ম নবা মণিপুর সরকারগী মতমদুগী লোইশঙদা চঙবা হৌরে অমসুং খ্বাইনা মুক্নাগী লমদাংদা শকখঙলবা যাত্রা অমা ওইনা থবক তৌরে। মহাক নহারুপ পানাগী লৈকোক (Headquarters) ওইরিবা য়াইস্কুল লৈকায়গী শঙলেন লোইশঙদা কাই। মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈঙাক্লোন্দা লমগী লৈয়াৎ য়াৎপদা পানা মরি (অহল্লুপ, নহারুপ, লাইফম অমসুং খাবম) না খুঙ্গং লমদম (Rural area) গী ওইনা অমসুং লৈকায় মরি (খ্বাই, য়াইস্কুল, খুরাই অমসুং ৱাংখৈ) না কংলৈ লমদম (Urban area) গী ওইনা খায়দোকই। অদুনা লৈপাক্কী লম্বান লৌবগী লমদম (Revenue area) ওইনা পানা মরি, লৈকায় মরি লৈ, মসিদা শান্ন- খোৎনবগী লৈয়াত্তা পানা তরুক- হান্নগী অহল্লুপ, নহারুপ, লাইফম অমসুং খাবমদা নাই (Slaves and servants) শিংগী ওইবা পানা হীদাক ফানবা (মখোয়গী মখুৎ নত্রগা মখুৎনা লানবা / খনবা মৈখু হিদাক্তু মৈদিংঙুনা ফানবী- থকপীবা মীওইশিংগী লুপকী পানা) অমসুং লোই (Tributary or tribute-payers) শিংগী ওইনা /

> *লৈশং যাত্রাগী পানানা নহারুপ, লৈকায়না য়াইস্কুল লৈকোক- লৈকায়*

ওইবা পোৎশঙবা (ময়েক্কী ওইনা লোইপোৎকী পোৎলমশিং মাঙখি- হুখিদনবা য়েংবা- শঙবা মীওইশিংগী চৎনবীদা লোইপোৎকী পোৎনা /খাজনা /পোৎলমশিং পীরিবা মীওইশিংগী কাংলুপ- ফুরুপ নত্রগা লুপকী মীওইশিংগী কাংবু) পানা অনিসিগা য়াওনা অমসুং লৈকোক- লৈকায় মরি (লৈকোক লৈকায় মরিসিগী লমখৈ- লমকন মনুংদদি লোই খুনশিং নত্রগা লোইমী / লোইখুঞ্জাশিং লৈতে) গী লুপশিং অসিনি। মখোয় পানা ৬ অমসুং লৈকায় ৪ অসিগী ফিজেৎ ফিজোল (য়ুনিফোর্ম =Uniform) গী মচু তোংঙান তোংঙান্না লৈনৈ, মান্নদে, খেন্ন- খেন্ননা লৈ।

লাইশঙবম লৈশং যাত্রানা লোইশঙ কারিবসিদা ওইরিবা ফম নত্রগা লোইশঙলোইসি অকন- অথৌগী ফমদা মুক্নাগী অথোইবা শান্নরোই ওইননি। মসি তশেংনমক শাগী- লান্মীগী মশীন শীনফম /থবক (Military service)নি। মৈত্রবাক মণিপুরগী শামী- লান্মীসি মৈদিংঙু চীঙলেন- নোংদ্রেন খোম্বা নত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ ১৮২৫- ৩৪) না বৃটিশকী মতেং লৌদুনা খৃঃ ১৮২৪গী মার্চ- এপ্রিলদা শেমখিবা অমসুং লীংখৎখিবা অমসুং খৃঃ ১৮৩৫ গী ফেব্রুৱারী ৭ তগী বৃটিশনা থাদোকখ্রগা মণিপুর মশাগী ওইজহৌবা মণিপুর লেভীগী তঙ

মণিপুর সরকারগী লান্মী মখল অনি- লাল্লুপ লান্মী অমসুং সিফাই লান্মী কৌই

তারবা লান্মী (Regular army) নত্রগা সিফাই লান্মী, শমজিল্লগা সিফাই (মসি খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৬ ফাওবা হিংলম্মী) অমদি মণিপুরদা নিংথৌ পানবা লৈপাক লীংখৎপা চাওরাক্লা খৃঃ ৩৩ /৩৪ দা লীংখৎখিবা, অদুগা খৃঃ ১০৭৪- ১১২২ দা নৌনা মশক- মশা শেমখিবা তঙতাবা লান্মী নত্তবা (Irregular army) নত্রগা ভোলুন্টরি মিলিসিয়া (Voluntary MIlitia) ওইবা লাল্লুপ লান্মী, শমজিল্লগা "লান্মী" হায়বশিংসিনি। মখল অনিসি খৃঃ ১৮৯১ গী মলেস- মৈতৈ লাঞ্জাও (Anglo- Manipuri War, 1891) দা সিফাই লান্মীগী ৫০০০ অমসুং লাল্লুপ লান্মীগী ১২,০০০ খক শীজিন্নখি (ড:লৈ:চ:, ১৯৭০, ২০২)। হায়রিবা মৈতৈ লান্মীশিংসিদা লাইশঙবম লৈশং যাত্রাসি লাল্লুপ লান্মীগী কাংলুপ্তা লৈ। হায়রিবা লাল্লুপ লান্মী অসিদা লান্মী /লাল্লোই, লাল্লোইরেন, লাল্লুপচিংবা, হাজারী অসিনচিংবা ফমশিং লৈ, অদুবু হায়রিবা ফমশিং অসিগী মনুংদা করম্বা ফম লৈশং যাত্রানা পায়রম্বগে নত্রগা ওইরম্বগে হায়বদুসু খঙবা ঙমদে।

শামী- লান্মীগী থবকসি নত্তবা মীচম মীয়ামগী (সিভিল) থবক্তা করি ওইরম্বগে, হায়বসিসু খঙবা ঙমদে। মরমদি মণিপুরদদি মী অমনা লান্মী ওইবা হায়বসি থাদোকপা য়াদ্রবনি। অদুগা লোইননা শীন্মী, লৌমী, ঙামীনচিংবদগী অমগী থবক পায়নবা ঙাক্তনি। মীচম- মীয়ামগী লৈঙাক- খুনঙাকলোনগী লোইশঙ অমদা পানাগীবু ওইরবসু লৈকায়গীবু ওইরবসু লোইশঙলোই (Unranked Offical), পাউখোল্লোই (Peon/ runner), কৈরুং- হিদং, শেল্লুং- হিদং, কৈরুংবা, শেল্লুংবা লোইশঙ হিদং, লোইশঙ হঞ্জবা, অসিনচিংবগী মনুংদা করি ওইরম্বগে, হায়বসি খঙজবা ঙমদ্রি। অদুগা লৈশং যাত্রাবু মৈতৈ লৈপাক্কী পানা নত্রগা লৈকায় অমগীদগী হেন্দুনা লৈপাক অপুম্বগী মুক্লা যাত্রা অমা ওইনা লৈপাক খ্বাইনা শকখঙ- মায়খঙদুনা লৈ হায়বসিদি মহাকপু মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা, রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৫০-৮৬) না জিলা দরবারগী জিলা (কছাড়) চঙবগী ৱারোন্দগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙমনৈ (ও: ভ:, ২০০১, ৩৭, ৩৮, রা: কু: সগু:, ১৯৭০, ১১৭, অসিনচিংবা)।

> *লৈশং যাত্রাগী মীয়াম- মীচমগী ওইবা ফম। থবক*

খৃঃ ১৮৭০ দগী ১৮৭৪ জুন ফাওবদা

লাইশঙবম লৈশং যাত্রা খৃঃ ১৮৭১- ৭২ দগীনি। কোনুং খল্লে, লোইশঙ কারে, নুপীসু থিজিল্লুরে, চাদবদি য়াদে। ঈমুং /ফুঙ্গা অমা ওইবগী অতৈ চাদিংশিংসু তৌদবা য়াদে। শীঙজন- ঙাফাসু অঙাং ওইরিঙৈগী শীনফম / শীল্লম ওইরে। মুক্লা খর শান্নবগী মীনা থারক- থোল্লকপা ফি খরদুনা য়ুম পুবদি ৱাই, অদুনা মপা ঈবুংঙোদা তাংদুনা মাগী ঈমুং- ফুঙ্গাদু অচা-অথক্তি ৱাত্তবগুম তৌই। লোইশঙ কাদুনা মীরক তিল্লকপদগীদি অতৈ মুক্লারোইশিং, লোনগা ওইবা মরুপ- মপাং, অমসুং মথক থোংবা ময়াম্বা খরসু শকখঙ- মায়খঙনরে, মখোয়দুগী মরক্তা মমিং চৎপা খরদি ঃ-

১) য়ান্ম্যা মাধব যাত্রা, ২) বিনো যাত্রা, ৩) গুণ যাত্রা, ৪) য়ান্ম্যা / য়াম্বেম যাত্রা, ৫) থবী যাত্রা, ৬) লুসৈ যাত্রা, ৭) কাংজাম্বা যাত্রা, ৮)খৌদোন যাত্রা, ৯) লুক্রাম্বা যাত্রা, ১০) মায়পাক যাত্রা, ১১) খুরাইজম অঙৌ যাত্রা,

১২) তোনা যাত্রা, ১৩) মাইব্যা তাম্রসিংহ যাত্রা (ম:প্রে: ১৯৯৬, ৪৪:- মাইব্যা তামুল যাত্রা হায়না পী) নত্রগা লমজেন য়াঙবা (রা:কু: সগু:, ১৯৭০, ১১৭)।

অসিশিংসিনি। মখোয়সিদগী লাইশঙবম লৈশংনা খ্বাইদগী হেন্না লুনা- চান্না তীন্নবা অমসুং থবক- থৌরম অয়াম্বদা লোইনরিবসি বিনো যাত্রা হায়বসিনি।

মৈত্রবাক মণিপুরদা "যুহারাবা অচৌবা" হায়না শীঙথানরিবা শ্রীগোবিন্দজী (মীওইবনা মুর্তি শাদুনা থৱাই হাপখিবা নত্রগা জীবন্যাস তৌখিবা) স্বর্গরোন ওইখি, হায়না লৌনরিবসি (ন:ম:, ১৯৯৮, ১১-১২) থোকখিবা মতম, মহাক্না মমান্নবা বিনো যাত্রা অনিনা ৱাংজিংদা খুমন যাত্রা কৌবা অহল ওইরবা মুক্না যাত্রা অমা লৈ হায়না তারক্মী। মরুপ অনিসি মুক্নাগী মহৈসিদা থৱাই য়াওবনিনা অহলদুদগী মুক্নাগী লৌ নত্রগা লৌশিঙ খর লৌহৌরুসি হায়দুনা ৱাংজীঙদা লাক্লক্মী। হায়রিবা মতমসিদদি খোঙনা ইম্ফালগী ৱাংজীঙ য়ৌনা লাকপনি, হৌজিক্কী মতমসিগুম হৱাগাড়ীনা লাকপা / চৎপা নত্তে। মরুপ অনিদুনা ৱাংজীঙ য়ৌবগা হায়রিবা খুমন যাত্রাদুগী ময়ুম থিদুনা লাক্লক্মী। হায়রিবা মতমসিদা অহল অসি মশাগী চহি ৬৫ রোম শুরক্লগনি। অদুগা লৈশং যাত্রাদি মশাগী চহি ২২ গী অদুৱাইগী মীওইনি। অহল অদু মশাগী চহিদুনা পীদুনা মপাঙ্গলসু হল্লে, শোল্লে, হায়বসিসু মরুপ অনিদুনা উরে। মখোয়না খুমন যাত্রাদা মুক্নাগী লৌ খর তাকপীনবা হায়জবদা অহল অদুনা য়াবীরদুনা ঙাইহাক কোন্নসি হায়দুনা কোন্নরে। খঙহৌদে ভাবক শঙ্গু অমা, ইম্ফালদগী মুক্না যাত্রা অনি লাকখি, খুমন যাত্রাগী ময়ুমদা চঙখি, করি তৌরমগনি মুক্না নত্তনা, কুম্মৌ য়েংলুসি হায়দুনা থোমজিল্লকখি। ভাবক য়াওরমদবদু ভাবক য়াওরকপদূদা মায়কৈ অনিমক্কী থম্মোইদা "ঐ" হায়বা ঈথক- ঈপোম কানরকখ্রে। ফি পায়নদুনা লৈশং যাত্রাগা অহানবা কোন্নরকপদা লৈশংনা তমজরকপা পুন্নমক শীজিন্নরকপবু অহল খুমন যাত্রানা লৈশংগী লৌশিংদু অমমম ওকপগা লোইননা লায়না থিংদুনা থল্লে। লৈশং যাত্রানা মহাকনা হৈজবা পুন্নমক্তগী অথোইবা য়েৎকী খুদোং পুখৎপীদু শীজিন্নদুনা অহলদুবু খুদোং পুখৎলুববু খুমন যাত্রানা মশাবু লায়না খুদোং পুখৎহল্লগা মশা অদু মখারোমদা লুকথরগা লৈশং যাত্রাগী মশাদা নপশিন্দুনা মশা- হকচাংদু

> *লৈশং যাত্রানা মুক্না তুহনবা। থাবা ঙমখিদবা ৱাংজীঙগী খুমন যাত্রা*

লুমথহন্দুনা ঙাইহাক খাঙলগা লৈশং যাত্রানা খুদোং শেৎকে তৌরকপগী চৈরক্তুদা অহলদুনা মশাদু নান্থরগা লৈপাক্তা মখোঙ অনিমক তারগা লৈশংবু অমুক খুদোং তনপু পুখৎখিদুনা লৈশংবু মথবাক মপাগী মথক্তংগী শেখদুনা নীঙগোং লংবগুম লংলকপদুদা লৈশং যাত্রা লৌ ওকপা নত্রগা মশা ঙাকপা ঙমহৌদদুনা লৈমায়দা লোংনা তারম্মী। অদুগা অহলদুনা লৈশংবু কোনখত্তুনা হৌগৎপীরম্মী। লৈশং যাত্রানা লৈমায়দা লোংনা তাবগী তাঞ্জাদুদা ৱাংজীঙগী ভাবকশিংদু ৱা লাউখি। অদুবু খুমন যাত্রা "যাত্রা শান্নবা নত্তে" ঔরায়নবনি হায়না খামখিরম্মী।

ৱাংজীঙগী খুমন যাত্রাগী মুক্নাগী মহৈ- মশীঙ

মতুং তারকপদা বিনো যাত্রাগা অহল ওইরবা খুমন যাত্রাগা কোন্নখি। অদুবু কুইদে, মিনিট ৭ (তরেৎ) লোমগী মতুংদা বিনো যাত্রাসু লৈমায়দা তাখি। খুমন যাত্রানা কোনখৎপীদুনা হৌগৎপীখি। হায়রিবসিগী মতুংদা ৱারী-ৱাতাই কয়ামরুম শান্নরগা লৈশং অমসুং বিনো খুমন যাত্রাগী ময়ুমদা অহিংদু লেক্লগা নোংঙাল্লগা ইম্ফাল তম্না লাকখি। মখোয়না অহলদুদগী পুক্নীঙ ৱাখলগী পাম্বৈনা হকচাংগী পাঙ্গল ফুদোকহল্লক্লবগী মহৈ- মশিঙদু ফংজরকখি। অসুম্না লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রানা মুক্নাগী ঈরাংসিদা তাউদুনা খৃঃ ১৮৭৪ গী জুন থা ফাওবা হৌখিরম্মী। শাংলবা চহি মঙাগী মতমদু হৌখিবা খঙহৌদে, ঙরাংদা ওইবগুম্না খল্লি।

খৃঃ ১৮৭৪ গী জিলা দরবারগী খোঙচত্তা ঃ-

খৃঃ ১৮৭৩ দা মতমদুগী ভারতবর্ষগী মপু ওইরিবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী সরকারনা মণিপুরগা মণিপুরগী অৱাংগী লমখৈ য়েন্নবা অমসুং মতমদুগী অৱাং- নোংপোক ভারতবর্ষগী ঙমখৈগী লমদম অসোমদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী অমসুং বৃটিশ ভারতবর্ষগী থবক পুরিবা বৃটিশ মচাশিংনা অসাম, খাসিয়া- জয়ন্তিয়া, মণিপুর অমসুং অসামগী জিলা (দিষ্ট্রিক্ট) কছাড়, হায়রিবা লৈপাকশিংসিগী লমদমশিংসি শোক্না- শম্নুনা লল্লোল- ঈতীক তৌবদা খুদোংচাগদবা মফম অমা মখোয়গী লল্লোল- ঈতীক্কী পোৎপৈ- পোথাফম মফম, পোৎ খোম- পোৎলৌফম /পোৎ-ৱানফম, পোৎয়োন- পোত্তাইফম দিপোট (Trading or Commercial Depot) অমা অমসুং মদুগী লৈফম মফম চাবা লম অমগী মফম পাল্লম্মী। হায়রিবসিগী পান্দমদা মখোয় বৃটিশশিংনা মণিপুরগী অৱাংগী লমখৈ মনুংদা লৈরিবা খৃঃ ১৮৩৩গী জানুৱারী, ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চ থাদা

মণিপুরনা লোই অমুক হন্না চন্দুনা (রাজা গম্ভীরসিংহনা হাওখুল ৬২ নৌনা জয় তৌদুনা) মণিপুরগী লম ওইনা তানশিল্লম্বা মৈতৈগী লোই খুঙ্গং ওইরিবা থিবোমৈ (হৌজিক্কী নাগালেণ্ডগী কোনুং ওইরিবা কোহিমা টাউন) দা বৃটিশ ভারতবর্ষগী লল্লোনফম (Marketing centre or trading depot) অমা হাঙদোক্কে হায়না মখোয় মশেন (মণিপুরদা খঙহন্দনা) লেপ্পদুনা থবক লৌখৎনবা খুজীন- থৌশীল্লক্লম্মী।

করিগীদমক্তা জিলা দরবার তৌরিবনো?

খৃঃ ১৮৭৩ গী ফেব্রুৱারী ১৫ দগী মার্চ ১০ ফাওবদা মণিপুরগী অৱাং ঙমখৈগী লমদাংদা বৃটিশ ভারতকী বাউণ্ডরী কম্মিসনগী মেম্বর (Member of Boundary Commission) ওইনা লাকপা সাহেব (Officer) অহুম - মি: পত্র (Mr. Porteus?), মি: কামপা (Mr. Kampa?) অমসুং মি: শুত (Mr. Shuta?) না মণিপুরগী কোনুং ইম্ফালগী কংলাদা লাক্কুনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহদা হায়রিবা হাওখুন (থিবোমৈ) সি মখোয়দা পীগদবনি হায়না মরুপ মপাং ওইনবা, মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক অমবু মখোয়গী লোই লমগুম হায়রবদা মহারাজনা ৱা অমত্তা খুন্নীদনা হৌগত্তুনা চখোক্লগা ব্যাবহার য়াওদবদুগী ঈকাইবা পীবিরম্মী। মরম অদুনা মখোয় অহুমসিনা অকনবা- অয়াকপা ৱাহৈনা রিপোর্ট ইদুনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সিলেটতা লৈরিবা ওথোরিটিদদা নত্তনা কলকটা / কোলকতাদা লৈরিবা বৃটিশ হেদ কার্টর্সকী গোভর্নর- জেনরেল ফাওবা য়ৌনা পাউ থারম্মী। রিপোর্টতুদা হায়রিবা থিবোমৈগী লমসি ফংননবা অকনবা থৌরাং তৌবিয়ু অমসুং থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু ৱাকৎলম্মী। হায়রিবা ৱাকৎসি লল্লোনবগী শেন্দোং য়াম্না পাম্বা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সুপ্রিম এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল (Supreme Administrative Council of British East India Company) দা শাফু কন্না য়ৈরম্মী অমসুং কাউন্সিলসিগী থবক থুনা পাঙথোক্লবা কাউন্সিলসিগী মীটিংগী ৱারেপ লৌদুনা গোর্ভনর- জেনরেলদা শীন্নরম্মী। মরম অসিনা কাউন্সিলসিগী কুনশুবা গোভর্নর- জেনরেল মি: লোর্ড নোর্থব্রুক [Mr. Lord Morthbrook (1872-78)] না থবক পায়খৎলক্লম্মী।

খৃঃ ১৮৭৪গী জুলাই-আগষ্টতা ভারতবর্ষগী গোভর্নর- জেনরেল লোর্ড নোর্থব্রুকনা বেঙ্গোল (ৱেষ্ট অমসুং ঈষ্ট বেঙ্গোল অনিগী অপুনবা) অমসুং অসাম

কোয়না চত্তুনা য়েংশিন- খোৎচিন্নবগী থৌরম- পরেং লৈরম্মী। হায়রিবা থৌরম পরেং অসিদা মহাক্কী অৱাং- নোংপোক ভারতকী ওফিসারশিংগী ৱাকৎ লৈরিবদুগী থবক লৌখৎনবা মণিপুরগী নিংথৌবু অসামগী জিলা অমা ওইরিবা কছাড়গী বৃটিশ হেদ ক্বার্টস শিলচরদা উননবগী প্রোগ্রাম হাপ্লম্মী অমসুং মণিপুরগী নিংথৌগা উনবগী থৌরমসি অসামগী চিফ কম্মিস্নার মি: কিটিঞ্জ (Mr. Keatinge) দা শীন্ননবা য়াথং পীরম্মী। হায়রিবা চিফ কম্মিস্নারসিনা অমুক কছাড়গী ডিপুটি কম্মিস্নারদা য়াথং পীদুনা শীল্লগা কছাড়গী শিলচরদা খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্টকী অহানবা থাখায়দা পাঙথোক্লবা শীনখিরম্মী। অদুনা কছাড় জিলাদা ভারতবর্ষগী গোভনর- জেনরেল লোর্ড নোর্থ ব্রুককা মণিপুরগী নিংথৌ রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগা উন্নদুনা বৃটিশনা মণিপুরগী লম থিবোমৈ (কোহিমা) বু মখোয়গী লল্লোল- ঈতীক্কী মফম অমা ওইনবা নীজবা অমসুং মৈতৈ নিংথৌনা থিবোমৈ বৃটিশশিংদা পীবিখিবগী ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী উন্নবা অদুবু মৈতৈনা (কছাড়) জিলাদা তৌখি হায়দুনা জিলা দরবার হায়না কৌই।

> *জিলা দরবার করিগীনো কৈদৌঙৈ, কদায়দা কনা কনা উন্নবসি পাঙথোকখি*

ভারতকী গোভর্নর- জেনরেলগী য়াথং মতুং ইন্না কছাড়গী ডিপুটি কম্মিস্নারনা অইবা বার্ত্তনগী চে মণিপুরদা লৈবা মখোয়গী পোলিটিকেল এজেন্ট মি: ডা: আর: ব্রাউন ফ্রোস [Mr. Dr. R. Brown Frose (1867-75)] তা পীরক্তুনা মণিপুরগী নিংথৌগী মখুত্তা চহিসিগী জুলাই ২৯ দা য়ৌরকখি [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৪২১] গোভর্নর- জেনরেলনা জিলা কছাড়দা দরবার তৌসি, লৈপাক অনিগী ৱারম ঙাংনসি হায়না বার্ত্তন তৌরকপসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মশামক, লৈপাক পুবা অঙম- অথৌশিং পুন্নমক্লা মহারাজবু কছাড়দা কৌথোক্লগা ফাননবগী থৌরাংনি হায়না য়াম্না কন্না চিংনরম্মী অমসুং ৱাফমসি তোকঙা অমা ওইনা নোংমখক্তদা মৈত্রবাক মণিপুর শীনবা থুংনা শন্দোক্লক্লম্মী [M.A.R, 1874-75, 2])। ফাখিগনি হায়না চিংনরিবগী মরমশিংদি - ১) মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈ য়েন্নবদা বৃটিশ ওফিসারশিং মায়থীখি ২) অৱাংগী লমখৈসিগী ৱাফমসি লাইখাই / লৈখাই তাদ্রি, ৩) লমখৈ য়েন্নবসিগী বৃটিশকী বাউণ্ডরী কম্মিসনগী মেম্বর অহুম ঈকাইবা পীখিবদগী মখোয় অহুম্না মৈতৈ নিংথৌগী মথক্তা মরাল শীদুনা অকনবা চার্জ তৌরে, গোভর্নর- জেনরেল য়ৌরে, ৪)ৱাফমসিনা লৈপাক

অনিসিগী মরক্তা লৈনবা মিত্রতাগী (মরুপ- মপাং ওইনবগী) মরী (Friendly relationship) অদুদা অকায়বা পীরে, অদুনা মণিপুর নত্রগা মৈতৈ নিংথৌ বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী য়েক্লবা ওইরে- হায়বশিং অসিদা চিংনবা অমসুং অকিবা পোকপনি। অদুবু মৈতৈ নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মহাকপু ফাবগী থৌদোক্তি থোক্ত্রিবা থৌদোক্লিনা লৈপাক্কী ঈজ্জৎ, জাতিগী ঈকাই খুম্নবা ঙাক্লনবা অমসুং মশাগী ফিবম- ফিরেপ কন্ননবগীদমক্তা লৈপাক পুবা অঙম্বশিং খন্ন- তানরগা অকনবা চেকশিন থৌরাং অমসুং ঙাক- শেনগী খুজীন- থৌশীলগা লোইননা শেম- শারগা জিলা দরবার তৌরুনবা কছাড় জিলাদা সনা খোঙলেঙবা হায়না ৱারেপ লৌখিরম্মী। হন্দক্কী জিলা দরবার অসি তশেংনমক মৈতৈ নিংথৌনা লান চৎপা অমা ওইনা নত্রগা অমগুম্না চৎখিরম্মী। দরবারসি চৎপদা মণিপুরগী খোংজাইগী নোংমৈ পায়বা লান্মী ৫০০ না তুংদা, মৈতৈগী নোংমৈ পায়বা সিফাই ৫০০ না মাঙদা, নাক য়েৎ- ওয়দা অখন্নবা অঙাক- অকনগী য়েৎথাঙ অমসুং ওয়থাঙ ওইবা সৌৱাইজাম্বা বলরাম সিংহ, মেজরনা য়েত্তা, কাংঙবা চিদানন্দ সিংহ, থাঙ্গাল মেজরনা ওয়দা ; হকথেংনবা থৌগন্দা মচাঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা কুলচন্দ্র সিংহ, ঙাক্রোচাবনা য়েত্তা, মচা ইবুংঙো শামুহঞ্জবা ঝলকীর্ত্তি ফৈজাওম্নানা ওয়দা, চীঙঙাখনবমচা শাজৌ খাবম লাকপনা পানা ৪ গী লান্মীগা লোইননা নিংথৌগী অকোয়বা মায়কৈ পুম্নমক্তা উরু- উরু লৈনা কোয়না কোয়না চেন- চত্তুনা ঙাক- শেনবা অমসুং হায়রিবা ঙাক- শেন লুপসিদা য়াওরিবা মমিং লৈরবা অকন- অথৌশিংদি - ১) চনম্বা জয় সুবিদার, তুলিহন, ২) য়েংখোইবা সুবিদার, মিয়া সুবিদার, বলরাম সুবিদার, ৫) অচোইবা সুবিদার, যোগেন্দ্র সুবিদার, অচোইবা লুৱাংবা, মোইরাং নিংথৌ; মাহুৎ হঞ্জবা, নোংমাইথেম্বা শগোলহঞ্জবা, য়াম্বেম্বা অরাম্বাই হৈবা, শারুংহঞ্জবা, (১০) শাৎপা মেজর, নিংথৌজাম্বা পোইলা, বলদেব পোইলা, (১৩) নোংমাইথেম্বা পোইলা, অসিনচিংসিনি।

রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবার চৎননবা ৱারেপ লৌখি- লেপ্লখিবা

জিলা দরবারসিগী স্না খোঙলেঙবসিগী সনা থৌগল শেল্লুংবশিংদা- (১) কাংঙবা ময়াং তাবা শেল্লুংবা, (২) অঙোম তোনু শেল্লুংবা, (৩) গুলাপ সিংহ, শেল্লুংবা, (৪) তোমচাসিং, শেল্লুংবা, (৫) অঙৌমচা শেল্লুংবা, (৬) থম্বৌ

মচা শেল্লুংবা, (৭)নিংথৌজাম্বা শেল্লুংবা, (৮) কাংঙবা লক্ষ্মন শেল্লুংবা, অসিশিংসিনি। অদুগা অকন- অথৌ, মুক্লা যাত্রা, লমজেল্লোই খোঙয়াঙবনচিংবদা - (১) শাংপা লমজেন য়াঙবা, (২) মাইব্যা তান্ত্রসিং লমজেন য়াঙবা, (৩)হৈস্নাম মথং লমজেন য়াঙবা, (৪) লৌপানতাবা লমজেল্লোই, (৫) য়াম্বেম্বা (মুক্লা) যাত্রা, (৬) বিনো যাত্রা, (৭)লৈশং যাত্রা, (৮) গুণ যাত্রা, (৯) থবী যাত্রা, (১০)লুসৈ যাত্রা, (১১)কাংঙবা যাত্রা, (১২) খৌদোন যাত্রা, (১৩)য়াম্ব্যা মাধব যাত্রা, (১৪) লুক্রাম্বা যাত্রা, (১৫)মায়পাক যাত্রা, (১৬) খুরাইজম অঙৌ যাত্রা, (১৭) তোনা যাত্রা- অসিনচিংবসিনি। শ্রীযুৎ মহারাজগী পেনা থৌগল্লোইশিংদা - (১) চনম্বা (বাপু) পেনা হঞ্জবা, (২) পাঙম্বা পেনা হঞ্জবা, (৩) য়ুমলেম্বা পেনা শকপা, অসিনচিংবনি। অদুগা বঝাইদা - তোল্লেন বঝাই খোংবা অমসুং মহাক্কী মপাংশিংনি। শ্রীবিষ্ণুগী সেবারী অমসুং থৌগল্লোইশিংদা - (১)গুরুময়ুম ঠাকুরদাস পুরোহিত, (২) গুরুময়ুম নোংমাইজীঙ শর্ম্মা তন্ত্রধার, (৩) তোল্লেন ঠাকুর, (৪) ভারবর্ত্তন ঠাকুর, (৫) কমলাকান্ত পাঞ্জি শঙলাকপা, (৬) লৈমপোকপা দেবকিশোর (শাজৌ) সিংহ শ্রীগোবিন্দজীগী ৱাঙ্গোন কৈরুংবা (নহারুপ পানা হাজরি) (৭) কবোম্বা পুজারী, (৮) তেপী পুজারী, (৯) খৌদোন পুজারী, (১০) তোল্লেন পুজারী, (১১)অতোনবা পুজারী, (১২) কৃষ্ণগোপাল পুজারী অসিনচিংবা লাইগী পুজারীশিং অমসুং ময়ামগী চাক থোংনবা অতৈ পুজারী ২৫ গা, (১৩) নোংথোনবম চাওবা ভান্দারী পুরেন, (১৪) বামোন জগধাম শল্লুংপুরেন (শঙ্গোম পীবা), (১৫) চোংথামচা অঙাং- অতোন (নীলমনি, খৃঃ ১৮৯১গী অয়া পুরেন মেজর) তেৎনৌ শোজৈহনবা অসিশিংসিনি। অদুগা অতৈ অতৈ হিরমশিংগী ওইবদা - (১)লৈহাওথাবম গোকুল ঠাকুর থুমজাও পুরেন অমসুং মেজর, (২) মোইরাং রস সিংহ সুবিদার, (৩) নোংমাইথেম গীরীধারী সিংহ, অঙোম নিংথৌ, (৪) নিংথৌখোংজমচা পণ্ডিত, (৫) হৈথমচা রতন সিং য়োয়রেনহনবা, (৬) খুমল্লম্বম অঙাংজাও, অশৈবহনবা, (৭) নোংথোনবমচা মরৈবা সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈহনবা, (৮) লৈমপোকপা থাবন পুঙয়েবা, (৯) থোকচাও ৱারী লীবা, (১০)মুতুমচা মুক্তিয়ার, (১১)নিংথৌজম জয়ধর কৈরুংবা, (১২) চুঙখামচা লোংলা হাজারী, (১৩) মোংজমচা ধর্ম্মশোর কালিকোর লাল্লুপচিংবা, (১৪) ঈবুংশীজ আবীর সিংহ, অসিনচিংবনি। জিলা দরবারগী খোঙচৎসিদা শীজিন্নখিবা শামুশিংদি - ১) মোইরাংশা (মৈদিংঙুনা তোংবা), ২) কোন্দুম্বা

(শ্রীবিষ্ণু লেঙখৎপা), ৩) ধীনতার (সৌগাইজাম্বা বলরাম মেজরনা তোংবা), ৪) হেরামোৎ (কাংঙবা থাঙ্গাল /চিদানন্দনা তোংবা), ৫) অরাংবচৌবা (ঈবুংশী ৱাংখৈরাকপা কুলচন্দ্রনা তোংবা), ৬) জিরিশা (ঈবুংশী ফৈজাওম্না /ঝলকীর্ত্তিনা তোংবা), ৭) রাজবল্লভ (অথোই- অহেন)- অসিশিংসিনি। অদুগা শগোল কাংজৈগীদমক্তা কাঙজৈ চাবা শগোল ৫০, কাঙজরোই ৫০ অমসুং মখোয়গী কাঙজৈ শান্নবগী মপোৎ- মচৈশিং [ও:ভ:, ২০০১, ১৭- ৫৫, রা.কু:সগু:, ১৯৭০, ১১৬- ১৮]।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মথক্তা পীজখিবশিং অসিগা লোইননা খৃঃ ১৮৭৪ সিগী জুলাইগী তারিক ৩১ দগী কছাড়দা লেঙশিনখিরম্মী। মৈদিংঙুনা জিলা চঙবগী খোঙচৎ অসি থৌরাং য়াম্না চাওনা লাংদুনা পাঙথোকখিবনি। খোঙচৎসিদা মৈদিংঙুগী অহিং নোংলেনশঙশিং মণিপুরগী মনুংদা মফম তরেৎ অমসুং কছাড়দা মফম অনি (শিলচরদা শাবদি কছাড়গী ডিপুটি কম্মিস্নারনা শাবনি) শাখিরম্মী। হায়রিবশিংদুগী মফমশিংদুদি -

> *জিলা চঙবগী মৈদিংঙুগী*
> *য়ারেক- নোংলেনশঙ*
> *তরেৎ- নিপান শাখি*

১)লৈমতাক তুরেনগী খোংবান, ২) খৌবুম তম্পাক, ৩) ঈরং তুরেনগী খোংবান, ৪)লোকচাও (নুংবাগী লোক), ৫) ক্বাই /খ্বাই /বরাক তুরেনগী খোংবান (হৌজিক্কী ইম্ফাল - জিরি লম্বীগী বরাক কৌরিবা লমতুপ অদুগী মনুংদা), ৬)মকু লোকচাওগী ঈথৈগী মকু তুরেনগী খোংবান অমসুং ৭) জিরি তুরেনগী খোংবান (জিরিঘাট মনাক্তা), অদুগা কছাড়গী - (১)লখিপুর (মসি কাংঙবা থাঙ্গাল মেজরগী এডভান্স পার্টিনা শাখি) অমসুং (২) শিলচর (কছাড়গী ডিপুটি কম্মিস্নারনা শাবনি), অসিশিংসিনি। অদুগা মৈতৈনা শাবা মণিপুর মনুংগী য়ারেকশঙশিংসি - ১) খোইস্নাম জয়সিং সুবিদারনা লুচিংদুনা, ২) য়ুমখায়বা মায়পাক সুবিদার অমসুং লোংজাম্বা পুস্কর সুবিদার অনিনা লুচিংদুনা, ৩) মোইরাংথেম্বা রমানন্দ কুট (Naik/ Corporal) না লুচিংদুনা, ৪) থিংবাইজম কমলাসিং জমাদারনা লুচিংদুনা, ৫) খোমদ্রাম যদুনাথ কুটনা লুচিংদুনা, ৬) তোংব্রমচা বলসিংহ সুবিদার, লোকতোনবা তাঞ্জৌ কুট অমসুং পল্লিবা (পোল্লেমচা) খৌদোন কুটনা লুচিংদুনা অমসুং ৭)শনশেনবা দেবসিং সুবিদার, ওয়নামচা সুবিদার অমসুং নামৈরাকপম কুট অহুম্না লুচিংদুনা মথং শীৎনা মহারাজনা লেঙথোরক্লিবা ফাওবা শঙখি। অদুগা

কছাড়গী লখিপুরগী য়ারেকশঙসি কাংঙবা থাঙ্গাল মেজরনা লুচিংবা মৈতৈগী সিফাই ৫০০ অমসুং সিফাই ওফিসারশিং নোংথোনবমচা গোকুলসিং সুবিদার, শঙখুবম বাপু সুবিদার, য়ুম্নাম্বা তুলসিং সুবিদার, কাংঙমচা হেরাসিং, লাইফ্রাকপা তুলসিংহ, হাওবমচা কেশোরসিং, অয়েকপমচা গুনসিং, নোংথোনবমচা সোরুপা / স্বরুপা, লাইশ্রবা থবা, মাইব্যা তাম্রাসিংনচিংবা অকন- অথৌ ১০০ য়াওবা মাঙথা- লময়ান- লময়েংবা লুপ্পা শাখি অমসুং মৈদিংঙুনা কছাড়দগী লেঙথোক্লিবা ফাওবা শঙখি। অদুগা, লম্বী- লম্বেল ঙাক-শেন খোঙলুপ (রোদ গার্দ সেক্যুরিটি) ওইনা লম্বীদা য়ারেক্তু না লৈবশিংনা বামোন গুণ শর্ম্মা মেজরনা সিফাই ৫০০ রোম পুদুনা নুমিৎ নিনিগী মমাঙদগী খোঙশানহনখি (ও:ভ:, ২০০১, ১৭-২২ অমসুং চ: জি: চ: খু: লাই)।

জিলা দরবার খোঙচত্তা লৈশং যাত্রাগী নুপামচা থৌদাং ঃ-

মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা নত্রগা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজনা জিলা (কছাড়) দা ভারতবর্ষগী গোভর্নর- জেনরেল লোর্ড নোর্থ ব্রুক্কা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী দরবার / মীটিং লেঙবদা লাইশঙমচা লৈশং যাত্রাসু লৈপাক্কী অকন- অথৌ মুক্লা যাত্রা অমা ওইনা স্না থৌগল ইঞ্জে, হায়বসি মথক্তা উৎচখিবা জিলা দরবার খোঙচৎকী য়াওখিবা মীওইশিংগী মিং পরেং পীজবদা য়াওখ্রে। মৈদিংঙুসি খৃঃ ১৮৭৪ গী জুলাই ৩০ দা মমিংদা ওইনা যাত্রা (Normal start) তৌরগা মথংগী নুমিৎ জুলাই ৩১ দা স্না হকচাং য়াওনা খোঙলেঙবগী যাত্রাগী ঘট লাত্তুনা খোঙকাপ ৯ (মাপন) থাংদুনা অমুক হন্না যাত্রা তৌরগা স্না কোনুংদগী খোঙশানথোকখি। স্না কোনুংদগী খ্বাইরম্বন, খোংনাং হোগায়বিগী মপা লান্দুনা শগোলবনগী খুল্লক লাল্লগা ক্বাক কৈথেল, চউমকৈ /চঙালগৈ, মালোম, নম্বোল, ওয়নাম, কৈনৌ, শামুপন (ঙাইখোং -পোৎশঙবম) লান্থোক্লগা লম্মাংদোং বিষ্ণুপুরদা থুংখিরম্মী। মসিদগী থোংজাওগী চীঙজাওগী চীঙদোন লাইমতোন চীঙদোন লাল্লগা কুমথক্তু না লৈমতাক তম্পাক তারগা লৈমতাক তুরেনগী খোংবান্দা অহিং লেকখিরম্মী। নোংঙাল্লগা থৌবুমগী চীঙজাও কাদুনা লাইমতোন ফৌরুংবগী চীঙদোন লান্দুনা থৌবুম চীঙখাং তারগা থৌবুম তম্পাক্তা কুমথদুনা মফমদুদা শাবা মৈদিংঙুগী য়ারেকশঙদা অহিং লেকখিরম্মী।

জিলা দরবার লেঙবগী শ্রীযুৎকী অশেংবা যাত্রা

নোংঙাল্লগা অমুক খৌবুমদগী তয়াং চীঙজেং লাল্লগা ঈরং তুরেনগী খোংবান্দা কুমথদুনা মফমদুদা শাবা মৈদিংঙুগী য়ারেকশঙদা য়ারেকখিরম্মী। মণিপুরগী জিলা দরবারগী মীয়ামদুনা ঈরং তুরেনগী খোংবান্দা থুংখিবসি ৱাকচীংগী অহানবা থামাং / মলমাস থাগী ২১ নি পানবা, শ্রীগোরিয়ান কুমশীঙ ১৮৭৪ গী আগষ্ট তারিক ৩ (অহুম), নিংথৌকাবা নুমিৎনি। মসি নুংবাগী লোকচাও মনাক্তনি। নুংবাগী লোকসিদা অয়ুক্কী চাকলেন চারগা নুংবাগী চীঙজাও কারক্তুনা লাম্থোক্লগা কুমথরক্তুনা ক্বাই / থ্বাই (ক্বা / থ্বাগী / ই / ঈ, ঈশিং / ঈচেন), ময়াং কছাড়ী (ডিমাসা)শিংনা বরাক (বর /বড়- অচৌবা, আক- ঈশিং /ঈচেল) কৌবা তুরেন্দুগী তোবর্বান্দা মথংগী নুমিৎ আগষ্ট তাং ৪ দা থুংখিরম্মী (ও:ভ:, ২০০১, ৩৬)।

জিলা দরবারগী লম্বী

লৈশং যাত্রানা বরাক- লীতান শম্বা

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজগী জিলা দরবারগীদমক্তা কছাড় জিলা চঙবগী খোঙবু- খোঙলোইশিং অমসুং মৈদিংঙু নিংথৌসিনা বরাক /থ্বাই তুরেনগী ঈথৈ খোঙবান্দা আগষ্ট ৪ দা থুংখিবগী মতমদুদগী হৌনা নোং য়াম্না কন্না চুবা হৌখি অমসুং নোংমদোন অতিয়া মথক্তা খীনবা চাওরবা পুঞ্জাও অমদগী লেপ্তুনা ঈশিং হৈথরকপগুম নোং লেপ্পা লৈতনা চুরক্লম্মী। নোংজু পান্থানা মকুম- মখা ওইবগী চুবা নোংনিনা ঙাইহাক্তা পাথবা লৈতে। খাকপা লাউবদি তৌদে। অদুবু চুফম থোকপা নোংগী নোংজুদা নোংলীক চাওনা লেপ্তুনা হৈথবনি। থ্বাই /বরাক খোংবান্দা খীহং য়ারেক্লিবশিংদুদি মমাঙগী অয়ুক অমসুং নুংথিন্দু লোইবী চীঙঙম কা, অকুৎপা লোক লানবদা মখোয়গী মপাঙ্গলনা হকচাংগী খোঙ- ফৈগন্না লাম্হেংনরকপনা নোংজুগী মখোল, ঈৱাই- ঈনীনগী মনা- মনীল তাদনা তুমখুন হুন্নখিরম্মী। অদুবু নোংঙাল্লকপা আগষ্ট ৫ গী অয়ুক্তদি ঙরাংগী ঈচেল তপ্পী বরাক্কী ঈচেলদু লৈরমদ্রে, তোবর্বান নীক- নীক লাউনা ঈমায় চোল্লবা, ঈচেল য়াঙনা, ঈরৈনা শাফু কন্না লৈ- লৈদুনা চেল্লবা ঈচেল ওইরম্লে। অদুগা ঙরাং লৈহৌবা বরাক তুরেন লান্ননবা তিংবা লীতানগী থোংদুসু লৈরমদ্রে। থোং অদুগী লীতান মরী তত্তু না থোংদু তুরেনগী ঈচেন্না চেন্থখ্রে। বরাক তুরেন লান্ননবা থোং লৈত্রে। অপীকপা তুরেনমচাসু নত্তে, ঈমায় চোল্লবা মতমদুদা গজ ২০০ /

অঙকপা ফংনা কল্লবা কুমগী নোংনা লেপ্তুনা তাং ৪ গী অহিংদুদা চুখি

৩০০ (মি: ১২৮/১৯২) রোম পাকপা অচৌবা তুরেন্নি। লমদাংসিদা পাবীরিবশিংনা বরাক তুরেনগী মরমসিদা খজিক্তং পুক্লীং- লৌশিঙ ওইনবা থমজনীঙবা ৱারমশিংদিঃ-

.... the western half of the state (Manipur) is drained by Barak river (Surma River) through Dhansiri river into Brahmaputra Ganga drainage system [M.T.L., 1992, 107].

.... the Barak river (the largest river of Manipur) drains the western half of the State. Barak valley area is about 250 Sq. Km. It rises from the nothern range of the State about 16 Km. east of Mao and follows a south westernly course when it reaches Tipaimukh, it joins with Tipai river which comes quite opposite to it from Mizoram running northward direction. At Jirighat it is joined by the Jiri river and from there it turns towards the west and after passing through Cachar and Sylhet plains it meets with Brahmaputra on Bangladesh (near Bhairab, Bazar). Barak river is having one important waterfall (i.e. Tamenglong waterfall, 30 metre high) at Tamengling area [ibid, 107].

The most important tributaries of Barak river are Jiri, Tipai, Juko, Maku, Irang, Leimatak and Maklang. Maku originated from the Brail ranges and falls at Barak river after 5 miles from the south of Kalanaga village at Tamenglong district. Irang rises from the north of Yangpugilong ranges at the west of Karong. It runs through narrow and deep gorges at southwest direction and fall at Barak river near Tipaimukh (i.e. about 32 km. north of Tipaimukh). Leimatak and Ijeibi (Eeyeibee) rivers are two important branches of Irang [ibid, 109].

বরাক তুরেনগী খোংলম অমসুং ঈতিল্লবা মশা

অসিনি। অসুম্না মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা তুরেল গ্বাই /বরাক তুরেনসিনা নোং কন্না চুবদগী ঈহৌরক্তুনা ঈশিংগী ঈচেল কনখৎলকপা, ঈরৈ কন্না চেল্লকপা, ঈশিংগী খোঙজেন য়াঙখৎলকপনা মরম ওইদুনা তোবর্বান নীংখায়রকপা, তুরেনগী লৌনম্বান কীন্থরকপা, খোংলম খোংবান কায়কপা অমসুং থিংঙেন / থিংলেন

নমথরকপা অসিনা মরম ওইদুনা তোবর্বান- লৌনম্বান্দা হৌরম্বা উপান- ব্রাপান মরূ ফুক্তুনা নাপী- শীঙবী, হাপুঙ- মোংশোংনচিংবা কয়া মপান- মরূ য়াওনা মশা- মরেংগা কোন্ননা ঈশিংগী ঈচেন্দা তাশিল্লকপা, ঈচেনগী ঈরৈনা মখোয়দুবু চেম্থদুনা লৈনা লৈনা পুথরক্তুনা তাউথরকপগী খুদোংথীরবা মহৌশা লাইরেন্বীগী উপদ্রবশিং থোক্লে। মহৌশা লাইরেম্মগী মকুম- মথাগী খুত্থা অদুনা মীখুৎশেমগী থোং, শঙ /য়ুমনচিংবা কয়া তেক্ল- তৎনখি, হুমদেক- হুমদোক্তুনা থাদখি। অসিগুম্বা মাঙ- তাকপগী থবকশিং অসিগী মনুংদা আগষ্ট ৪ গী য়াচঙবা মতুং, নোং তাবা হৌরকপা মতম ফাওবদা লৈহৌরিবা বরাক তুরেন লান্নবা তুরেন্দুগী মথক্তা তিংবা নত্রগা লী / লীতান তিংদুনা শাবা থোং অদু লৈত্রে, তত্তুনা তাবদগী ঈচেন্না পুথখ্রে।

বরাক তুরেন্দা শাবা লীতান- থোংগী লীতান মরী তত্তুনা লৈরম্বা

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা লীতান শম্লবা য়াথং পীবা ঃ-

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবার অসি মতম চানা চত্তবা য়াদ্রবা, হয়েং তুং ফাওবগী তঙ তাবা মরম অমা খঙনগদৌরিবা খোঙফমগী খোঙচৎনি হায়না লৌই। মরম অদুনা হায়নখিবা নত্রগা পীরকখিবা মতম অদু নংনবা নত্রগা শোয়দনবা কছাড়দা থুংলুদবা য়াদে হায়না খল্লম্মী। অমরোমদা মণিপুরগুম্বা লৈপাক চাম- চামগী থবক পুরিবা মথৌ চিল্লবা ভারতবর্ষগী গোভর্নর- জেনরেলনি, মহাক্না পীরিবা মতমসিদগী ঙাইহাক্তা ঙাইবীয়ু হায়বা য়াগদবা নত্তে অমসুং মহাক্তি মনীঙ তম্বনি, মহাক্কী মথক্তা ভারতবর্ষসিদা অমা অমুক লৈত্রবনি। অদুনা মহাক্না পীরক্লিবা মতমসি কায়বা নত্রগা শোয়বা য়াদ্রবনি। মরম অসিনা বরাক তুরেন লান্ননবা লীতান- থোংগী লীতান মরী অদু তুরেনসি লাম্থোক্তুনা চৎখ্রগা ব্রাংমগী তোবর্বান্দা শমদুনা শ্রীযুৎ মহারাজগী স্না য়াথং মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈপাক পুবা অঙম্বশিংগী মরক্তা অকন- অথৌ ওইনা য়াওরক্লিবা মুক্না যাত্রা কয়ারক ফংখ্রবা লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রাদা পীরম্মী। নিংথৌ মশানা থবক ঙমগনি হায়না থাজবা মীশক্তুদা পীবা য়াথংনি।

লাইশঙবম লৈশং যাত্রাদা লীতান- থোংগী লীতান মরী শম্লনবা শ্রীযুৎকী য়াথং

লৈশং যাত্রা মতমসিদা মশাগী চহি নৌরি, চহি ২৩ (কুনহুমদোই) রোমগী লোন্নি, মীওইবগী পুন্সিগী যৌবন মতমগী য়ক লাউবা মতমনি, মীকি- লাইকিদবা,

মতোমতা কৈ ফাগে হায়বা তাঞ্জাদুনি। লৈশং যাত্রা, স্না য়াথং ফংবগা পন্থুদে, মফি তনশেম শেমদুনা থ্বাই /বরাক তুরেনগী তোবর্বান্দা লেপ্লগা চেল্লিবা ঈচেল, লৈরিবা ঈরৈদু শঙত্রিক য়েংলগা মহাক্না খঙজবা নীঙশিঙদুনা হিন্দুগী ঈশিংগী লাই বরুনদেবতা, মৈতৈগী ঈশিংগী লাই ৱাংব্রেন খানা চাউববু মপুক্লীঙদা চেংনা খুরুমজরগা মরৈপাক মৈতৈসনা লৈপাক্কী মরৈকায় লমদমদা ঈশিংগী লাইরেম্মা ঈরৈমা (ৱাংব্রেন খানা চাউবগী তাল্লোই অহন) ঈরাৎপা, "থৱান পোৎলাক" পু মশাগী মমিৎকী মমাঙদা থমজরগা - "হে ঈশিংগী লাইশিংও! ঈরৈমা ঈমা- ও! মহৌশা লাইরেম্মগী মখুৎশেম, খোইয়ুম লাই নখোয়গী নখুৎশেমনি, নমু তাইবংনা করিসু ঙম্বা নত্তে, চীঙঙু খোইয়ুম নখোয়দনা ঙম্বনি। ঙসি বরাক লীতান শম্নবা তুরেন লানবা ঙমহনবীয়ূ" - হায়না খুরুমজরম্লগা বরাক তুরেনগী খোংনুংদা চোংথখ্রে। অদুগা মায়য়োক্লবা তোবর্বানগী পান্দম লাক্কু না ঈরোইবা হৌখ্রে। লৈশং যাত্রানা ঈহৌরকপা ইম্ফাল তুরেনগী ঈপাক- ঈমায়দা কয়ারক হন্না শান্নখিবা ঈরুপ্পা, ঈরোইবনচিংবগী ৱাফম খর মথক্তা পঞ্জখ্রে। মরম অসিনা মহাক থ্বাই তুরেনগী ঈচাওগী ঈরৈদুদা থোইদোক্লা থুক্কৎ- পাখৎপগী ৱাফম লৈতবগুম তৌই।

লৈশং যাত্রাগী বরাক লীতান শম্নবা থৌরাং

অদুনা মহাক্না তুরেন্দুগী ঈশিংদুবু ঈরোইদুনা লানগে হায়না হোৎনরকখিবনি। অসুম্না ঈরোইরকপসিনা তুরেনগী ঈয়ায় য়ৌরকপা মতমদা লৈশং যাত্রানা মশাগী য়েৎলোমদা চেন্থরক্লিবা ঈচেনগী মায়কৈদা য়েংলকপা মতমদা চাওরবা কেক্রু পাম্বী, মশা- মরেং য়াম্না পানবা, মপান- মউসু চাওরবা অমা তুরেনগী ঈচেন্দুনা পুথরক্তনা মহাক্কী মনাক য়ৌগদবা লম অমরোমগী মফমখক্তা ঙাইদুনা লৈরম্মী। হায়রিবা তাঞ্জা অমসুং ফিভম অসিগী ওইনা থম্বীরম্লিবদি ঃ-

বরাক তুরেনগী ঈয়ায়দা লৈশং যাত্রানা থেংনবা কেক্রু পাম্বী অমা চেন্থরকপগী খুদোংথিবা

.....মৈদিংঙু মদাইরেম লৈশং যাত্রা অথৌবনা সনা য়াথং লূদা থোং লাইজা তমলেন অচৌবা ঈমু মঙাও হৌরবগী মনুং চঙনা শ্রীগোবিন্দ মিংখৈ শোল, থম্মোয় লাইয়ুমনুংদা ময়ু পাফল কাউঙমদনা শমু খুৎনা লাইজা থিনপেক্লনা, ঈমু মনুং চঙ, লাইজা ঈয়ায় থুংলবদা পামেন কেক্রুচাওথোইবা উরূ পাল্লবনা লোক্লেন থননা তাউথববু পামেল হেন্থোক- ঙাইরবগী পোইরৈ মীয়াম পুন্নমক নুংবঙ চঙ, চীঙঙু গোবিন্দ চীন্দা শোন,

ওরিজিনেল বুক্তা মমাঙগী অহলশিংনা থম্বীরম্বা ৱারোল

লৈশং থৱায় নীনখিএ (চ:জি:চঙ:, খু: লাই:, ও: ভ:, ২০০১, ৩৭)।

অসিনি। লৈশং যাত্রা, কেক্রু পাম্বীদুবু অহানবা উবমক্তদদি, পুক্লীঙদা খজিক্তং থুক্কৎলি। অদুবু মুক্লাদা খুদোং পুখৎখ্রগা ৱাখল মাঙদনা খুদোং ওক্কনি খঙবা মুক্লারোইশিংগী যাত্রানি, খুদক্তা লৌশিঙ লাক্তুনা মশাগী পীবুক থন্না শোরগী নুংশীৎ চিংশিল্লগা লাইজ ঈনুংবুঙদা ঙমজবমখৈ থুনা মশাগী হকচাংদু লুপথরকখি। বরাক্কী লুরবা তুরেন খোংনুংগী লৈখাদু ফংনা চথ- লুপথরগা খোংনুংগী লৈখাদুদা থেংনবা নুঙবী-নুঙজাও অমা কোন্দুনা হকচাং নপশিন্ননা লৈখাদুগী লৈমায়দুদা হকচাং শাংদ্রোং শাংনা দণ্ডবৎ প্রনাম তৌবগুম হকচাং লৈপক্লনা খুরুম্বগুম্না ৱাংলেন মিকুপ খর লৈখি। অসুম্না লৈরিঙৈগী মতমসিদা বরাক ঈহৌরকপগী খোঙজেল য়াঙলবা ঈচেলদুনা চাওরবা কেক্রু পাম্বী, মদুগী মশা- মরেংশিং অমসুং মপান- মৱ্ম য়াওনা লৈশং যাত্রানা ঈরোন্নুংদা লুপ্লিবা মপা অদু লাম্হোক্তুনা ঈচেন্না চেন্থখিদুনা মখারোমদা পুথখ্রে। লাইজা ঈরোন্নুংদা লৈরিবা লৈশং যাত্রাসু ঈনুংবুঙদা ঈরুপথরমদায়গী মতমদা পুরকখিবা পুন্সি চেঙজেলগী নুংশীৎ অদু লোয়শিল্লক্তুনা লাইজ ঈনুংবুঙদা লৈরিঙৈদা কেক্রু মপান অচৌবদুনা লাম্হোক্লম্লগনি খন্দুনা ঈপান লাংনা ফাওগৎলক্লে। মহাক্লা হেক ঈমায়দা ফাওগৎলকপগা বরাক খোংবান্দা লেপ্তুনা মহাকপু য়েংলিবশিংদুনা "ৱা লাউনখি, হিংলে, হিংলে" হায়না নীন্নখি।

> *লৈশং যাত্রানা বারাক খোংনুংদা*

> *লৈশং যাত্রানা ঈশিং- ঈমায়দা ফাওগৎলকপা*

লৈশং যাত্রানা বরাক্কী ঈপাক ঈয়ায়দা কেক্রু পাম্বীদুনা মহাক্কী মপা লাম্হোক্তুনা তাউথখিবদু উরবদা শোর চনীঙ তানা হোন্থখি। খুদোংথিবা হৌখ্রবনিনা অমুক অকিবা লৈতনা বরাক লাইজা ঈৱাংমগী তুরেন খোংবান য়ৌনা ঈরোইদুনা ঈরাল্লক্লে। অদুগা হান্ননা মখ্বাঙদা য়েত্তুনা পুরকপা থৌরী লীশাংনা অচৌবা পামেন উ অমগী উরাং মউদা কিশি পুদুনা শেম- শারগা লীতান থোংগী থোংলী, লীতান মরী শম্ন বা হোৎনরক্লে। মতমসিদা মহাক্কী মপাং মুক্লা শান্নরোই যাত্রাশিং মতাউ বিনো যাত্রা (য়ুম্নাক?) য়াম্ব্যা (য়াম্বেম) মাধব যাত্রা অমসুং অতোপ্পা যাত্রা অমগা অহুমসু বরাক লাইজগী ঈচেল- ঈপাক্তা চোংথদুনা লৈশং যাত্রাগী মতেং পাংলরে। অসুম্না লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রানা শম্বা বরাক তুরেনগী লীতান থোংগী মরি অদু মখোয় মরী চঙদুনা মথং মথং শমদুনা বরাক তুরেনগী ঈপাক্তু গী মরাক্তু থুংনা লীতান

মরী তীংলে। মদুদা ময়াম চঙদুনা থোংগী খোঙ থাফম খোঙদাফম থোংপাক হাপ্তুনা চৎপা য়াননবা অমসুং চৎপদা মপান্দা পায়ননবা পানপায় /পাম্বে শেমদুনা থোংদু মীয়াম লানবা য়ানবা শেম- শাখি। হায়রিবসিগী মরমদা থম্বীরম্লিবা ৱারোন্দি ঃ-

বিনোদ যাত্রা, য়াম্বেম্বা মাধব যাত্রানচিংবনা বরাক লীতান শম্বদা তেংবাংবা

...... লাইচা ঈহৌ অচৌবগী পামেন চাওথোইববু পুরকপদি হেন্দাকখিরবগা লৈশং যাত্রা অথৌবনা ঈমু মনুংচঙদগী লাইচা ঈপাল ফাওরবগা লীতান মরী শম্বদা পোইরৈ মীয়াম পুমবদি, "জয় য়াইফথোক্লে,, চীঙঙু গোবিন্দ থোইখোইবনা থৌজাল লনকুবীরে", হায়না য়াবা খোঞ্জেল থোক্লা নীন্নখিএ। তয়ম মদাইরেম বিনো যাত্রা, য়াম্ব্যা মাধব যাত্রাগা তনবা নিপা অহুমসু লাইজা ঈরোন্নুংদা চঙনা লৈশং মতেং পাংলরে। মতৌ অসুম নমু মী পুম্নমক অৱা হুইরাং শোল্লববু চীঙঙু মথৌজান্না লনকুবীরে (মথক্কীসিদা, ৩৭- ৩৮ অমসুং চ: জি: চঙ:, খু: লাই.)।

অসিনি। অসুম্না লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রানা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা চঙবা খৃঃ ১৯৭৪ গী আগষ্ট তাং ৪ দা বরাক তুরেন্দা শাবা লীতান- থোং তৎলবদা মদু শম্লনবা আগষ্ট ৫ দা নোংজু পান্থাগী ঈচাও- ঈহৌরবা বরাক তুরেন ঈরোইদুনা লাল্লকপদা কেক্রু পান্বী অমা তাউথরকপদগী খুদোংথীবদু নাম্থোক্তুনা লীতান মরী শন্নগা থোং অদু অমুক হন্না শেম- শাদুনা লাল্লগা জিলা দরবার শরুক য়াহনখি।

লৈশং যাত্রানা বরাক লীতান মরী শমখিবগী নিংথৌনা পীবা মনা: ৱাইথৌপাৎচাবা

লাইশঙবম শাগৈ মচা লৈশং যাত্রা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা কছাড়দা ভারতকী গোর্ভনর- জেনরেল অমসুং ভাইসরোয় লোর্ড নোর্থ ব্রুক উন্নবগী জিলা দরবার চৎপদা থ্বাই / বরাক তুরেনগী মথক্তা শাবা লীতান থোংগী লীতান মরী তত্তুনা বরাক তুরেন লানবা য়াদ্রবদা থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা লীতান থোংগী মরী শমদুনা বরাক তুরেন লানহনখিবসিগী থৌনা ফবগী মনা (Gallantry/ Bravery Award) পীবিখি। অসুম্না থৌনা ফবগী অথোইবা মনা ফংখিবসি মীশক-মীওই অনিনি। অমনা লাইশঙবম লৈশং যাত্রানি, অদুগা অমনা মাইব্যা তাম্রসিংহ অওন্দার (Havildar) নি, ব্রেভরি এৱার্দনি অমসুং মহাকপু জমান্দার

(Jamadar) গী ফমদা ফমথোন হাইগৎপা নত্রগা কাখৎপা পীবীখি অমসুং ফম অসিগা কোন্নবা হান্না চারম্বা লৌদগী লৌ পরী অমা হেনগৎনা লৌ পরী ৩ (অহুম) চাহনখি। মসি থাগী তলব শেন ওইনা পীবদা লুপা ৮ (নিপান) নি, হান্নগী ফমগী তলবতগী লুপা ২ (অনি) হেনগৎলবনি (ব: ক: শ:, ২০১১, ১৩২)। অদুগা লৈশং যাত্রাদনা ৱাইথৌপাৎ অসি মহাক্না হিংলিবমখৈ চাবা (শোয়চাবা), অসিনি (ম: প্রে: ১৯৯৬, ৪৭)। হায়রিবা মনা অসি খৃঃ ১৮৭৬ কী শ্রীশ্রীগোবিন্দজীগী দলান (বৈথক) হোঙবা নুমিৎ শকাব্দ ১৭৯৮ গী কালেনগী নিনি পানবা (খৃঃ ১৮৭৬ কী এপ্রিল তাং ২৬) য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈশং যাত্রা অমসুং অতৈ মনা ফংবশিংনা হকথেংননা ফংজখি, হায়না খঞ্জে।

> *গেলেন্দ্রী এৱার্ড ফংখিবা মীশক- মীওই অনিখক*

লৈশং যাত্রাগী ৱাইথৌপাৎ চাবগী পুন্সি

লৈশং যাত্রানা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা দরবার লেঙবগী থৌগন্দা খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট তারিক ৫দা নুপামচা থৌদাং উত্তুনা বরাক তুরেনগী লীতান থোংগী মরী শম্বগী থৌনা ফবগী মনা ৱাইথৌপাৎ চাবা হায়বসি খৃঃ ১৮৭৬ কী এপ্রিল ২৬ তা ফংজখিরম্মী। হায়রিবা পাৎচাবগী, শোয় ফম্বা অসিনা লৈশং যাত্রাগী পুন্সিদা অহোংবগী মশক খর পুরকখি। হায়রিবা মশকশিংদুদগী খরদি ঃ-

১) ৱাইথৌদা মরক- মরক্তা লৈবা

লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রানা খৃঃ ১৮৭৪ গী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবার লেঙবদা থৌগল তৌজদুনা চহিসিগী আগষ্ট তারিক ৫ দা বরাক তুরেন্দা শাবা লীতানথোং মরী তৎলম্বা শম্বগী মনা খৃঃ ১৮৭৬ কী এপ্রিল তারিক ২৬ তা ৱাইথৌপাৎ চাবসি ফংজবদগী থা অসিদগী ৱাইথৌপাৎসি লাইশঙবম লৈশং যাত্রাগী ওইরে। হায়রিবসিদগী মহাক্না ৱাইথৌ শোয় চাবদগী শেল নীঙথিনা ফংননবগীদমক্তা থৌরাং তৌবা তারকখি। মহাক, মমা- মপানা মতোমতা পোকপনি অমসুং মীরোন লৈজদবা মীশক্নি। মরম অদুনা মহাক্না ময়ুম- ঈংখোল পুমথা থাদোক্তুনা চৎপা নত্রগা নহারুপ পানাগী ৱাইথৌদা য়ুমলীং- খুল্লীংদুনা লৈরুবসু য়াদে। অদুগা পাত্তু চাবগী শেন- থুমসু মাঙহন্নীঙদে। অদুনা মতমদুদা মখোয়

লাইশঙবমগা তীন্ন- তোৎনরিবা কদাম (কাতাম, খুমন য়েক) শাগৈগী মীশিংদা শিন্নরম্মী। হায়রিবা কদামগী ঈমুংসিনা খৃঃ ১৮৭৬ সিগী নোংজু পান্থা লোয়খ্রগা মেরা থা (ওক্তোবর- নবেম্বর) দা ৱাইথৌগী শোয়গী মনীঙ থংবা শরুক, শোয়নীঙগী লম্বী মনাক্তা অতোঙবা মফম খন্দুনা ময়ুম শারগা শোয় শঙদুনা লৈখিরম্মী। মখোয়গী য়ুম অসিদা লৈশং যাত্রা লাক্লগা লেক- চাবা য়ানবা মহাক্কী কাসু হাপ্লম্মী। অসুন্না কদাম্না শঙলিবা ৱাইথৌ পাৎকী শোয়ফমগী য়ুম অসিদা লৈশং যাত্রা মরক মরক্তা লাক্তুনা মতম খর খর লৈরদুনা শোয়গী ফিভম য়েংশিনবনচিংবা তৌরম্মী। লৈশং যাত্রানা য়াইস্কুল হাওবম লৈকায়দা য়ুম অমা পানবা অমসুং ৱাইথৌদা মরক মরক্তা লৈদুনা য়ুম অমা পানবগুম তৌদুনা চহি খরগী মতম লেনখিরম্মী। অদুবু মহাক মতমসিদা হাওবম লৈকায়দা লৈবগা ৱাইথৌদা লৈবগসি ৱাইথৌদা লৈবনা মতম খর হেন্না শাংবগুম খৃঃ ১৮৮৬ ফাওবগী মতমদদি তৌরম্মী।

২) কোনুং কাবা তামথরকপা

ৱাইথৌপাৎ, মণিপুর তম্পাক্তা ইম্ফাল কংলৈ / সহর নকপা, উশোয়পোকপী, উত্রাপাৎ (নম্বোল), পোরোম্পাৎ, লমফেলপাৎ, লৈতাংপাৎ, অসিনচিংবগী মনুংদা ঙাফা- ঙাকোন হেনবা, শোয়রেন শোয়ফম য়াম্বগী থোইদোক্লা মমিং চৎপা, মতম অমদা ঙাতোন, পেংবা, ঙাতেননচিংবগী মমিং লৈরম্বা পাৎনি। ইম্ফালদগী নত্রগা মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদগী মতম অদুৱাইদা ঙা তীকপা লাক্লবা ৱাইথৌ শোয়নি। মতম খর নিংথৌগী /মৈদিংঙুগী পাৎ ওইদুনা শোয়শিংবু শঙলি- পানরিবশিংনা মরন্নাইগী নত্তবনা চেকশিনবীদবগী ঙাথোক- ঙাফাদা খর হন্থ- শিথরম্বদু লৈশং যাত্রানা মহাক্লা ঙমজবা খর, মহাক্কী মচা সেবক পরুৱা- শিংনচিংবগী মতেংনা শেমজিন- শাজিন্দঞ্জুনা হোৎনরে অমসুং খর মখৈ ফজনা ঙা ফারে। অসুন্না পাৎসিদা শোয়গী থবক-ঈনখাংশিং খর নোম-লীকপা অসিদা লৈশং যাত্রা, মহাক্লা বরাক লীতান শম্বগী মনা পীবদা লাল্লুপকী থৌদাংসু কোকপীখিবগা মৈতৈ কোনুংদা কাবা, চৎপসি মতম খর লেপ্লুরে। অদুবু খৃঃ ১৮৭৭ কী মতমদা অমুক অনিরক্তংদি কারুই হায়না থাজজে। অদুগা অমরোমদা মহাক্লা হাওবম লৈকায়দা লৈরিঙৈগুম খোঙকাপ অমা কানবদা কোনুং লৈরে / য়ৌরে হায়বদু ওইরবদি খরসু ফগদবনি, ৱাইথৌদা লৈবসিদি মদুসু থোক্ত্রে, লমদম্নগা তামশিল্লে। অদুবু খৃঃ ১৮৭৭ সিগী নবেম্বর থাদা শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি

সিংহ মহারাজনা স্না কোনুংগী লৈমশিং পুদুনা উশোয়পোকপীদা ঙা হাবা লেঙবীরকখিরম্মী। হায়রিবসিগী ঈ- পাউদি ঃ-

...... খাংথ্রাকপা চাওবগী কুম শক ১৭৯৯ ... হিয়াঙ্গৈ থা ..... ২৩ নি য়ুমশকৈশ (খৃঃ ১৮৭৭ কী নবেম্বরগী তারিক ২৮) দা মহারাজনচিংবা য়োঈবু য়োইহৈ, উশোয়পোকপীদা ঙা চাবা কুমএ (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৪৩৬)।

অসিনি। মসিদা মপু নীঙবা মনাই অমা ওইনা লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রা শ্রীযুৎ মহারাজ অমসুং স্না কোনুংগী য়োঈবু (ফমথোনকাবী লৈমশিং), য়োইহৈ (ফমথোন কাদবী লৈমশিং) গী হাননবা ঙা, মহাক্কী ৰাইথৌ শোয়দগী ফাবশিং খর থিল্লুই। শ্রীযুৎ মহারাজনা য়াম্না নুংশিনা তৌবিরকখি। অদুবু কোনুংদা মহাক্কী মবুংঙো লৈ হায়বসি কাউজদ্রগসু কোনুংদা তোয়না কাবদি মহাক্না তৌরুরিবা শীনফমদুনা ঙমজরমদে।

৩) মুক্না শান্নবগী পরীংদা

লাইশঙবম লৈশং যাত্রা ৰাইথৌপাৎ চাবগী মনা অমসুং লাল্লুপ-কাবগী থৌদাং কোকপীবগী থৌজান ফংদুনা ৰাইথৌপাৎকী শোয়নীঙদা ময়ুম শাদুনা য়ুমলীং-কৈরীংদুনা পাল্লকপা মতমসিদা মশাগী চহি কুনতরুক- কুনতরেৎলোম চঙলকপগী চহি মতাংনি। মহাক্না ৰাইথৌগী শোয় ফমদুনা নত্রগা পানদুনা লৈবা মতমসি মহাক পাৎকী শোয়গী ফিভমদা থোইদোক্না য়েংলক্তবগী মতম লাক্লে, মরমদি মহাক্কী ৰাখলদু মতম পুম্বদা মুক্না শান্নবগী ৰাফমদা থম্বগুম তৌই। মহাক্না মহাক্কী শোয়দুদা লাকপা অমসুং শোয়ফমদুগী মনাক্তা ফাওদুনা চৎপা মীওইশিংদা য়েংদুনা লৈবগুম তৌই। অসুম্না লাকপা মীশিংদুগী মরক্তা মুক্না শান্নবা য়াবা, ঙমগদবা নত্রগা ঔরায়মিন্নবা য়াগদবা মীওইশিং য়েংদুনা অয়াম্বা মতমদা লৈরম্মী। হায়রিবা ৰাফমসিদা লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রাসিগী থৌওং- থৌদৌগা লোইনবা থৌদোক- ৰারী ওইনা অখঙ- অহৈ অমনা থম্বীরম্বা ৰারমদি ঃ-

..... শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা দরবার চৎপদা লৈপাক- নিংথৌগী অচৌবা থৌদাং য়াবা মীওইশিংদা শ্রীযুৎনা মনা অমমম পীবিখি। মদুদা লীতান থৌরী শম্বগীদমক লৈশং যাত্রাদা মশা শিদ্রিফাওবা ৰাইথৌ শোয় মনা ওইনা পীবিখি। লৈশং যাত্রানা ৰাইথৌ শোয় ফম্বা মতম অসিদা ৰাইথৌ শোয়গী লম্বীদা

চৎপা মী খুদিংমক খাল্লগা চৎলিবগী মরম হংই। মী কয়াদা মুক্লা শীঙনদুনা মুক্লা শান্নবা হৌই। লৈপাক নিংথৌনা খর চানবা অদুদা য়াম্না থোইচৎ ৱাংচৎনৈ।

মতম অদু খুমন্থেম চাওবা মুক্লা খর খর শান্নজরে। মুক্লা শান্নবা লাইবুঙ খরদা মফি য়োমদুনা মুক্লা কুম্মৌ য়েংজবা, তান চারগনা মুক্লা য়াওবা, অসুম তৌবা মতমনি। লৌ ঈংখোলদসু থৱাই য়াওজবা চাওবনি। মাগী ঈরোই মচা অমা তোময়ান শূই, মদু পাবোৎ শুনীঙদুনা ঈরোই মচা অমতা য়েংগে হায়দুনা উশোয়পোকপী, লিল্লোং তম্না লাকই। লম্বী অচৎ- অওক অসি ৱাইথৌ শোয় লম্বী নত্তনা অতৈ লম্বী অমতা লৈতে। ঈপান থাদা হিনা চৎলি, ঈকং থাদা শোয়নীঙ লম্বীদা চৎলি। মতম অদু ঈকং থানি, খুমন্থেম্বা চাওবনা শোয় লম্বীদা চৎলিঙৈদা লৈশং যাত্রানা কৌশিল্লি, "ঈনাউ কদায়দগীনো, করি লম য়ৌগদবনো?" চাওবনা, "ঈয়াম্বা ঐহাক ঈরোই মচা অমতং য়েংজনীঙদুনা লিল্লোং য়ৌগে তৌবনি।" লৈশংনা, "ঈনাউ নঙবু নথীক নথাসু ফনা উই, মুক্লা তৌব্রা? ঐগা অমুক্তা কোন্নসিদনা?" "ঈয়াম্বা! ঐ মুক্লা থোইনা হৈজদে, লৌ- ঈংখোল শুদুনা লৈজবা মীনি।" "ঈনাউ! ঐ লৈশং যাত্রা হায়বা অদুনি, ঈনাউগী অফবা নশাদু পাম্মুই, তুংদা হৈহৌনবা অদুক কোন্নসি!" হায়দুনা লৈশংগা চাওবগা কোন্নখি।

> *লৈশং যাত্রানা খুমন্থেম চাওববু অহানবা ওইনা মুক্লা থাখিবা*

খোঙফম অদু লৈশংনা মুক্লা থাখ্রে। খুমন্থেম চাওবা নুংঙাইতবা অমগা লোয়ননা ঈরোই লৈবা তোক্লে, থুনা ময়ুমদা হল্লক্লে। য়ুমগী মীশিংদা ফৌ শঙবাই ৪ / ৫ শুহল্লে। চেঙ ওন্থোক্লে। কাংপোৎ অমা শেমদুনা ঈরোই পানশিল্লে। নিংলৈ /নীঙথৈ অমগী মনুংদা চেঙ, চফু-ঈৱান, থুম- মোরোক, থোং- থাকপা য়াবা কয়া হাপ্তুনা থোরক্লে। নোংপোক পাংনা থৌদুনা হৈরোক্কী মমাঙ- চীঙ্গোনগী অৱাং পাংনা লোক্লুং অমদা থৌজিল্লে (খুমন্থেম চাওবা নত্রগা খুমন্থেম্বসি ৱাংজীঙগী লমদিং খুন্দা লৈবা মীনি)। লোক্লুং য়ৌরবদা ঈরোই কাংপোৎ থারে, উখোঙ খর য়াল্লে, ৱা য়াল্লে, ই ফান্দুনা মশা লৈবা য়াবা শঙ অমা শেম্লে। খুমন্থেম চাওবা নুংঙাইখিদবা ৱাখন্না শা- কৈ, লম্লক্কী য়েক্লবা পুন্নমক অকিবগী ৱাংমদা থমখি। শীঙ- উ য়ান্দুনা মৈফম চাওনা শেম্লে, উখোঙ য়ুংদুনা লপ শারে। মশাগী ঈরোই লামচাদু হাত্তোক্লে, ঈরোইদু শেমদুনা মৈফমগী মথক্তা লপতা হাপ্তুনা ফৌরে, তেক্লা চাবা য়াবা, কংনা চাবা য়াবা খন্দুনা ঈরোই শনবুম অদুমা

চাবা হৌবগা লোয়ননা চীঙলাইবক্তা হৌরিবা য়ুম্বীরেন য়াবা উ- ইন অমগা মুক্লা শান্নবা হৌরে। অয়ুক য়াহৌরগা অয়ুক্কী মথৌ লোয়রগা মুক্লা কোন্নে, চাক্কী মতমদা চাক থোংলগা চাই, চাক তোকপগা ঙাইহাক পোত্থারগা অমুক মুক্লা কোন্নে। নুমিদাং ওইরে, চাক চারগা ঙন্না তুম্মী, অয়ুক ঙন্না হৌগত্তুনা অমুক উ- ইনগা মুক্লা কোন্নে। অসুম্না খুমন্থেম চাওবনা লোক্লুংদা লৈরকপসি পুরকপা লোয়গদৌরে, ঈরোই শাবুম অদুমসু লোয়শিল্লক্লে। নুমিৎ কয়ানি লোংখ্রৌ য়েক্তুনা ফুক্লবা হোৎনরকপা নোংমদি ফুকপা ঙমদুনা লোংখ্রৌনা উ- ইন অদু থাদখি। ..... খুমন্থেম চাওবা ময়ুমদা লাক্লে।

মতম খরগী মমাঙদা ৱাইথৌ শোয়দা লৈশং যাত্রানা কোমনা মুক্লা থাখিবা অদু নীঙশিঙদুনা লৈখি। হৌজিক লাইরেম্বী মমাগী থৌজাল ফংলবা অদুদদি লৈশং যাত্রা কোন্ননীঙলে। .... খুমন্থেম চাওবা ..... ৱাইথৌ শোয় তম্না লাক্লে। ৱাইথৌ শোয়নীঙ লম্বীদা লাকপদা মহৌশাগুম লৈশং যাত্রানা কৌশিল্লকই। মহৌশা উখিবা মাগী মুক্লা য়েনশি ওইখিবনা লৈশং যাত্রা খঙই। "ঈনাউ চাওবা! নঙবু মুক্লা খর তমশিল্লুরব্রা, ঙসি অমুক কোন্নবা পামলিব্রা?" - "হোয় ঈয়াম্বা! ননাও খর অখঙ- অহৈদা তমজরুরে, ঈশাগী অপাম্বা শীনফম অমা ওইনা ঔরায়বদি লৈতে, থৌগল ফংজৌ হায়রবসু লাইবক ফবনি, ঔরায়জরুবগী চাংদি অমুক্তং য়েংনীঙই। "ফরে, ফরে, অদুদি নঙসু নফি শেন্নো, ঐসু শেন্নগে", হায়নদুনা অনিমক মফি শেন্নখি। নুমিৎ অদু শোয়দা লৈরম্বা অরাকপা মী ভাবক খর ফল্লে। ৱাইথৌ শোয়মাঙদা অনিদু মফি পীনদুনা কোন্নখ্রে। লৈশং যাত্রাসু খল্লি - নুপা অসি খর তম্মুদুনা ঐবু তমশিল্লক্লবনি। অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না হৈ- শিঙনা চেকশিন্না শান্নে। খুমন্থেম চাওবসু হৈরোক চীঙ্গোন্দা মমা লাইরেম্বীনা পীবিবা সিদ্ধ অদু শান্নদুনা ফিভম শেমদুনা লৈখি। লৈশং যাত্রানা লৌ চঙগদবগী ঈললি, চত্তে, চিংই, লাক্তে, লৌ চঙবা ঙমখিদ্রে। লৈশংগী পুন্সিদা মানা তমজরুবা হৈজবা বিদ্যা লোয়না পুথোক্তুনা হোৎনবদা চঙবা ঙমখিদ্রে। মতম খরগী মমাঙদা মানা থাখিবা মী ওইবনা তোক্লসি হায়রসু ঈকাইরে। লৈশং ঈন্থোক- ঈনশিন, চিংথোক- চিংশিন তৌদুনা খোঙফম অকায়বা য়েংবা চাওবনা তাঞ্জা অমা ফংদুনা লেং হীকথরগা নীঙ ফাদুনা লেং শুপ্লগা ওয়গী নীঙ্গোং লংবদা লৈশং লোংনা লৈবাক্তা তাখি। লৈশংদু পেন্দ্রদুনা, "ঈনাউ অমুক্তংগা কোন্নসি" হায়দুনা কোন্নে।

অকোনবগী মুক্কাদসু চাওবনা ওয়গী লেং শীজিন্নদুনা খুদোং চিংদুনা লৈশংবু মুক্কা থাখি। মমৈদা লৈশং যাত্রা মবুক চমদুনা নিপা অসি করিগুম্বা থৌজাল অমা ফংলবা, ঐনা পাবা গুন্নরোয়দবা নিপানি খনখি (ম: প্রে:, ১৯৯৬, ৪৭-৫১)।

অসিনি। অসুম্না লাইশঙবম লৈশং যাত্রাগী মুক্কাগী পুন্সিদা ৱাইথৌদা শোয় ফমদুনা নত্রগা চাদুনা লৈরিঙৈদা অঙকপা মুক্কাগী থৌদৌ- থৌওংসি থেংনখি।

ককচীঙ কমেংদা লৈশং যাত্রা

ককচীঙ কমেং হায়বসি মমাঙঙৈ মতমগী মণিপুরগী "সুসা কমেং" হায়বা অদুনি। ককচীঙদগী মী খরনা হিংননবগী পুন্সিগী লম্বী থিবদা সুসা কমেংদা চত্তুনা শাইদাংলুরগা যুমদাংবনা কৈনাদুনা সুসা কমেংবু ককচীঙ কমেং হায়না ককচীঙগী মীশিংনা থোঞ্জিনখিবনি। সুসা কমেংগী লমদাংদা থম্বীরম্বদি ঃ-

.........About the year 1250 A.D. a large Chinese force invaded the country (Manipur), and was signally defeated, all who were not killed being made prisoners. These taught the Manipuris silk culture and a number of them were settled at Susa Rameng (Kameng) in the valley, where they have still descendants [S.J.J., 1990, 80].

...... The village of Susa Kameng is said to be inhabited by the descendants of Chinese, who came to Manipur in the reign of Khagemba [T.C.H., 2003, P].

..... The similar village such as Tangjeng, Shugnu, Langathel, Kakching Yairi, Kakching Khunou, Andro, Kameng Kokching, Susa Kameng, Sekmai Awang, Khurukhul, Kaotarusk, Kameng, Chakpa Laimaram, are less endowed with officers, the chief of whom bears the title Khullakpa [ibid, 72].

অসিনচিংবনি। সার জেমস জোনষ্টোন (খৃঃ ১৮৭৬-৮০) গী মতমদা ককচীঙ কামেং নত্রগা কমেং ককচীঙ লৈত্রি, টি:সি: হোডসনগী মতম হায়বদি সার চুরাচান্দ সিংহ (খৃঃ১৮৯১-১৯৪১) গী মতমদা কমেং ককচীঙ লৈরিবসিনি। হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরদা সুসা কমেং, ককচীঙ কমেং, নোংপোক কমেং (লম্লাই

কৈথেলদা তাবা) অমসুং নোংচুপ কামেং (লমদেং অমসুং খামরন খুন অনিগী মরক্তা লৈবা খুন) লৈরি।

"সুসা" হায়বসি সেরি (Sere/Seri) গী লোন্থেনি, মৈতৈনা হায়বনি, চাইনীজগী সেরিস / সেরেজ / সেরেস (Seres) কী মতৌ তমদুনা মসিবু য়ুরোপিয়ান, মরুওইনা বৃটিশশিংনা সিল্ক (Silk) হায়। মণিপুরদা সিল্ক কলচর তৌবশিংগী অহানবা খুন্নি "সুসা কমেং", ককচীঙবু সিল্ক কলচর তৌব্রা, য়োৎ শুংবা অমসুং য়োৎ শাবগী কলচরনি ককচীংনা তৌরম্বদি অমসুং ফাওরম্বদি (খুঃ চ: স:, ১৯৭৫, ৮৬-৮৭)। ককচীঙগী মী খরনা য়োৎ শুংনবা য়োৎচাক- পোৎচাক থিরকপদা খুঙ্গং অসিদা য়ৌরক্তুনা খুন্দারকখিবা ওইরমগনি, - হায়না চেৎনা থাজজৈ। হায়রিবা সুসা কমেং নত্রগা ককচীঙ কমেং খুন অসিদা লাইশঙবমসি লৈশং যাত্রা, মুক্লাগী লমদাং অসিদা য়ৌরকখি। মসি মরমদা থম্বীরম্বদি -

.... অতোপ্পা অমনা কুম অমা ককচীঙ কমেং ইবুধৌ খম্লাংবা হরাউবগী লোয়রকপদা খুঙ্গং অদুগী ওইবা মুক্লা শান্নবদা শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি সনা মীৎয়েং তাখি। মুক্লাগী কুম্মৈ য়েংবদা য়াওবা লাংখোং তৌবা তাংখুল, শিমরে কৌবা অমনা শ্রীযুৎ ঈবুংঙোদা ঐসু মুক্লা শান্নবা অসি য়াওজগে হায়জখি। শ্রীযুৎনা তাকপীখি তাংখুল নিপা নঙ মুক্লা য়াম্না শান্ননীঙবরা হংবীখি। তাংখুন্না শান্নজগে খুন্নবদা শ্রীযুৎনা ঐ চীঙ- তম অনিগী নিংথৌনি, নঙগী মুক্লাগী লম্বা পীগনি হায়না মুক্লা শান্নহনখি। মায়কৈ অদোমদা লৈবা মুক্লা হৈবা যাত্রা কয়া শান্নহনবদা শিমরেনা লোইনা থাখি। শ্রীযুৎসু লম্বা পীগে হায়রুবগী নুংঙাইত্রদুনা শগোল পাউ থাদুনা মণিপুরগী মায়কৈ মায়কৈদগী মনম লৈপাক তাদ্রিবা যাত্রা - কোনুংগী বামোন কলকী, মাইব্যা তামুল যাত্রা, লৈশং যাত্রানচিংবা মায়কৈগী অফাওবা যাত্রা কয়া কৌদুনা শান্নহনবদা তাংখুল শিমরেনা লোয়না থাখ্রে। মমৈথংদা শ্রীযুৎনা মনাই থাদুনা ককচীঙ খুঞ্জাওগী ময়াংলম্বম শেঞ্জাও যাত্রা কৌহল্লদুনা শিমরেগা শেঞ্জাওগা শান্নহনবদা শেঞ্জাও যাত্রানা শিমরেবু মুক্লা থাখি। মদুনা শ্রীযুৎনা পেল্লদুনা শেঞ্জাও যাত্রাবু চীঙ- তম অনিগী অপুনবা যাত্রানি হায়না লাউথোকপীখি (ম:প্রে:, ১৯৯৬, ৪৩- ৪৪)।

অসিশিংসিনি। ব্রারোল অসিদা মাইব্যা তামুক যাত্রা হায়রিবসি মাইব্যা তাম্র সিংহ

যাত্রা হায়গদবা মাল্লি। অদুগা মথক্কী ৱারীসি ককচীঙগী শেঞ্জাও যাত্রাবু ৱাংনা থাঙ্গত্তুনা থম্বগী ৱারীনি, অদুবু চৈথারোল কুম্বাবদা মমিং য়াওদে, লৈতে, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবারগী যাত্রাশিংগী মরক্তসু য়াওদে, মমিং পল্লমদে, খুল্লক ঈরক্তা মখুন্দা পঙহায় হায়নবা যাত্রাগী মখলদু মাল্লি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিসি ককচীঙ খুল্লেনগা য়াম্না নক্না শম্নবা নিংথৌনি, খৃঃ ১৮৮০ দা ৱাকচিঙদা মাঙুব হোঙবদা মৈদিংঙু নিংথৌদা নত্তনা মচা ঈবৈম্মশিং ফাওবা ককচীঙদা কুল্লিবনি (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৪৪৩)। মদুদাময়াংলম্বম শেঞ্জাও যাত্রাগী ৱাফমসি পন্দে।

হাওবম লৈকায়দা তঙ তানা লৈরবা

লৈশং যাত্রা মতম খর খর ৱাইথৌগী শোয়নীঙদা কদামগী য়ুমদা লৈরুরম্মী। অদুবু হায়রিবা মতম অদুৱাইদদি মৈত্রবাক্কী চৎনবীদা কোনুং খনবনা অথোইবা শীনফম অমসুং শীন্থা ওইনা চৎনবা মতমনি অমদি মদুনা মীরক তীনবগী মরুওইবা লম্বীনি। ৱাইথৌদা শোয় ফমদুনা কোনুং কাদনা মতম ফনা শাংনা লৈরকপদা লৈশং যাত্রাগী মপুক্লীঙদা নুংঙাইতবা অমা ফাওরক্লে। মরম অসিনা মহাক মশাগী চহি ৩৫ /৩৬ কী মতম চঙশিল্লকপা খৃঃ ১৮৮৬ কী মতমদদি মহাক্কী ইম্ফালগী হাওবম লৈকায়গী ময়ুমদা তঙ তানা লৈরগে হায়না লেপ্লম্মী। মহাক্ল মহাক্কী য়ুম্বুরেম্বী শৌবামচনুগা তান্নদুনা ৱাইথৌগী পাৎ চাবগী মথৌ তাবা থবক পুম্নমক কদাম শাগৈগী ঈমুংদুদা শিন্নরম্মী। অদুগা মহাক মশানা হাওবম লৈকায়দা লেঙদনা লৈখ্রে, মচা ঈবুংঙোশিং য়োক- কোন্দুনা, অমসুং য়ুমগী থবক- ইনখাংশিং য়েংশিন্দুনা লৈখ্রে।

কুমওনগী পান্থা, থা, নুমিৎ- থাবাননচিংবগী মকোয়না লৈনা কোয়না চৎলি- উঙলি মকোয়শিংনা মালেমসিদা অওন- অহোংবা পুরক্তুনা খৃঃ ১৮৮৬ কী মেগী তারিক ২০, ঈরাই নুমিত্তা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ তাইবং- মাল্লংপান থাদোকখ্রে, মপুগী লৈকোন্দা সনাগী কৈরাক থাদুনা কাখ্রে, মচা ঈবুংঙো অহন সুরচন্দ্র সিংহ(খৃঃ১৮৮৬- ৯০) না নিংথৌগী ফম্বাল কাখ্রে। মতমসিদা লাইশঙবম লৈশং যাত্রা হাওবম লৈকায়দা লৈরে। অদুগা মহাক্কী মবুংঙোগী মচাইবুংঙোশিং, মমা তীন্নবা মরি অমসুং মমা তিন্নদবা মরিনা নাকপাক নাকপাক তানদুনা নিংথৌমচাশিংনা য়েংথিনবগী মৈ চাক্লরিবদু মমিৎনা য়েংদুনা লৈরি। ৱা ঙাংলুবদি য়াদে অদুবু মপুক্লীঙনা অচুম্বগী মায়কৈ অদুদি খঙলম্মী। মরম অসিনা অচুম্বগী মায়কৈ অদোমদা মহাক্কী ৱাখল থল্লম্মী। অকনবনা অকনববু ঈকাই- খুম্নে, অথৌবনা

অথৌববু ভক্তি থম্লে, মীচঙ চঙনৈ। মহারাজ সুরচন্দ্রগী গ্রহমণ্ডলদা রাহু- কেতুনা মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা শনিদেবগী থৌজাল ফংজখ্রে। মহারাজ সুরচন্দ্র ঈচা- মীচা খায়বা, য়োংলৈ- মেল্লে নাইবা, লৈঙাকপগী মহৈ- মশিঙদা লৌশিঙ শোনবা নিংথৌনি। মরম অসিনা মমা তীন্নদবা মনাও ঈবুংঙোশিংনা লান হৌরক্তুনা খৃঃ ১৮৯০ গী সেপ্টেম্বর থাদা নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথখ্রে। তীর্থ চৎকনি হায়দুনা মণিপুর থাদোকখ্রে।

মণিপুর অনৌবা নিংথৌ, অনৌবা লৈঙাক অমসুং অনৌবা শক্তি পায়বা মীওইশিংনা পায়খ্রে। লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রা অনৌবা রাজনীতিগী ঈরাংদু য়াওনিংলক্লে। হান্নদি লমদাংসিদা থোইদোক্না মাঙজিন থারমদবনি। অদুগা মহাক কনাদা করম্বা অঙম- অথৌদা চঙগদবগে, খনগদবগে খল্লক্লে। মতম অমগী থাঙ্গাল জেনরেল লৈবাক্কী থৌদা পুবনি, নিংথৌগী য়াথং ইনবনি, মশানা য়াথং পীবদি তৌরকখিদে। পুম্নমকসিগী খুর্জী পায়রিবা অকন- অথৌবু লুনা চান্না তৌবা, মরীন লীংজেন্দি খাবা মানবা নিংথৌমচা যুবরাজ কোইরেং (টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ) দা চপ চানা চঙজরগে খনখ্রে। মহাক্না খঞ্জবদা যুবরাজ কোইরেং মীনি, রাজনীতিগী কুতনীবু মনুং হুৎনা খঙগন- উগনবা মীওইনি। মতমদুদা লৈরম্বা মী মানবশিংগুম্বা নত্তবা মীওইনি। মহাক মীকিথি শাবসু চীঙ- লেম্না হৈ, মীনুখাঙ শাবসু পুকচেল তিংনা হৈ, নুংশিরবা মপা, নুংশিথোইরবা মপুরোইবা ওইননবগী মতম ফংখিদে। অথোই- অহেন তান্নবা নহা ওইরিবা চহি নিফুগী মখাগী নিংথৌমচা ওইবগী পুন্সিদুদা শীঙনরকপশিংবু নমথেক্লবা হোৎনবদা মহাক য়াম্না শাথিখি, তমথিখি। অদুবু মহাক্কী থম্মোয়গী থুপ্লবা কাচিন্দা মরৈপাক নীঙবগী থম্বাল অমদা মীনুংশিগী লৈনা পাল্লবা, কথোকপগী কুয়োম্না য়োল্লবা বসন্ত বসন্তদা লৈনা হায়দোকপা থম্বাল অমা শাৎলি, হায়না থাজখি। মরম অসিনা লৈশং যাত্রা থীন্থদনা লাক্তুনা যুবরাজ কোইরেংগী দল / খুৎপু অদুদা য়াওরকখিবনি। যুবরাজ কোইরেংনসু লেমহৌ- লৈহৌরিবা লৈশং যাত্রাগী মতীক-মরৌশিঙদুবু তরাম্না ওকখিবনি।

খৃঃ ১৮৯১ গী লান মমাঙদা লৈশং যাত্রা

লৈশং যাত্রা যুবরাজ কোইরেংগীদা লৈখ্রে, অয়াম্বা মতমদা মতমদুগী তম্পাকময়ুম নত্রগা যুবরাজকোন্দদা লৈ। অদুগা মফমদুদা থেংনৈ ব্রামিন্নরকপা মরুপ- মপাংশিং — চোংথামিয়া থাঙহৈবা, পুখ্রনবা তংকো অফিংবা, দসু সরদার

লোনখঙ- শীনহৈবা, নিরঞ্জন সুবেদার খুগ্রি হৈবা, অসিনচিংবা। মখোয়গী মরক্তা লাইশঙবমচা লৈশং মুক্না হৈবা, যাত্রা মুক্না লৌহৈবসু ময়ুম হাওবম লৈকায় থম্লম্লগা মীরক তীল্লরি। খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ থাদা কলকটাদগী টেলিগ্রাম লাকই, মণিপুরদগী কৈজাও অমা থুনা ফারগনি (রা: কু: স:, ১৯৭৩, ৭৭) হায়রকই হায়। লৈপাক লোয়না খঙনদে অতাবা খরদনা খঙনৈ অমসুং খন্নে, কৈপীক্লা কনা? শামুক হঞ্জবা জিলাঙম্বা, কৈয়ায়না কনা? সেনাপতি অঙৌম্বা, কৈজাওনা কনা? মহাক্তো! ময়ামদু চেকশিন্নে, চেকশিন থৌরাং লৌখৎনৈ, অঙাক- অকন শীন্দোক্লে, যুবরাজগী বোডী গার্দনা কনা? লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রা মুক্না হৈবা হায়না মথৌ শিন্নে।

খঙহৌদে, অসামগী চিফ কম্মিস্নার মি: জে: ডব্লিউ: কুইন্টননা বৃটিশকী গুর্খা সিফাই ৪০০ অমসুং মখোয়গী ওফিসারশিং লোইননা কোইরেঙ্গৈদা চহিসিগী মার্চ ২২ দা থুংলখি। লৈশং যাত্রা যুবরাজগা থাদোক- তামথোক্লবা য়াদবা মীশক্লি, মহাক্লা যুবরাজ কোইরেংনা চিফ কম্মিস্নারবু ওক্লবা কোইরেঙ্গৈদা লেঙবগী থৌগন ইনবদা চিফ কম্মিস্নার কুইন্টনবু উই, "শক্তমদু মীরৈহৎ, মীনুখাঙ ওইনা তৌই, পীশুম শুক্লপ তৌনা মীৎয়েং- নায়েং কয়া লুজদে, অফবা তৌথোরক্কদবা মাঞ্জদে"- হায়না খনখি। পুন্না কোইরেঙ্গৈদগী লাকমিন্নরগা কংলাগী ম্নথোঙ নত্রগা নোংচুপথোঙদা থুংবগা মহারাজ উন্নরগা চাক চাবা- চাদবগী ৱাগা থিদে, "পুং ১১ তাবদা দরবার তৌসি" হায়রম্লগা বৃটিশ রেসিদেন্সিদা চঙখি, মৈতৈশিংসু কংলা কোনুংদা চঙনরকখি। লৈশং যাত্রা মখোয়গী লৈফম যুবরাজকোন্দা চঙদুনা লৈখি।

মি: কুইন্টন থারম্বা মার্চ ২২ গী মীটিংদু মথংগী নুমিৎ মার্চ তারিক ২৩ গী অয়ুক পুং ৮ (নিপান) তাবদা য়ৈথোকখ্রে, হায়বা লৈশং যাত্রানা তাই। কুইন টন সাহেবকী মীটিংসি মতা অমা চাগদবা মান্দে, যুবরাজ য়াওদ্রবদি মীটিং তৌরোয় হায়বসি যুবরাজগী মতৌ অসিগা কয়া ওইগদবা মান্দে, অদুবু ঈথৌ লাইরেকপদি য়াদে, অচৌ- অশাং ঙাক্তনি, হায়না লৈশং যাত্রানা খন্দুনা তৌনরিবা অশিঙবা তান্নবগুম্বগী লৌশিংদু য়েংদুনা লৈরি। মার্চ ২৩ গী অয়ুক্কী মীটিং অদুসু তৌখিদ্রে। যুবরাজ য়াওদ্রবদি মীটিং তৌরোয় হায়না অসামগী চিফ কম্মিস্নার মি: কুইন্টন্না হায়বদুদা যুবরাজদি হকচাং ঈদুনা লৈবনিনা মীটিংদু অদুম তোকখ্রে। অদুবু মসিনা

অসুপ চাওবা চিফ কম্মিস্নার অমা লাকপগী ৱারোয়- পোলোয়দি ওইবা য়ারোয়, মখা করিনো অমা নত্রগা খর ৱাৎলমখিগনি হায়না লৈশংনা খঞ্জে। মার্চ তাং ২৩ সিগী নুংথিল নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ খর হেল্লকপদা পোলিটিকেল এজেন্ট (মি: সেন্ট ক্লেয়র গ্রীমউড) কা সাহেব অমা (লেফটেনেন্ট মি: সিম্পসন) গা কংলাদা চঙলক্তুনা নিংথেমকোন লানবন্দা, শ্রীযুৎ মহারাজ উন্নরগা মখোয় মলেসকী ভারত সরকারনা মণিপুরগী নিংথৌ সিংহাসনগী মরমদা পীবা রায় /য়াথংদু শ্রীযুৎতা খঙহল্লম্মী, হায়। য়াথংসিনা হায়রিবদি শ্রীযুৎ কুলচন্দ্রধবজ মহারাজনা মণিপুরগী রাজা / নিংথৌ ওইবদু য়ারে, অদুগা য়াথং অমনা যুবরাজ কোইরেং ওর্ফে টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহবু মণিপুরদগী লৈপাকসিগী মপান লৈপাক, বৃটিশকী লম অমদা পুথোকখিদুনা লৈহনখিবা হায়বসিনি। অদুগা পোলিটিকেল এজেন্টতু শ্রীযুৎ উন্নরবা মতুংদা যুবরাজগী অনাবা হংবসু লাক্কম্মী। মসিদা লৈশং যাত্রাদু তাঞ্জা অমা চারুদুনা পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং অতোপ্পা সাহেবতুগা অনিদুগা যুবরাজগা ৱারী শান্নবদু তারুরে। মদুদা পোলিটিকেল এজেন্টনা ভারত সরকারগী য়াথংদু লাউথোক্লবা অসামগী চিফ কম্মিস্নার মি: কুইন্টন মণিপুরদা লাকপনি। রায় অনিসিদা মহাক মশাগী ৱাফম ওইরিবা রায়দু যুবরাজগী করি মত লৈবগে হায়না হংলম্মী। মদুদা যুবরাজনা লৈপাক- নিংথৌনা লেপ্লবদু মহাক্কীসু অরেপ্পনি, মদু ইন্দুনা তৌবা অসিনি, হায়না খুমখিরম্মী। পোলিটিকেল এজেন্টনা ৱাফমসিদা থোইদোক্লা লুনা খল্লুগনু, মতম খর মপান লৈপাক্তা লৈরুরগা, মরম ওক্লা, থাজবা য়ানা য়াথং ঙাকপগীদমক অমুক হন্না মণিপুরদা হঞ্জিল্লকপা য়াননবা হোৎনসি হায়না যুবরাজবু থেমজিল্লম্মী।

লৈশং যাত্রানা ঙাংনরিবা ৱাফমসিদা অঙকপা অমা লৈখি, মদুদি যুবরাজসিগী মপা ঈবুংঙো লৈখিদ্রবা শ্রীযুৎ মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবার (Meeting in Kachhar district of Assam) লেঙবদা লৈশং যাত্রা মশামক স্না থৌগল ইনখি, দরবারদুদা ভারতকী গোভর্নর জেনরেলদুনা থিবোমৈ (কোহিমা) গী লম মচেৎ অমা নীজখি, শ্রীযুৎনা কোহিমা পুম্বা পীথোকপীখি। অদুগা মখোয় মলেসনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবদা শকখঙবীবা, নত্রগা য়াবীবা হায়রিবসি করিগীনো, মখোয়গী মরুপকী মচাবু মরৈবাক্তুদা লৈহন্নীঙদ্রিবসি মখোয়গী তৌবিমল খঙবগী খুদমলা! মপা ইবুংঙোদা কে:সি:এস:আই: (Knight Commander

of Star of India) গী মীংথোল পীখিবা, শেল খর অমসুং নোংমৈ ১০০ খক পীখিবা অদুনা কোহিমাসি লৈজবনি, নখোয় ঐখোয় করিসু হেনজিন্নদে হায়রিব্রা! অদুগা যুবরাজনা মহাকপু মণিপুরগী মপান্দা পুথোকখিবদু য়াদবা তারবদি করি কমদৌবা তারকপা - হায়না মওল মওল খল্লগা ৱাদি ঙাংথোক্তনা ৱাফমসি যুবরাজগী মরন্নাই ওইবা ৱাফমদা তাদ্রে, লৈবাক নিংথৌ পাল্লিবসিগী ওইবা ৱাফমদা লাকপনা লৈপাক্কী নত্রগা জাতিগী নীঙ- খা তম্বা তৌনীঙ- তৌনীঙবা, হায়নীঙ- হায়নীঙবা, অপাম্বা- অনীঙবা তৌবগী হকশিংদু কন্ননবগী ৱাফমদা জাতিগী ঈজ্জৎ (National respect or prestige) মাঙবা /কনবগী ৱাফমদা লাক্লে। মরম অসিনা "হে, পুক্নীঙ- হকচাং! লাইরেক্নু!" হায়না মতোমতা অচিকপদা মপুক্নীঙ - ৱাখলবু থেমজিনখি অমসুং হকচাং কায়াৎশিংবু মথৌ তৌবদা চেকশিন্নবা হায়খিরম্মী।

তাং ২৪ গী বৃটিশকী লানহৌ- লান্দা

মার্চ২৩ গী নুংথিল হৌখ্রে, নুমিদাংৱাই লোয়খ্রে, নুমিদাং ওইরি, অঙনবগীনা চান- থক্লবা লোয়খ্রে, অথেংবশিংগীনা থোং- থাক্লি,, শেম- শারি। অদুগা নুমিত্তুগী য়াচঙবা মতম অদুৱাইগী পাউনা - অসামগী চিফ কম্মিস্নার হয়েং কোহিমারোমদা হনখ্রগে, পোথাং মী ৪০০ পীয়ু, হায় ; অদুগা মৈতৈগী রাস লীলা য়েংনীঙঙি, বৃটিশ রেসিদেন্সিদা শান্নহল্লো, হায়রকইসু হায়। ঙসাইৱাইদি রাস লীলাগী সঙ্কীর্তনগী মখোল খর খর তারম্মী, হৌজিক্তি তাখিদ্রে, রাস শান্নবগী মখোলসু তাদে, - খন্না খন্না লৈশং যাত্রাদু তোপ গারোৎকী ফমুংদা তুমখুন হুনবগী লাইরেম্বীগী মতম্বাক্তা পোথাখ্রে। অদুবু নোংমৈ কাপ্পগী হৌরবা মখোল অমনা মহাকপু মীকপ খংথোক থোকহনবীরে অমসুং হৌগৎলকপদদি খঙলে, যুবরাজগী যুবরাজকোন দা বৃটিশশিংনা চুমদ্রিংনা লান্দারকপনি।

খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ ২৪ গী নোংঙাল্লমদাই অয়ুক্কী পুং ৪ মি: ১৫ দগী কংলা কোনুংলেনগী অৱাং থংবা মপানগী চেকপন কাদুনা লানশিল্লক্লগা অমসুং খরনা কংলাগী অৱাংথোঙগী থোঙশঙ শন্ত্রীশিংবু খুদুম চনশিল্লগা যুবরাজ ফাননবা লান্দারকখিবনি। অদুদসু নত্তনা নোংচুপ থোঙদসু নোংমৈ কাপ্তুনা লান্দাশিল্লকখি। নোংমৈ মরুশিংনা মহুম- মকোন থুগায়রুবদা পাইথোক্লকপা হয়িংখোইশিংগুম্না পাইরি। য়েক্লবনা খুদোংচাবা হেনখ্রবা, মৈতৈগীদি লাম্মী নত্তবা য়ুমশঙ- কৈশঙবা,

চাকথোং- ফিশুবা, ৱাইশীৎ- লমশীৎপনচিংবদুগী মরক্তা বৃটিশকী গুর্খা সিফাইশিংনা মখোয়গী লানহৈবদু উৎখি। অদুবু পুখ্রনবা তংকোদা থোক্লু বা গুর্খা মচা, নোংমৈ সঙ্গীন হাপ্পা নোংমৈ রাইফল পায়বা অমদি খুৎলাই য়াওদ্রবা তংকোগা শিমিন্নখি। গুর্খা সিফাইশিংনা যুবরাজকোন লৌখ্রে, নোংচুপ থোঙসু অৱাংথোঙদা নত্তনা খুদুম চনশিনখ্রে। বৃটিশশিং অমসুং মখোয়গী গুর্খা সিফাইশিংদুনা যুবরাজবু কন্না থিরি, অদুবু যুবরাজদি তোপ গারোত্তা অহিং য়ারেকপনিনা মখোয়না ফংবা ঙমদ্রে। লৈশং যাত্রানা যুবরাজ কোইরেংবু তোপ গারোত্তা থেংনদুনা থৌখল তৌজখ্রে।

অয়ুক্কী পুং ১০ রোম ৱাইশিল্লক্লবদদি মণিপুরগী অরাপ্পা অমসুং অনকপদা লৈবা মৈতৈগী লাল্লুপকী থৌমীশিং লোয়না থুংলরে, লাল্লুপ লাম্মী (Voluntary militia or Irregular army) সু ফলিন লেপ্লরে, সিফাই লাম্মী (Government infatry or Regular State/Kingdom's Force) সু য়ৌনরক্লে। অদুনা বৃটিশ মচাশিংনা ঈ- পাউ খঙহন্দনা হৌরকপা লালহৌ অমসুং মৈতৈ কোনুং লৌনবা অমদি যুবরাজ ফানবা লান্দারকপগী লানসি থিংননবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হৌজিক্তি লৈশং যাত্রাসু মমিৎ- মমায় পাংলে, মৈতৈগী কংলা ঙাক্লুবা যুবরাজনা লান্থোঙ শিনবদা যুবরাজগী তুংদা লেপ্তুনা থৌগল তৌজরে। অসুম্না অয়ুক নুংথিল চুপ্পদুমা যুবরাজকোন মনাক্তা স্নথোঙদা কাপ্পবদা অমসুং নোংপোক থংবা ভুরেল ৱাংমগী মৈ থারম্বা লৈকায়শিং কনবদা য়াওরে, নিত্যাইপাৎলোমদা মৈতৈনা ফাওজিন দুনা স্নথোঙ মনাক্তা কাপ্পরে, মলেস মচাশিং ৱারক্লে, মখোয়গী নোংমৈ মরু ৱাংলক্লে। নুমিদাংৱাইরম য়ৌখিদুনা য়াচঙলক্কদৌরবদা বৃটিশ মচা ওফিসার ৫ /৬ অমসুং মখোয়গী গুর্খা সিফাইশিং রেসিদেন্সিদা লোয়নমক চেনশিনখ্রে। লম্পাক্তা উপ্পা হীপ্তুনা ফিবম শেমদুনা লৈখ্রে। মৈতৈসু লানওং হোংলে, ঙাকথোক- কনথোকপগী শরুক্তা ওইরম্বদু লান্দাশিন্দুনা তকশিনবা, নমহত্তুনা লাকশিন্নবগী লানওংদা চঙশিল্লক্লে। রেসিদেন্সিদা নোংমৈ মরুগী নোং চুথহল্লে, নোংমৈ টোপকী বমদিয়ারনা লেন তাহন্নবগী থৌরাং শীল্লে। থৌনা ফবশিংগী মরক্তগী খ্বায়দগী হেন্না থৌনা ফরবা লালহৌদুগী লান্দুদা নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপখিদবা মি:জে: দব্লিউ: কুইন্টনদু খাঙবা য়ারক্রে। জীব কৌবনিনা, শিনীঙদবনিনা - "লান লেপ্পসি" হায়দুনা বেঙ্গুন মরোন্না চঙজ- নোঞ্জখ্রে, অদুবু সরেন্দর তৌরেদি হায়নীঙদ্রি। চিঠি মচা অমা ইদুনা, "দরবার তৌসি, তাইশিন্নসি!" হায়জরে।

মৈতৈশিংনা কংলা কোনুংলেনগী মনুংদা মী ৪,০০০ /৫,০০০ রোম তীন্দুনা নিংথৌ- যুবরাজগী ৱারেপ তাগদৌবগী, মখোয়গী মপা- মচা, মচীন- মনাউ, নুপী

অঙাংনচিংবা হাংখিবগী লমন খুম্নবা ৱাকৎকদৌবগী, ময়ুম- মকৈ মৈ থাখিবগী, মশন- মওক মাঙহন- তাকহনবগী অমসুং মরন- মথুম লুট তৌখিবগী ৱা লানখত্তুনা ৱাকৎনবগী ঈ শাগৎনদুনা লৈরিঙৈগী তাঞ্জাদুদা মি: কুইন্টন্দু মশাগী মমং থিবা লাকখিরম্মী অমসুং মহাকখক্তা নত্তনা মি: গ্রীমউড, মি: কোসিন্স, কর্নেল স্কেন, লেফটেনেন্ট সিম্পসন অমসুং বেঙ্গুন খোংবা গুর্খা সিফাই অমগসু শিবগী খোঙচত্তুদা হৌবিরকই, অশিবগী লাই প্লুটো (Pluto) গী মনাক য়ৌনা লৈনুংদা চঙমিন্ননবা পুবীরকই। মি: কুইন্টননা দরবার তৌননবা লাক্লে হায়বসি তাবদা মৈতৈ নিংথৌ অমসুং অঙম- অথৌশিংনা দরবার অদু বঝাইশঙ অমসুং দরবারশঙ অনি পুন্না মথক- মখা ওইবা, তোপ গারোৎকী নোংচুপ, কুচুগীনা নোংপোক্তা লৈবা শঙলেন্দুগী মমাঙদা চৌকি খর থাদুনা ফম্লগা তৌননবা শীল্লম্মী। সাহেবশিংদু কৌশিন্দুনা ফমহল্লে, অদুগা ১) মৈদিংঙু কূলচন্দ্র, ২) যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ, ওর্ফে কোইরেং যুবরাজ, ৩) সেনাপতি অঙৌম্না / ভুবনসিং, ৪) শামুহঞ্জবা জিলাঙম্বা, ৫) জেনরেল কাংঙবা থাঙ্গাল / চিদানন্দ সিংহ, ৬) অঙোম নিংথৌ নোংমাইথেম্বা গিরীধারী, ৭) লুৱাং নিংথৌ, তুলিয়ায়মা মেজর / কর্নেল মৈস্না শামু সিংহ, ৮) অয়াপুরেন চোংথা অঙাং- অতোন (অঙাংতোন / অঙাতোন) ওর্ফে নীলমনি সিংহ, ৯) হাওবম দেৱান, ১০) ফৌরুংবা যাত্রাসিং অসিগা ফম্মিন্নদুনা দরবার হৌরে। মখোয়না ঙাংন- শক্নরিবদু তাগদবগী মী ৪০০ / ৫০০ রোম্না মরু ওইনা কোইরেং যুবরাজগী মীওইশিংনা থৱাই য়াওনা হোৎনরি। মখোয়সিগী মমিং- মথাদি ঃ-

..... নুমিদাংগী পুং ৯ লোম তাশিল্লক্লে, অদুবু দরবার অদুদা য়ানবা মওংগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা লেপ্পবা ঙমখিদ্রে। মপান্দা তিল্লল্লিবা মীয়ামগী মরক্তা মশক নাইবা মীওইশিংদি - ১) মিয়া সিংহ (চোংথামিয়া সিংহ), ২) কালি মুহোদার, ৩) লৈশং যাত্রা, ৪) বোরা চাওবা, ৫) য়ুম্নাম চাওবনচিংবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মীওই কয়ানি [রা: কু:স:, ১৯৭৩, ৩৮, Preliminary Enquiry into the Disaster of Manipur, 1891 দগী quote তৌবা]।

অসিনি। অসুম্না খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ ২৪ গী বৃটিশ ওফিসার মিঃ কুইন্টন্না ফত্তবা শরৌগী খুজীন- থৌরাং তৌদুনা লান লাউথোক্তনা অমসুং পাউ খঙহন্দনা মৈতৈ কোনুংদা লান্দারকপা অদুদা মখোয়গী মহারানীগী মথক্তা মণিপুরনা লানহৌবনি হায়জিনবা, হান্না হাৎলগা কোন্না বিচার তৌবগী মীফত্তগী লালহৌ- লান্দা অসি ঙাকপদা লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রাসু শরুক য়াখি। মীফত্ত' কুইন্টনদু মণিপুরগী আর্মি / মিলিটরি কোর্ট টোপ গারোৎনা স্পিসিয়েল ইমর্জেন্সি সিটিং (Special Emergency sitting) গী জষ্টিস (যুবরাজ / সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ), কোর্টকী কনভেনর (অয়াপুরেন মেজর, চোংথা অঙাং অতোন ওর্ফে নীলমনি সিংহ) অমসুং কোর্টসিগী

অতোপ্পা জুরীগী মেম্বর নত্রগা জুরোর (জেনরেল থাঙ্গাল নত্রগা কাংঙবা চিদান্দ সিংহ)না ফমদুনা মণিপুরগী নিংথৌগী মথক্তা লালহৌদুনা লান্দাবা, লান্দাননবা কর্নেল স্কেন, মি: গ্রীমউডনচিংবদা ইনশিনবা, ধর্ম্মগী চৎনবী থুগায়বা, নুপী- অঙাং হাৎনহনবা, লৈকায় অহুম তুন্না মৈ থাবা অমসুং মণিপুর রাজ্যগী রোয়াল ফোটোগ্রাফর (Royal Photographer of Manipuri Kingdom) দসু সর্দারবু হাৎপদা হাৎহন্নবা ইনশিনবা, হায়রিবা মরালশিংসি অমসুং কর্নেল স্কেন, লেফটেনেন্ট সিম্পসন, মি: গ্রীমউড অমসুং মি: কোসিন্সপু - লান্দা- লানহৌবা, মীহাৎপা অমসুং মী হাৎনবা ঈনশিনবগী মরান্দা মঙক তুপত্রিবা ফাওবা থাঙনা কক্তুনা হাৎনবা ৱায়েল পরীংগী ৱারেপ তাদুনা বিচারগী রায় (Judgement) পীরগা খুদক্তা হাৎননবগী য়াথং পীদুনা মণিপুরগী কংলা উত্রা মমাঙগী নোংশা (কংলাশা) অনিগী মমাঙদা লফুদা শদন থারগা কক্তুনা মার্চ ২৪ সিগী অহিং নোংয়াইৰাইদা হাৎখি (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৪৮৫- ৮৬)।

মণিপুর' নীঙতম লান্দা লৈশং যাত্রা

খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ ২৫ গী অয়ুক্তা মণিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোক্লগা মণিপুরদা লৈরম্বা বৃটিশকী সিফাইশিং, বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্সীগী মীওইশিং ফাগৎখি অমসুং ফাননবা থবক লৌখৎখিরম্মী।হায়রিবা লাল্লক অসিদা লৈশং যাত্রা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগী বোডী গার্ডশিংগী মরক্তগী অমা ওইনা যুবরাজনা লেঙবা চৎপা খুদিংমক্তা যৌগল ইল্লম্মী, মী- উন্নবা, ৱা খন্নবা, দরবার ফম্বা- তৌবনচিংবা পুন্নমক্তা য়াওরম্মী অমসুং যুবরাজনা লৈবা মফম পুন্নমক্তা লৈরম্মী, চৎলম্মী। অমরোমদা বৃটিশ ভারতনসু মণিপুরগী মথক্তা লান তৌরে হায়না চহিসিগী মার্চ থাসিগী তারিক ৩১ দা লাউথোক্তুনা (ডা:ল:চ:, ১৯৭০, ১৭১) মণিপুরগী মায়কৈ অহুম- শিলচরদগী শিলচর কোলম, অৰাংগী কোহিমাদগী কোহিমা কোলম অমসুং মৈরমগী তম্মুদগী তম্মু কোলম কৌবা বৃটিশকী লান্মী মপৈ অহুম লাল্লম অহুম ওইনা থাজিল্লকখি। লাল্লমশিংসি শিলচরদগী, কোহিমাদগী অমসুং তম্মুদগী চহিসিগী এপ্রিল ৫, ২১ অমসুং ২৩ দগী খোঙহৌরক্তুনা মণিপুরদা লান্দানবা চঙশিন্নরকখি (N.K.S. 1983.....)। অদুবু মৈরমগী লাল্লমসিদি মমাঙগী মতমদা লংথবান্দা লৈরম্বা বৃটিশ লান্মীগী হেডক্বার্টরসদগী চেনখিবা ৪৩শুবা গুর্খারাইফলস, বেঙ্গল ইনফেন্ট্রীগী জমান্দার বীরবল নগরকাতিনা লুচিংবা সিফাই ৩৫ না তম্মুদা মার্চ ২৪ দা লোন্না অহিংদগী চেনখ্রগা থাসিগী ২৭ তা তম্মুগী বৃটিশ কেম্পতা লেফটেনেন্ট সি:জে: দব্লিউ: গ্রান্ট, ১২শুবা বর্মা / মদ্রাজ ইনফেন্ট্রিদা, মণিপুরনা লান হৌদুনা অসামগী চিফ কম্মিস্নারনচিংবা বৃটিশ ওফিসারশিং ফাজিনখ্রে, হায়না রিপোর্ট তৌরুবদগী হায়রিবা গ্রান্টসিনা মহাক্কী সিফাই ৫০ গা চেল্লক্লিবশিংদগী সিফাই ৩০ গা লোইনদুনা লাক্লগা থৌবাল অথোকপমদা মার্চ ৩১ দা য়ৌরক্তুনা মৈতৈগা কাপ্পবা হৌখ্রবনি।

খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৫ ফাওবদা শোক্লখিবা মনীঙ- মখা তন্না মণিপুরগী নীঙতম লাঞ্জাও, এঙ্গ্লো মণিপুরী ৱার অসিদা মশানা লাঞ্জাওসিগী মরম, মরু অমসুং লাঞ্জিংলেন- পুরেন (Over all Commander/Marshal) দি ওইরগা মশা চোংথোক্লুনা লান শোক্লবা ফংহনবীখিদ্রবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা কংলা কোনুংগী মনুংদা নৈশিন্দুনা লৈবা মতমসিদা লৈশং যাত্রানা মহাক্কী বোডী গার্ড অমা ওইরুবনিনা মবুংঙোনা লান শোক্লবা ফংখিদবগুম্না মহাকসু লান শোক্লবা ফংখিদে, লাম্মী ওইনা লান চৎপা ফংখিদে। অদুগা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা মৈতৈ নীঙতম লান অসি মায়থীরবদা মীরৈপাক্কী মতেং লৌননবা চাইনা (China) দা চৎননবগী থৌরাংদা চশাৎ খোংজাই (থাদৌ হাওকিপ) খুন্দা চহিসিগী এপ্রিল থাসিগী তারিক ২৮ দগী ৩০ ফাওবদগী মে থাগী তাং ১৮ / ১৯ ফাওবা অন্দরগ্রাউন্দদা লৈবগী মতমসিদা লৈশং যাত্রাদি যুবরাজগা লোইনবগী শউম ফংদে। মসি এপ্রিল থাসিগী ২৬ তা লৈপাক্কী অঙম- অথৌ ময়াম্না মৈদিংঙু নিংথৌ, যুবরাজনচিংবগা কায়নবা মখোয়গী নুপী লৈমশিং, মচাঙ্গীবুংঙোশিং, মনাই- মশলশিংনচিংবা থাদোকপীরম্বা অমসুং মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী শঙ পানবা পুম্নমক্কী লোইশঙ মচাশিং মাগী মাগী মশঙ থাদোক্ল বগী তাঞ্জাসিদা লৈশং যাত্রাসু যুবরাজনা থাদোকপীরম্বা অমসুং যুবরাজগা কায়নরম্বা য়াই। হায়রিবা ময়াম কায়নবগী ৱাফমসিদি ঃ-

..... অহোঙশাংবম দুহোবক্কী কুম শক ১৯১৩... শজিবু থা ১৭ নি লংমাইচিং (খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৬) দা .... নোংঙানবা মতুং পুং ৪ (অয়ুক পুং ৬ মখায়, I.S.T.) তাবদা ব্রাহ্মন- বৈষ্ণব পুম্নমা দান দক্ষিনা তৌরম্মে। অদুগা ঈবেম্মশিং পুম্নমা মপোৎ- মচৈ লোইনদুনা ঙম্না কুম্নখ্রে। .... নুংথিন্দা মশঙ মশঙদা খুৎশু- খুৎলাই পুম্নমা কৎলমএ। নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ৬ (I.S.T. দা পুং ২ মি: ১৫) তা লৈপাক মীয়াম হাইদোক্লকএ। মাগী- মাগী মশঙবু নুংশিবনা কপ্পা কপ্পা থোক্লকএ (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৪৯৪)।

অসিনি। অসুম্না হায়রিবা নুমিৎসিগী থৌদৌসিদা লৈশং যাত্রা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগা কায়নরম্বা য়াই।হায়রিবা মতমসিদা লৈশং যাত্রাসি মশাগী চহি ৪১ (নিফুমাথোই) দমক শুরিবা মতমনি।

খৃঃ ১৮৯১ গী লান মতুংদা

লৈশং যাত্রানা খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৬ তা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগা কায়নরবা মতুংসিদা মহাক থীন্থদনা মহাক্কী মরৈকায় হাওবম লৈকায়গী ময়ুমদা লাক্লমগনি। হৌজিক লান মায়থিরবনিনা লান ঙম্লবশিংনা মায়থীরবশিংগী মথক্তা তৌরক্কদবা থবকশিং অদুদা মশাগী শাফনবগী লমদাংদা করি তৌগদবগে হায়বদু মহাক্কী মচীন- মনাউ,

শাগৈ- নাতৈ অমসুং লৈকায়গী অহন- লমন, অখঙ- অহৈনচিংবগা তান- তীক্লবা হৌরম্লগনি। মরমদি মহাক্লা বৃটিশ অমসুং মৈতৈগী লাঞ্জাওদুদা মৈতৈ/মণিপুরগী মীচঙ ওইনা, লেপ্তুনা থৌগল তৌরুরিবা মীশক অদু বৃটিশশিংনা মণিপুরসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিদবা, য়েক্লবদা খ্বাইদগী হেন্না য়েংনীঙখিদ্রবা য়েক্লবা ওইখিবা মীশক্নি। মরম অসিনা বৃটিশশিংনা মহাক (লৈশং যাত্রা) কী মফমদসু খর শাথিবা থবকশিং পায়কৎলকপা য়াই হায়না মহাক্লা খল্লম্মী। অদুবু অমরোমদা মজাতিগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌবনি হায়না লৌরবদি থোইদোক্লা অহকপা চৈরাক পীফম থোক্তে হায়বসিমসু খল্লম্মী।

এপ্রিল ২৭ নিংথৌকাবা নুমিৎসিদা শিলচর কোলমগী মীওইশিংনা কংলা কোনুং চঙখ্রে অমসুং কংলাদা বৃটিশকী য়ুনিয়ন জেক কৌবা ফিরান য়ুংদুনা লানঙম্বগী অমসুং লোইচনবগী মশক তাকখ্রে। এপ্রিলগী তারিক ৩০ য়ৌরকপদদি মায়কৈ অহুমগী লাম্মীশিংগী লুচিংবশিং কংলা কোনুংদা লোয়না থুংখ্রে অমসুং লান্দুদা মৈতৈগী মীচঙদা অমসুং মায়কৈদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মরমদা থিগৎপা হৌখ্রে। লান য়াওরুবা, লানফম শরুক য়ারুবা অমসুং নিংথৌ- য়ুবরাজগী থৌগল- লাংগন ওইরুবা মীওই কয়া লোন্না অমসুং ফোংনা মে থাগী অহানবা চয়োল দগী বৃটিশ লাম্মীগী লুচিংবশিংদা চঙজনবা, সরেন্দর তৌনবা হৌরকখ্রে। মরাল লৈবশিং মরানগী হকপা নত্রগা য়াংবগী মতুং ইন্না খর মখৈ ওৎ- নৈরবসু থাদোক- কোকথোকপীরকপসু য়াওনরে। লৈশং যাত্রাসু মহাক্কী লাইশঙবম শাগৈগী অহল- লম্মনশিংনা তাকপীবা মতুং ইন্না বৃটিশ ওফিসারশিংদা চঙদুনা বৃটিশকী প্রজা অমা ওইনা হিংজগে হায়জবদা চানবীরক্লদুনা জুন- জুলাই থাদগীদি ময়ুম হাওবম লৈকায়দা পুক্লীঙ লৈতোনা পানবা ঙমখ্রে। অদুগা মহাক্লা খৃঃ ১৮৯১ গী মৈতৈ নীংতম লানগী মমাঙ অমসুং লান মনুংগী মতমদা তৌখিবশিংদু মীচম প্রজা অমনা তৌখিবা থবকশিং অমসুং মীমাঙথোক্লা মাঙজীন থানা থোইদোক-হেন্দোক্লা শীঙথানীঙঙাই ওইবা থবকশিং পাঙথোকখিদবা অমসুং শরুক য়াখিদবনিনা কন্নানসু মহাক্কী মরমদা অফ- ফত্ত পুথোক্লরকখিদে। অদুনা বৃটিশশিংগী মমিৎকী মিৎ নহাদা লৈশং যাত্রাগী মমি তাখিদে। মরম অসিনা খৃঃ ১৮৯১ গী এঙ্গ্লো-মণিপুরী ৱারগী বৃটিশ রেকোর্দতা মহাক্কী মমিং থোইনা হকচীন্না য়াওদে, অমুক্তং পনবা নত্তনা অতৈ থেংনদে।

ওয়নাম থিংঙেন্দা য়ুমহোং- কৈহোংলকপা

খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল থাগী মতুংগী মতমদা চহিসিগী মণিপুর নীঙতম লানগী মায়থরীবশিংবু মায় পাক্লবা বৃটিশ সিফাইশিংনা, “মৈতৈবু অমসুং মণিপুরবু মখোয়গী মহারানীগী মায়োক্তা লালহৌবা” হায়না বদনাম পীশিন্দুনা হাৎপা- তুপ্পা য়াওনা দণ্ডি পীবা, অফবা শাদুনা অনৌবা নিংথৌ হাপ্পা অমসুং মণিপুরদা বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক লীংখৎনবগী লৈঙাক্লোনগী ফিবম শেম্বা, অসিনচিংবা তৌদুনা হৌখিরম্মী। লৈশং

যাত্রা মতমসিদা বৃটিশকী প্রজা অমা ওইনা হাওবম লৈকায়দা পানবা হৌরক্লম্মী। খৃঃ ১৮৯১ অমসুং ১৮৯২ গী মতমসিদা বৃটিশশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী থবকশিং পায়খৎপদা মরু ওইবা ওইনা য়াম্না শীজিন্নরিবা মীওইশিংসি বাঙ্গালী মচাশিংসিনি। মখোয়গী মনুংদা য়াম্না মরু ওইরিবা মীশকসি হাননন়া মনীঙ তম্বা মৈত্রবাক মণিপুরগী মৈদিংঙু কুলচন্দ্র ধবজগী কেরানী ওইরম্বা বামাচরন মুখর্জ্জী অসিনি। মরম অসিনা মথক অমসুং অতৈ বাঙ্গালী মচাশিংসি বৃটিশকী লৈঙাকপা ওফিসারশিংগা খোঙনা খুৎনা লাম্বা ফংবা মফমদা লৈহনবগী মথৌ তারম্মী। হায়রিবসিগী থৌরাং য়াম্না থুনা লৌখৎলক্লম্মী অমসুং মখোয় বাঙ্গালীশিংবু হাওবম লৈকায়গী লমদমদা লৈহন্নবগীদমক্তা সরকারগী য়াথং থোক্তুনা শেম- শারক্লম্মী। হায়জরিবসিগী সাক্ষী- প্রমানদি ঃ-

.... সেকমাই লিলাসিংগী কুম শক ১৮১৪ ... হিয়াঙ্গৈ থা থাঙজ (খৃঃ ১৮৯২ গী ওক্তোবরগী তারিক ২২) না হনএ। অদু নুমিত্তা বামাচরন বাবুনচিংবা বাবু পুন্নমা হাওবম লৈকায়দা লৈএ (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৫১১)।

অসিনি। অদুগা মসিদসু নত্তনা মতমদুদা লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইশঙ লৈবা মফম (হৌজিক্কী ফার্ষ্ট এম.আর.গী কম্পাগু) দা পুলিশকী লেন (পুলিস লেন) শাই (মথক্কীসিদা, ৫১০, ৫১১) অমসুং পুলিস ওইনবা খনগৎলবশিংবু হায়রিবা লেন অসিদা লৈহল্লম্মী। মরম অসিনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা লৈরম্বা মৈতৈশিংগী লৈকায়শিং হাওবম লৈকায়, হিজম লৈকায়, তেল্লোং লৈকায়, হৈস্নাম লৈকায়নচিংবদগী তাম্থোক্লম্মী। অদুগা হায়রিবা হাওবম লৈকায়গী- পন্দোন (হৌজিক্কী চিফ মিনিষ্টরগী বাঙ্গালা লৈরিবা মফম) অসিদা চহি খরগী মতুংদা এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্ট (Assistant Political Agent) কী বাঙ্গালা শাননবা [L.I.S., 1987, 2,- বাঙ্গালা অসি কোন্না অহানবা নুপী লান (খৃঃ ১৯০৪-০৫) গী মতুংদা শাবনি, অদুবু অহানবা নুপীলানগী ওইনা পীরম্লে] গী থৌরাং লাক্কদৌরিবা মফমনি। হায়রিবা বামাচরন বাবুনচিংবা বাবুশিংবু হাওবম লৈকায়দা লৈবা / লৈহনবা হৌরকখিবসিদগী মফম অসি বাবুপাড়া / বাবুপারা হায়না মিংথোন্দুনা শেমগৎলকখিবনি।

হাওবম লৈকায়দা বাবুশিং লৈহন্নবা হাওবম লৈকায়, তেলোং লৈকায়, হৈস্নাম লৈকায় অমসুং হিজম লৈকায়নচিংবা লাইয়িংথৌ সনামহীগী লৈফমদা পুলিশকী লেন শাননবা মৈতৈশিং তাম্থোকপসিদগী হাওবম লৈকায়দা লৈরম্বা লাইশঙবম লৈশং যাত্রা অমসুং মহাক্কী ঈমুং মনুংগী মীওইশিংনা অনৌবা খুন্দা- লৈতাফম থিরকপদা মখোয়গী খুদোং চাগদবা য়েংদুনা শীঙজমৈ ওয়নাম থিংঙেনগী লমদমদা মফম অমা ফংদুনা লৈকায়দুদা খুন্দাখি। মখোয়না ওয়নাম থিংঙেন্দা খুন্দাখিবসি খৃঃ ১৮৯২ গী ওক্তোবর (থাগী তারিক ২২ গী মতুং) দগীনি। হায়রিবা মতমসিদদি মণিপুরগী মনীঙ- মখা

তম্বা রাজ্য লৈখিদ্রবনি। মরম অসিনা লৈশং যাত্রাগী মফমদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজনা খৃঃ ১৮৭৪ গী জিলা দরবারগী কছাড়দা লেঙবদা বরাক তুরেনগী লীতান- থোং তৎলমদুনা লানবা য়াদ্রবদা চহিসিগী আগষ্ট তারিক ৫ দা লীতান থোংগী মরী শমদুনা লৈপাক মীয়াম লানহনখিবগী মৈতৈ নিংথৌনা খৃঃ ১৮৭৬ তা পীবীবা ৱইথৌপাৎ চাবগী (ৱাইথৌ পাত্তা শোয় ফম্বা নত্রগা চাবগী) মনা অদুসু বৃটিশ সরকারনা মৎখ্রে /লৌখ্রে। অদুবু মদুদা মহাক করিসু নুংঙাইতবা তৌখিদে, মরমদি অওনবা হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বীনা পুরকপা মতমগী খুদোন্নি। অদুনা শূ- নোমদুনা হিংননবগী লান মায়োক য়ানবা হোৎনরি।

লৈশং যাত্রাগী লাইশঙ - মাণ্ডব

লৈশং যাত্রা ঈশ্বরবু থাজজবা, লাইবু কিনা- লুনা চৎচবা মীনি। অদুগা মহাক্না চৎচখিবা ধর্ম্ম / লাইনীঙনা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ব্রহ্ম নত্রগা মাধবচার্য্য / মাধবী সম্পদায়নি। ধর্ম্ম অসি খৃঃ ১৭৬৮ গী অদুৱাইদগী মণিপুরদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ, (খৃঃ ১৭৫৯- ৬২ অমসুং খৃঃ ১৭৬৩- ৯৮) না মপান থাবীরম্বনি। লৈশং যাত্রানা হাওবম লৈকায়দগী ওয়নাম থিংঙেন্দা খৃঃ ১৮৯২ গী অদুৱাইদা য়ুম হোংলকপগী অহানবা তাঙ্কক্তা খর মখৈ অৱাবা মায়োক্লরবসু খৃঃ ১৮৯৫ গী মতম য়ৌরকপদদি খর শাফরে। মতমসিদা মহাক্না ময়ুমদা মরন্নাইগী ওইনা লাৎচনবা "রাধামাধব" হায়না মিংথোঞ্জবা রাধা অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী দেব- মূর্ত্তিশিং লীংখত্নুনা মশাগী ঈঙ্খোলদা লাইশঙ মাণ্ডব শাদুনা লাৎচখি। হায়রিবা দেব মূর্ত্তিশিং অমসুং লাইশঙ- মাণ্ডব অদু হৌজিক হৌজিকমক (খৃঃ ২০১৩) ওয়নাম থিংঙেনগী মহাক্কী ঈংখোল লীংলম্বা মফমদুদা লৈরি।

পুন্সিগী অরোয়বা য়াহীপ্তা

লৈশং যাত্রা মপাঙ্গবুংঙো লাইশঙবম চাওতোন অমসুং মমা ঈবেম্মা হৈস্নাম নিংঙোন খুনুবীনা মৈত্রবাক মণিপুরগী নহারুপ পানাগী লৈকোক ইম্ফাল কংলৈগী য়াইস্কুল লৈকায়গী হাওবম লৈকায়দা পোকখিবনি, চাওরকখিবনি অমসুং খৃঃ ১৮৯২ দা য়াইস্কুল লৈকায়সিগী ওয়নাম থিংঙেন্দা য়ুম হোংদুনা লৈকায়দুদা পানখিবনি। মহাক্না খৃঃ ১৮৭৪ দা লৈপাক্কী মশক নাইবা থবক, ঈহৌরকপা বরাক তুরেনগী মথক্তা শাবা লীতান থোং মরী তৎলববু শমদুনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ অমসুং মহাক্না জিলা দরবার লেঙবগী খোঙলোই-খোঙবুশিংবু লানহন্দুনা জিলা দরবার পাংথোকহনখিবা অকন- অথৌগী লমদাংদা মণিপুর ইতিহাসতা মশক নাইরবা মীশক অমনি।

মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সিদা শৌবামচনুগা খোঙলোইনখি। মহাক্কী মায় পাক্লবা

য়ুম্বানবগী পুন্সিদুনা মচা ঈবুংঙো মরি - (১) ইবোহল, (২) য়াইমবী, (৩) গৌরমনি অমসুং (৪) গৌরবিধু অমদি মচা নিংঙোন অনি - ১) অঙৌবী অমসুং ২) তমুবী পীনবীখি। হায়রিবা মচা ঈবুঙো মরি অসিদগী চাদা- নাউদারকপা চারোন- শূরোনশিংনা ঙসি ওয়নাম থিংঙেনগী লমদমসিদা মহাক্কী ময়ুম- ঈংখোল লীংলম্বা মফম, মহাক্কী লাইশঙ মাগুব লৈরিবগী অকোয়বদা খুন্দা- লৈতাদুনা লৈরি (মহাক্কী চারোন- শূরোনগী পরীংদি হাপচিল্লকপগী শরুক্তা য়েংবীয়ু)। লাইশঙবম লৈশং যাত্রানা খৃঃ ১৮৯১ গী লান মতুংদা বৃটিশ সরকারদা সরেন্দর তৌরবা মতুংদা মৈদিংঙু চুরাচান্দ সিংহ মহারাজ (খৃঃ ১৮৯১- ১৯৪১) গী কোনুং খুরাই পনখা, অয়া পুরেন চোংথানা লৈরম্বা মফমদা শেমদুনা (চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫, ৫০৫) খৃঃ ১৮৯২ গী জানুৱারী তারিক ২০ য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী লৈরবা, খোংমন্দগী শ্রীগোবিন্দ লেঙখত্তুনা মফমদুদা ঙাল্লবা অমসুং শ্রীগোবিন্দজীগী শঙ পুন্নমক লীংখৎলবা মতমদা সনা কোনুংসিদা কারম্বা য়াবগী থাজবা লৈ, মরমদি মহাক্কী নোঙ্গাবগী পোৎলোয়বদা কোনুংদগী কৈরেন- কৈজাও (কাইরেন- কাইজাও), বেন পার্টিনচিংবা থাবীরকখি, শ্রাদ্ধ কর্ম্মদসু কোনুংদগী ব্রাহ্মননচিংবসু থাবীরকখি। অদুগা হায়রিবা শ্রীযুৎ চুরাচান্দকী কোনুংসি ৱাংখৈ পন্দোন (অনৌবা কোনুং) দা হোংলক্লবা, শ্রীগোবিন্দজীগী বিজয়া গারোৎনা মপান ফনা লৈরক্লবা মতম খৃঃ ১৯১০ গী অদুৱাইদা হায়রিবা গারোৎ অসি কাদুনা শ্রীগোবিন্দজিগী থৌগল তৌরম্মী অমসুং হায়রিবা গারোৎসিগী মেঞ্জোর / মেজর ফম ফাওবা ওইরম্মী, হায়না থাজজে।

লৈশং যাত্রা পুন্সি নোংশাংনা মচা ঈবুংঙো অমসুং মচা ঈবেম্মশিং কোন্দুনা মশাগী চহি ৬৯ (হুম্ফুমাপন) ফাওবা ওয়নাম থিংঙেনগী লমদমসিদা পাল্লমখি। মহাক তাইবং মপুনা পীরকপা শীন্থা লোয়দুনা চাইরেন তাইবোংগী কুম শক ১৮৪২ গী ঈঙেন (অহানবা) গী ১০ নি পানবা থাঙজা কাংলেন নুমিৎ (খৃঃ ১৯২০ গী জুন থাগী তারিক ২৬) তা মহাক্না সেবা তৌজরকপা মমা লৈপাক মণিপুরগী উফুল্লক্তা মহাক্কী হকচাং তীনখিরম্মী।

মহাক্না তাইবং মপুগী লৈকোন্দা তীনখিবগী পাউ অসি মতমদুগী মণিপুরগী সনা কোনুংদা হঙ্গৎলুবদা মৈদিংঙুনা লৈশং যাত্রা মহাক্না তৌজখিবা থবক্কী মহৈ ওইনা কৈরেন- কৈজাও থাবীরক্তুনা মহাক্কী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংদু সংস্কার তৌননবগীদমক্তা কৈরেন- কৈজাওদুদা হাপ্তুনা পুথোকখি। মচা ঈবুংঙো মরিনা মৈ কোয়দুনা মহাক্কী হকচাং লোয়শিনখি অমসুং মহাক্কী শ্রাদ্ধ / সোরাৎসু মচা ঈবুংঙো মরিনা সেবা তৌজদুনা মহাক্কী আত্মাবু স্বগগী পন্থোঙ য়ৌনা থিনগৎখি। অসুম্না লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রাগী মুর্ত্তি মালেম তাইবংপান্দগী মুৎখি।

ৱাখোম - ৱারোয়

মণিপুর ইতিহাসকী খৃঃ ১৮৭৪ গী তাঙ্কক্তা, চহিসিগী আগষ্ট তারিক ৫ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈপাক- নিংথৌগী থাদোকফদ্রবা থৌগায় শরুক য়াদুনা থৱাইনা পোন্থা থারগা খ্বাই মীয়াম্না কিনরবা ঈহৌরকপা খ্বাই /বরাক তুরেনগী ঈপাকপু ঈরোইদুনা লাল্লগা অকন- অথৌগী থবক অমা পাঙথোকখিবা মৈতৈ মুক্না খোয়দাজবা লাইশঙবমচা লৈশং যাত্রাগী পুন্সি- ৱারীগী মরমদা ৱারম অফংবা খরদং থম্জখিবা ৱাফম অসিনা হৌজিক্কী মতমগী সমাজ অসিদা পীরিবা ঈ- পাউ নত্রগা পাউতাক্তি ঃ-

১) পোল্লকপা নুমিত্তগী শিননবগী লমন তোন্দুনা লৈরবা মীওইবগী পুন্সিদা লানগী নোংমৈ গুলী মরক্তা চঙলবসু শিরক্তবা, ফম্মুংদা হীপ্পুনা লৈরবসু য়েক্লবা নত্রগা য়েংথীনবা অনিনা হাৎননবা নোংমৈ কাপ্লবদগী হায়দোক্লকপা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিনবনি, অদুনা থবক পাঙথোক্লবা হোৎনবদা শিবা নাবগী ৱাখল হান্না খল্লোয়দবনি।

২) লৈপাক্কী ফননবা তৌবদা থৱাই লাম্থোকউ, পৈশানা নতুং ইন্নজরক্কনি, লৈশং যাত্রানা ৱাইথৌ শোয় চাবা হায়বদু অসিনি।

৩) মতম চুপ্পদা মায় পাক্তুনদা লৈগদবা নত্তে, মায়থীবসু য়াওরক্কনি, মায় পাকপা অমসুং মায়থীবা নত্রগা মায়থীবা অমসুং মায়পাকপা হায়বা অনিসি শেন ময়েক অমখক্তগী ওন্ন- তৈনবা মমায়শিংনি হায়বদু লৈশং যাত্রা অমসুং খুমম্থেবা চাওবা (যাত্রা) না উৎলিবা শক্তমশিংদুনি, অদুবু লৈশং যাত্রানা খুমম্থেম্বা চাওবগী পুন্সিগী মায় পাকপা পীরিবদু লৈশং যাত্রাগী খ্বায়দগী চাওবা মায় পাকপনি। মসিনা খুমম্থেম চাওবনা মায় পাক্লবা পুন্সি অমা ফংখিবদুদগী হেল্লি।

৪) হোৎনবনা লৌশিঙ, পাঙ্গলনচিংবা মপুং ফাহল্লি, হায়বসি খুমম্থেম চাওবনা উৎলবসু মদু লৈশং যাত্রা মহাকপু মুক্না থারমদ্রবদি চাওবনা হোৎনবা অমসুং শাজেন তৌবগী থৌরাংশিংদু লৌখৎলমগদ্রা?

অসিনচিংবনি। অদুগা লৈশং যাত্রাসি মহাক্কী হোৎনবগী মখা পোন্দুনা মহাক মশাগী থাক অদু ফংখিবনি। অদুনা তাইবং মপুনা মহাক্কী আত্মাবু শান্তি পীনবীসনু।

মরী-মখোঙ উৎচবা

(ক) মৈতৈলোনগী অফোঙবা লাইরিকশিং

১। চৈথা:কুম:, ২০০৫ - লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫),

২। নো:আ:১৯৯৭ - নোদিয়াচান্দ অমাইবা: ৱাখুন পোমিৎ (ইম্ফাল -১৯৭৭)

৩। মা:প্রে: /প্র:, ১৯৯৬- মোইরাংথেম প্রেমানন্দ : মৈত্রবাক্কী মুক্না (ককচীঙ - ১৯৯৬)

৪। ও:ভ:, ২০০১ - ওয়নাম ভোগেশ্বর : চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা (ইম্ফাল-২০০১)

৫। নি:খ:চ:, ১৯৮৭ - নিং: খেলচন্দ্র সিংহ: ফমলোন (১৯৮৭)

৬। খ:চ:স:, ১৯৭৫ - খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ: লোইয়ম্বা সিনয়েন (ইম্ফাল- ১৯৭৫)

৭। রা:কু: সগু:, ১৯৭০- রাজকুমার সনাহল সিংহ, গুনেশ্বর :সৎজাল (ইম্ফাল- ১৯৭০)

৮। গ:শ:, - গৌরচন্দ্র শর্ম্মা :চহি তরেৎ খুন্থাকপা অমসুং রাজা গম্ভীর সিংহ (ইম্ফাল ঃঃ)

৯। ন:শ:, ১৯৬০ - নন্দলাল শর্ম্মা : মৈত্রবাক (ইম্ফাল১৯৬০)

১০। ডা:ল:চ:,১৯৭০ - ডা. লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহ : মণিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল- ১৯৭০)

১১। ন:ম: ১৯৯৮ - নিংঙোম্বম মনিজাও: মতমগী খোঙলৈ তাকপা পুয়াশিং (ইম্ফাল- ১৯৯৮)

১২। ব:ক:শ:, ২০১১ - বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা : জেনরেল সৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহগী পুন্সি ৱারী (ইম্ফাল- ২০১১)

১৩। ম:স:ক:, ১৯৯৪ - মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী: : শাগৈ শল্লাইরোন (ইম্ফাল- ১৯৯৪)

(খ) মৈতৈলোনগী খুৎই লাইরিক

১। চ:জি:চ:, খু: লাই: চন্দ্রকীর্ত্তি জিলাচঙবা, খুৎই লাইরিক

১৪। L.I.S., 1987 = Laikhuram Ibobi Singh : Manipur Praja Sanmelanee Amasung Anishuba Nupee Lan (Imphal -1987).

গ) ঈঙ্গ্লেজীগী লাইরিকশিং ঃ-

1) M.T.L., 1992 = M.T. Laiba : Geography of Manipur (Imphal -1992)

2) Lm. I.S., 1987 = Lairenmayum Ibungohal Singh : Introduction of Manipur (Imphal-1987)

3) S.J.J., 1990 = Sir James Johnstone : Manipur And Naga Hills (Delhi-1990)

4) T.C.H., 2013 = T.C. Hodson : The Meitheis (Delhi-2003)

(ঘ) চাওনা মতেং পীবিরকখিবা

i) Leishang Jatra Memorial Trust, Singjamei Oinam Thingel; Imphal, Manipur-795008, India.

হাপচিনবা শরুক

লাইশংবম শাগৈগী অশেংবা শক্তম

লাইশংবম শাগৈগী অশেংবা পুয়া

(১) নোংশাবা লাইহুই

(২) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী য়ুম্লাক তাবা, নিংথৌ মকাম্বা হাক্তকতা

১১শুবা মৈদিংঙু নাউথিংখোং হোইনেম য়োই খুঞ্জাও (নীলাম্বর)

খৃষ্টাব্দ ৬৬৩ - ৭৬৩ পানবা চহি১০০

শাকাব্দ ৫৮৫ - ৬৮৫

মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা পান্নব লৈমাশিং -

১। খমশুরোন চিংয়াইনু

২। নোংমাই পিতংঙা

৩। কৈরুংহনবী

৪। নাশুন ওংবী

৫। সাংখু লমদু লৌহোংবী

৬। খোইরু লাংমৈ চনু

৭। লৈমা লাইখোং তেনবী

৮। নামুন চাউবী

৯। শরিশোনবী

পোকখিবা মচা ইবুংঙোশিং

১। খমশুরোননা - (১) খোঙতেকচা, (২) পোংফৈ লানফা ২ পোকই।

২। নোংমাই পিতংঙা, শোয়নাইদে

৩। কৈরুংহনবী (১) নিংথৌহনবা, (২) নিংথৌখুবা ২ পোকই।

৪। খোইরু লাংমৈ চনুনা (১) থিংগোন য়ুমগুম্বা পোকই।

৫। নিংথৌ কুরাওব চনুনা

৬। লৈমা লাইখোংতেনবীনা - (১) নিংথৌ মকাম্বা পোকই।

৭। লমদু হোংবীনা (১) থিংনাং সংগন চামবা পোকই।

৮। শরিশোনবীনা - (১) নারন খোম্বা পোকই।

৯। নামুন চাউবী - শোয়নাইদে।

১০। ইরেং কোনফবী - শোয়নাইদে।

নিংথৌ মকাম্বগী ঈনা লাইশংবম য়ুম্নাক তারে।

১। মকাম্বনা অঙোম চনু পান্নদুনা

২। মঞ্জিতাওনা অঙোম চনু পান্নদুনা

৩। মুরারীনা লাংমৈ যশোদা পান্নদুনা

৪। গৌরদাসনা প্রেমানি পান্নদুনা

৫। চাউতোন্না হৈস্নাম খুনুবী পান্নদুনা

৬। লৈশং যাত্রানা শৌবাম চনু পান্নদুনা

১) ইবোহল, ২) য়াইমবী, ৩) গৌরমনি, ৪) গৌরবিধু, নিংঙোল - অঙৌবী, অমুবী পোকই।

৭। ইবোহলনা নিংথৌজম চনু, ইবেনি পান্নদুনা মহেন্দ্র পোকই।

৮। মহেন্দ্রনা নরসিংহ নিংঙোল সনাজাওবী পান্নদুনা - ১) ইমো, ২) বিনয়ভুষন, ৩) বব্লু, ৪) তোম্মী, ৫) বেনুভুষন, নিংঙোল - সান্তিবালা, বিমোতিবালা, উমাবতি, বেনিবালা পোকই।

৯। ইমোনা ক্ষেত্রিময়ুম চনু পুর্ণিমাসি পান্নদুনা - ১) তারাকিশোর, ২) তারনজিৎ, ৩) হসিনা পোকই।

১০। বিনয়ভুষননা য়েন্দ্রেম্বম চনু শুভলক্ষ্মী পান্নদুনা - ১) বন্দনা, ২) বিন্দিয়া, ৩) বেলেনা পোকই।

১১। বব্লুনা খাগোকপম চনু দেবরানী পান্নদুনা - ১) বিটেশ, ২) বনমিতা পোকই।

১২। তোম্মীনা অশাংবম চনু শিমা পান্নদুনা - ১)অগুরাজ, ২) লনচেনবী, ৩) হেম্বোইবী পোকই।

১৩। বেনুভুষননা লবুকতোংবম দাইনা পান্নদুনা

(২) য়াইমবীনা পাঙম্বম চাউবা পান্নদুনা - ১) ইরাবোৎ, ২) শখি অনি পোকই।

১৪। ইরাবোৎনা নিংথৌজম ইন্দু পান্নদুনা - ১) উপেন্দ্র, ২) ভীরজিৎ, ৩) প্রেমজিৎ নিঙোল - মেম্মী, মোনোরামা, মোনোমালা পোকই।

১৫। উপেন্দ্রনা লৈশুংবম নিঙোল মধুবালা পান্নদুনা - ১) ইউলেণ্ড পোকই।

১৬। ইউলেণ্ডনা কাঙবম চনু শরিতা পান্নদুনা - ১) ইশা

১৭। ভীরজিৎনা লৈশুংবম নিঙোল প্রোমিলা পান্নদুনা - ১) ভিক্তর, ২) ভিক্তোরিয়া পোকই। (৩)গৌরমনিনা খুম্বোংময়ুম চনু মঞ্জুরি পান্নদুনা - ১) মাইপাক, ২) ইবোপিশক নিংঙোল - বিনো, মেমচৌবী পোকই।

১৮। মাইপাক্না তখেল্লম্বম নুংশিতোম্বী পান্নদুনা - ১) বালেশ্বর, ২) লোকেশ্বর নিঙোল - লেম্বী, রঞ্জনা, নিরমালা পোকই।

১৯। বালেশ্বরনা থাংজম চনু শিমী পান্নদুনা - ১) বিকাশ, ২) জিৎকুমার, নিংঙোল রশ্মিয়া পোকই।

২০। লোকেশ্বরনা ৱাইখোম চনু চাওবা পান্নদুনা -

২১। ইবোপিশকনা অশেম চনু ইবেমপিশক পান্নদুনা - ১) চন্দ্র, ২) রাজেশ, নিঙোল - রেনুবালা, কিরনবালা, গীতাঞ্জলী পোকই।

২২। চন্দ্রনা য়াইখোম চনু পুর্ণিমানন্দী পান্নদুনা - ১) ইশান (ঈশ্বর), ২) হর্ষ, নিঙোল নির্ভানা পোকই।

২৩। রাজেশনা ক্ষেত্রিময়ুম চনু রোশনি পান্নদুনা - ১) হরিশ, নিঙোল ভাবনা, প্রিয়াঙ্কা পোকই।

২৪। গৌরবিধুনা থোঙাম তোম্বী পান্নদুনা - ১) অচৌবা, ২) চৌরজিৎ, ৩) ইবোতোন, নিঙোল - মনিশং, ধনপতি পোকই।

২৫। অচৌবনা নরসিংহ নিঙোল তোম্বীসনা পান্নদুনা - শুভলক্ষ্মী, বিজয়ালক্ষ্মী পোকই।

২৬। চৌরজিৎনা খোইরোম থম্বাললৈরিক পান্নদুনা - ১) বিরেল, ২) ইবোহনবী, নিঙোল- অনিতা, রোমিবালা পোকই।

২৭। বিরেলনা থৌনাওজম চনু রোমি পান্নদুনা - ১) ত্রিলোকচান্দ, নিংঙোল হেমলতা, খুমনলৈমা, অশাকিরন পোকই।

২৮। ইবোহনবীনা য়ুম্নামচনু লোইয়াঙম্বী পান্নদুনা প্রীসিয়া পোকই।

চৌরজিৎনা অখাম নিংঙোল য়াইমা পান্নদুনা - ১) হেমো পোকই।

২৯। ইবোতোন্না ৱাইখোম চনু ইবেচাউবী পান্নদুনা - ১) রবিপ্রকাশ, ২) নবীন কুমার, নিঙোল - হরিপ্রিয়া, মীনাক্ষী পোকই।

৩০। রবিপ্রকাশনা কোইজম চনু বিনোতা পান্নদুনা - ১) রশবন্ত, নিংঙোল বিবিচা পোকই।

৩১। নবীনকুমারনা মিজো নিঙোল রৌরুইপুই শাংতেয় (থোই) পান্নদুনা - ১) জীবন কুমার, নিংঙোল- সারদা পোকই।

মৈতৈ মুকনা

ৱাহৌদোক

"মুকনা" হায়বসি খুৎলাই য়াওনদনা, নুপা অনীনা মফি মখ্বাঙদা তাখত্তুনা নত্রগা খ্বাঙলাক- খ্বাঙচেৎ অমমম শেৎনরগা মখুৎঅনী- অনীনা মখ্বাঙগী ফিদুদা পায়নরগা খোঙ অমসুং খুৎশিংগী লৌশিঙ-মহৈনা, মরূ ওইনা হকচাং অনিদু মুকনা- ৱায়নদুনা, লাম্বা অদুবু নমদুনা মখা থংনা তুহন্নবা লৌশিঙগী মহৈ- মশিঙনি। মীবু, ঈমান্নবা লাম্বা অমবু খোঙ- খুৎকী লৌশিঙনা মুকনদুনা নমদুনা তুহল্লি, হায়বসিদগী মহৈ- মশিঙসিবু **"মুকনা"** কৌবনি। মুকনা অসি তশেংনমক্তি শা- লানগী মহৈ- মশিঙদা শরীৎ- শরাক্কী (সৎজালগী) মহৈ- মশিঙ অমসুং লৌশিঙ / মহৈগী শরুক অমনি। অদুবু মসি হরাউ- নুংঙাইগী ওইনা শান্নবগী মখলদা ওম্হোক্তুনা মৈতৈ অকন- অথৌ, অমসুং অয়াঙ- অরিংশিংগী মশান্না অমসুং শীনফম অমা ওইরকখিবনি।

মুকনা শান্নবদা শান্নরিবা লাম্বা অনিমক তুবদি তুমিন্নে, অদুবু মথক থংনা নত্রগা লাম্বাবু নমদুনা তুরিবা মীওই অদুনা, **"মুক্না থারে / লৌরে"** হায়নৈ, য়ানৈ, অদুগা মখা থংনা তুরিবা অদুনা **"মুকনা তুরে"** হায়নৈ, য়ানৈ। অসুম্না মুকনাগী মশান্নগী মায়পাক অমসুং মায়থীবগী মশক লেপ্লে।

মুক্না হৌদোকপা

মুক্নাগী অথুপ্পা অমসুং অকক্না-অখন্নবা মহৈ- মশিঙসি নত্রবসু মীওইবা জাতীনা মালেম লৈমগী মতম্বাক্তা তারকপা মতম, মীওইবনা হিংনবগী মচীঞ্জাক থোং- থাক্তুনা চাবা হৈত্রিঙৈ, শা তান্দুনা চারগা পাল্লিঙৈগী মতমদগী অসুম্না মুক্নবা, হকচাংনা থেংন- ৱায়নদুনা চীঞ্জাক ওইগদৌরিবা নত্রগা য়েক্লবা ওইরিবা মাবু নমদুনা তুহনবা অমসুং ফাবা হায়বসিদি মীহৌরোন্দগী হায়বদি মী হায়দুনা মখোঙ অনী থাংদুনা মালেম লৈমায়সিদা চৎপা হৌরকপদগী মসিগী মশক (আর্ট) অসিদি লৈরক্লবনি হায়বসি মীওইবা জাতিগী পাৱারী- পুৱারী, মীগী থবক থৌরম, খুৎহিং- মহিংনচিংবা নৈনবগী মহৈ- মশিঙ (এন্থ্রোপোলোজি) না তাক্তুনা উত্তুনা লৈজরবনি। মরম অদুনা হায়রিবা মৈতৈ মুকনাসি করম্বা মতমদা, কনানা, করিদগী, করম্না হৌদোকখিবগে হায়বসি খঙঙমদবগী লারোন্নুংদা

লৈরি। অদুগা মসিবু মশান্নগী মওং- মতৌদা অমসুং থাক্তা করম্না ওন্থোক্লখিবগে, হায়বসিসু হৌরকফমদুগী মরূম থুপ্তুনা লৈখ্রে। অদুনা মৈতৈশিংনা মখোয়গী মনাৎ ওইনা খঙদবা পোৎ / মরম লাইদা থংজীন- থৈজিনবদুগী পরীং- পরমদা মুকনাগী হৌরকফমদুসু থল্লি।

লাই- পুন্বারীদা মুক্নাগী হৌরকফম

তেংবানবা মপু গুরু শিদবনা মালেম- তাইবংপানববু লৈশেম- নোংশেম্নবা মচানুপা অশিবা / অশীবদা য়াথং পীদুনা লৈশেম- নোংশেম্বা লোয়রবদা, মালেম লৈশেম- লৈশাবা অশিবদা মালেমগী মপু ওইনবা পীদনা মচা নুপা অতোনবা কোঞ্জিন তিংথোকপা, হারাবা, মালেম লৈথিংকায়বদা মালেমগী লৈঙাক- ৱায়েন থৌদানবা লৈপাক মপু ওইহনখ্রে। চীঙঙু কংলৈ অশিবনা অশাওবনা মাঙওইনদুনা নুমিৎকী মচীদা কাখরে। মপন- পন্থৌ গুরুনা মালেম তাইবংপান্দগী থুপখ্রবদা অশিবনা মহাক্কী মতীক মঙমদগী "শামদোন অয়াঙবা" কৌবা লাংগোই শগোনগী মশক ওইবা অমা মালেমদা কোঞ্জিন তিংথোকপনা লৈপাক পানবা য়াদনবা থারক্লে। শামদোন অয়াঙবনা মালেমদা লৈবা কয়া নেৎখায়দুনা চায়খায়রক্লে। মতমদুদা মপা গুরুগী থৌজাল ফংলবা কোঞ্জিন তিংথোকপা, য়োয়রেন তোমপোকপা পাখংবা মিংথোলবীরম্লবনা মহাক্কী পায়মা খোয়দারোই মমোম- মচল শাবীগা লোইননা শামদোন ফাননবা লাং থাকখিরম্মী।

শামদোন অয়াঙবনা কোঞ্জিন্না থাকপা লাংদা থুরবদা শামদোন মশা ফারগে হায়দুনা লাংগোই শগোল অপাইবদুবু মশা ককথৎলগা হাও মুক্না লেংফাই চন, মোংবা তাজীন খুরৌ য়েৎনা ফারে। অসুম্না মুক্নদুনা লাংগোন শগোল অপাইববু মথক থংনা নমদুনা ফাখি নত্রগা ফানবা হোৎনখি, হায়বসিদগী মুক্না হায়বসি থোক্ল খি- হৌরকখিবনি- হায়না মৈতৈশিংনা পীরি। মথক্কী লৈশেম- নোংশেমঙৈগী ৱারী শীঙবুনসি লৈথক- লৈখারোন, পুদিন, লৈশেমলোন্নচিংবা লাইরিক কয়াদা য়াওরি। অদুবু মুক্না অসিনি, মসি কৌই, হায়বা ৱারোনসিদং হৌজিক্কী মীরোন্না হাপচিনবনি।

মুকনাগী মতীক

মৈতৈ মুকনাসি মায়কৈ অমরোমদা খুৎলাই য়াওদবশিংগী মশাগী হকচাং মনুংদা য়াওবা খুৎলাইনি। মপাঙ্গল কল্লবা, ৱাং চাওরবা মীওইশিংদু মপাঙ্গলগী থাক হন্থরবা নত্রগা শোল্লবা, মশা- মউসু পীক্ল- চপ্লবা মীওইশিংনা মুক্নাগী লৌশিঙ হেন্না লৈরবা নত্রগা মুক্না হৈবা হেল্লবদি মখোয়না লায়না অকনবশিংদুবু মুক্না থাবা ঙমই। হায়রিবসিগী খুদম- চাংদম ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লৈখ্রে, অদুবু অমতংদি ঃ-

মপাঙ্গন কনবা, ৱাং- চাওবা হেল্লবা অমসুং চহিগী মতাংদসু নহা ওইবা হেল্লবা, মুক্না যাত্রা (Champion of Manipuri style of armless wrestling) সু ওইরিবা লৈশং যাত্রা অমসুং থবী যাত্রা অনীনা অহলসু ওইরবা, মশা- মউসু পীক্লবা অমসুং

(হাৎন- শুনবা, Criminal event) গী কেসশিসু তৌরম্মী হায়বসি খঙদবগুম তৌই। কোর্ট অসিদা দেওয়ানী অমসুং ফৌজদারীগী থৌদোক- ৱাথোক, শাথোক- লাম্থোক, খৎন- চৈনবা, হাৎন- শুনবনচিংবগী ৱাথিনবা, ৱায়েন- ৱাতাইবা (Trial and judgement of civil and criminal cases of dispute) পুন্নমক তৌরম্মী। মসিগী খুদম- চাংদম ওইবা ঈ- পাউদি ঃ-

১। ... সোরাইসম শুরপাগী কুম শক ১৭৫৮... ইঙা থা... ১৬ নি লৈপাকপোকপা (তাং ৩১।৫।১৮৩৬ ইং) দা লৈশাংখোংদা লাইয়িংথৌ সনামহী মনাই লোংজাম্বা গৌরগী মনাই নিপানা লোংচম নিংঙোন ১ হাৎএ হায়দুনা শুগুদা থায়এ। মবুংঙোদি হংকুন্দা থাইএ। ১৭ নি য়ুমশকৈশদা লৌরেম্বা ফমথৌ, নাওরিয়া ফমথৌ, হুইরোই নিংথৌখোংচা, লাইরেনচামপা দুলাইপাবা, ওয়না শংকোইবা হিদং, ৱাহেংপা কৈরোইলাকপা মখোয় ৬ মা অসিপু চৈরাপকী ইঙোশিংনা শীদুনা য়েংহল্লুইএ। মখোয় অসিনা মীনা হাৎপা নত্তে কৈনা শোকপনে হায়দুনা তল্লকএ। মীনা হাৎপা ওইঙমলতুনা ফমথৌনচিংবা মখোয় ৬মসুং মফম থায়এ। লোই থায়এ (চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২৪৭- ৪৮)।

২। ককচীঙ কৈথেনগী কুম শক ১৭১২ ... ওল্লকপা শজিবু থা ... ৪ নি শগোলশেন (খৃ ১৭৯১ গী এপ্রিল) দা চিরোম নরায়নদি চৈরাপ মমাঙদা য়ৈএ (মথক্কীসিদা, ১৫৮)।

অসিশিংসিনি। অদুগা চৈরাপসি তোপ গারোৎকী কোর্ট লৈত্রিঙৈগী লাম্মী সিফাই লাল্লোইশিংগী ওফিস ওইরিঙৈ ফাওবদা মশাগী শক্তিদু অদুম্মক লৈরম্মী। হায়রিবা গারোৎসিদা চৈরাপকী ৱায়েল /বিচার চত্থগদবা মরাল লৈবা নত্রগা বিচারগীদমক্তা ফারবা মী ফাওবা থল্লম্মী। মসিগী খুদমদি ঃ-

... মাইস্না দেবসিংগী কুম শক ১৭৯২ ... লাংবন থা... ৪ নি লৈপাকপোকপ (তাং ৩০।৮।১৮৭০ ইং) দা কোঞ্জেংবা মচীন- মনাউ খৎনদুনা মনাউনা ময়াম্ববু থাঙনা য়াল্লে হায়দুনা মনাউবু গারোত্তা য়োৎহ্লিং চন্দুনা থমএ (মথক্কীসিদা, ৩৮০)।

অসিনি। চৈরাপ "ৱায়েন- চৈরাকশঙসি বৃটিশনা মণিপুরদা পানবা মতম (খৃঃ ১৮৯১- ১৯৪৭) দদি থাক নেম্বা অমসুং দেওয়ানি /সিভিল কোর্ট অমা ওইনা বৃটিশশিংনা থল্লম্মী। খৃঃ ১৮৯১ গী মমাংদদি খৃঃ ১৭১৫ দগী হৌনা অঙোম নিংথৌনা অথোইবা ৱারেপ- ৱাখৈবা, ৱায়েনবা ওইরগা লৈপাক্কী লমতুপ লৈয়াৎ ৩২ (কুন্থানিথোই)গী ফম্ন ইবা ৬৪ (হুম্ফুম্নরি) (লৈয়াৎ অমদগী মী ২ /২, হঞ্জবা /খুল্লাকপা অমসুং হিদং /লুপ্লাকপা) না ৱায়েন- ৱাতেম ফম্বৈ- ফম্লুপ ওইদুনা লৈরম্বনি।

মৈদিংঙু নিংথৌদি চৈরাপ ৱায়েন- চৈরাকশঙদা লেঙশিন্দে, ৱায়েন- ৱাতাই য়াওদে। মৈদিংঙুনা লেঙশিনবা শঙলেন অমসুং লোইশঙলেনশিংদি - (১) চৎলম /চৎলম- ফানশাং

ফম্বৈ /ফম্লুপ (খৃঃ৩৩ /৩৪ দা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবনা মহাক্কী কংলৈ মশুম্মাঙদা থায়নদগী চৎনরকপা ওইনা লীংখৎপীরম্বনি), (২) উত্রা শঙলেন ফম্বৈ / ফম্লুপ (খৃঃ ১৬২৯ দা মৈদিংঙু খাগেম্বনা কবো আক্রোচাগী মতেংদগী শাখিবা শঙলেন অমসুং মদুগী মতুংদা লীংখৎখিবা ফম্বৈ /ফমলুপ),(৩) কুচু (খৃঃ ১৬২০-২২ দা মৈদিংঙু খাগেম্বনা লিংখৎপীরম্লা, মতমসিদগী খৃঃ ১৭১৫ ফাওবদা লৈপাকসিগী খ্বাইদগী হেন্না চাওবা অমসুং থাক ৱাংবা ৱায়েন চৈরাকশঙ ওইরম্বা লোইশঙনি, খৃঃ ১৭১৫ গী মতুংদসু মসিনা চৈরাপতগী শক্তি অমসুং থাক ৱাংবা হেল্লি, অদুবু মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী মতমদগী যুবরাজনা ফম্বা লৌ- ইশ্বোনগী ৱায়েন- চৈরাক শঙ খৃঃ ১৮৯১ ফাওবা ওইখি) অমসুং (৪) দরবার [মৈদিংঙু নরসিংহ মহারাজনা খৃঃ ১৮৪৮ গী জুন ৮ দা দরবার তৌবা হৌদোকখি (মথক্কীসিদা, ২৮৭), অদুগা মণিপুরনা বৃটিশকী লোইলম ওইরবদা খৃঃ ১৯০৭ কী মেগী তাং ৬ তা অমুক হিঙ্গৎহল্লগা খৃঃ ১৯৪৭ ফাওবা হিংলম্মী (মথক্কীসিদা, ৫৫৬ অমসুং ৬৫২)]। হায়রিবা মৈদিংঙুনা ফম্বা লোইশঙশিংসিনা চৈরাপনা পুখৎলকপা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী, শেন্দান- শেনচৎলোননচিংবগী ৱায়েন- থৌদাগী পোরম পোম্নিৎ য়াংলকপা, ৱায়েন- কাংলোন লৌখৎলকপা অমসুং ৱারক- চৈরাকলোন (জুদিসিয়ারি) গী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা শঙলেন (Legislative and Judicial House/Assembly) ওইনা তৌরকপশিং পুম্নমক্কী অয়াবা পীদুনা চৎনহল্লবনি। তশেংনমক চৈরাপ অসি মথক্তা হায়খ্রিবা মথৌ- মশীন, মতীক- মঙমনচিংবগী থৌ, থৌগায়, থৌদাং অমসুং থবক ময়ামসি থবক্তা ওনেথাক্তুনা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোননচিংববু মখোঙ পান্দুনা চৎহল্লিবনি। মরম অসিনা লোইশঙলেন- শঙলেন অসিগী মমিং অসি "চৈরাপ" হায়বসিদং থম্লগা মসিনা পুরিবা, পাংথোক্লিবা অমসুং পায়খৎলিবা মথৌদুগী / মশীন্দুগী চানবা তপশিন- নপশিন্দুনা / হাপচিন- ফেনজিন্দুনা চৈরাপকী মশক মতৌ উৎলি- তাক্লবনি, হায়বদি "চৈরাপ ৱায়েন-চৈরাকশঙ নত্রগা চৈরাপ ৱায়েনশঙ হায়রগনা ৱায়েনফম / কোর্ট, চৈরাপ- লৈঙাক- ফম্বৈ নত্রগা চৈরাপ ফম্বৈ" হায়রগা থৌরাং- থৌশীনশিংবু থবক্তা ওন্থোকপা শঙলেন / ফম্বৈ (Executive House/ Assembly) , চৈরাপ- লৈঙাক- ৱায়েন /ৱাখুন- ফম্লুপ হায়রগা ৱায়েন- ৱাখুন শেম্বা ফম্লুপ (Legislative Assembly) অমসুং চৈরাপ-ফম্লুপ নত্রগা "চৈরাপ-কংলা ফম্বৈ" হায়রগনা মৈদিংঙুগী অঙম- অথৌশিংগী ওইনা চৈরাপ্তা মৈদিংঙুগী কংলা কাবা ফম্লুপ নত্রগা ফম্বৈ (Courtiers of the king's court) হায়না লৌনরকখি। মরমশিং অসিনা চৈরাপ অসি খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদদি ৱায়েন- চৈরাকশঙখক্তা ওইবা নত্তে, মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোননচিংবদা লৈপাক- থৌগায় পুবা, থবক্কী থৌদাং লৌবা, থৌগায়- থৌদা পীবা, থৌশীল- থৌরাং য়াৎপা, অসিনচিংবগী শঙলেন (Department)শিংসু ওইরিবনি।

চৈরাপ হৌদোক্লকখিবা

মৈত্রবাক্কী চৈরাপ হায়বসি মণিপুর সনা লৈপাকসিগী কংলৈপুঙ অমসুং খুঙ্গংলমদমগী লৈয়াৎ লমতুপ অচৌবা (Division and Subdivisions) হায়বদি কংলৈ লৈকোক- লৈকায় মরি (খ্বাই, য়াইষ্কুল, খুরাই অমসুং ৱাংখৈ) অমসুং খুঙ্গংলম পানা মরি (অহল্লুপ, নহারুপ, লাইফম অমসুং খাবম) অসিবু খুঙ্গং / লৈকায় খর খর পুনশিন্নবগী থাক্তা লমচেৎ- লৈয়াৎ ৩২ (কুন্থানিথোই) থোক্লা খায়দোক্লগা লৈয়াৎ ৩২ সিগী লৈঙাকপা নত্রগা লাকপশিং (মখোয়সিদা ফমথোন অনি থোন্নবা / পায়নবশিং য়াওরি) অমসুং মখোয়গী মথং খনবা (হিদং অমসুং / নত্রগা লুপ্লাক- ফম) শিংনা পুল্লগা ফমথৌ / ফমদৌ ৬৪ (হুম্ফুমরি) শাবা / শেম্বা ফম্বে নত্রগা ফম্লুপনি। অদুগা হায়রিবা ফমশিং অসি নিংথৌনা হাপ্পা ওইরবসু, মীচম- মীয়ামদুনা হকথেংননা তীন্ন- তোৎনবা, শোক্ল- শম্নবা মীওইশিং ওইবনিনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা অঙম- অথৌশিং ওইনা লৌনৈ। অদুনা মখোয়সিনা (মথক্কী ফমদৌশিংসিনা) পুল্লগা ফম্লুপ / ফম্বে অমা ওইনা লৈবাক্কী লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদা তৌনবা নত্রগা / অমসুং ৱায়েন- ৱাতেম তৌনবা, নিংথৌনা মথক্তা লেমথোক্লগ লৈরগা অঙম্বশিং / অঙম- অথৌশিংবূ লৈপাক-মীয়ামগী প্রজাগী ৱায়েনহন্নবগী য়ুম্ফম অমসুং কাংলোন্দা হৌদোকখিবনি। মসি মীওই অমতনা নত্তবা মীয়ামগী - মীহুৎশিংগী লুপ্লা ৱায়েনবা, লৈপাক্কী থবক- থৌদাং লৌবগী নিংথৌ পানবা লৈপাক্তা হৌদোকপা অহানবা খোঙথাংনি। তশেংনমক মসি, দিমোক্রেটিক প্রিন্সিপল (Democratic Principle) দা লেপ্পা ফিরেপনি।

চৈরাপসু হৌদোকপীখিবসি মৈত্রবাক মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না কন- থৌরবা নিংথৌরেন মৈদিংঙু ময়াম্বা, মেখলেশ্বর, গরিবনৱাজ, বৈষ্ণব থোংনা ময়াম্বা, ময়াংঙম্বা, তখেলঙম্বা, শজোকঙম্বা, নোংপোক ৱাইরং পামহাইবা (ময়াং মরোন লোনবশিংনা "পামহৈবা" হায়)- ১, রেখে তেলহৈবা নত্রগা গোপালসিংহ [খৃঃ ১৬৯০- (১৭০৯- ৪৮)- ১৭৫১] নি। মৈদিংঙুসিনা মৈত্রবাক্তা নিংথৌ পাননা পাননা মীয়ামগী মীহুৎনা (Democratic Administration of justice), খ্বাই মীয়ামগী লৈঙাক্লোন (Democratic Government or Governance of Democracy) অমসুং মীয়াম- খ্বাইগী ওইবা নিংথৌগী লৈঙাক (Democratized monarchal rule/ administration) হৌদোকপীবগী লৈঙাকলোনগী মরূনি নত্রগা লৈঙাক- মপান- মঔগী মরানি। মহাক্লা লৈপাক- মীয়ামদুগী- মীহুৎ ওইবা অঙম-অথৌশিংনা ৱায়েনবা অমসুং ৱায়েন- চৈরাকলোনসি হৌদোকপীখিবগী ঈ- পাউদি ঃ-

... অশাংবম হাওচৌগী কুম শক ১৬৩৭... লাংবন থা ...২৩ নি থাঙজ (খৃঃ ১৭১৫ গী ওক্তোবরগী অনিশুবা থাখায়) দা লৈপাক্কী ৱায়েনবসু অঙম্ববু ৱায়েনহনবসুং অদুঙৈ হৌএ (মথক্কীসিদা, ৭৬)।

অসিনি। হায়রিবা ৱায়েন- চৈরাক্লোন, নিংথৌ য়াওদনা ৱায়েনবসিগী মমাঙদা থায়নদগী চৎনরক্পা ওইনা মৈদিংঙু নিংথৌনা ৱায়েন- মপু (Chief justice or judge) ওইরগা অঙম- অথৌশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱায়েনমিন্নবগী মনাৎ, মচৎ, মওং- মতৌনচিংবগী ওইবা ৱায়েন- চৈরাকলোনগী পরীং, পরম অমসুং পথাপ্তা চৎলম নত্রগা চৎলম- ফানশাং / ফানজাও(Court at monarchal or royal courtyard with wooden benches of seat) দা ৱায়েল্লম্বদু হোংদোক্তুনা শকাব্দ ১৫৫৩ গী লমদাগী ৫ নি (চাওরাক্লা খৃঃ ১৬২২ গী মার্চকী অহুমশুবা চয়োন) দগী মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বনা কুচু লীংখৎপীদুনা ৱায়েনশঙ নত্রগা ৱায়েন- লোইশঙদা নিংথৌ অমসুং অঙম- অথৌশিংনা ৱায়েনবগী মচৎ- মনাৎসি লৈখ্রবনি। মরম অসিনা মৈত্রবাক্কী লৈপাক মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা অঙম- অথৌশিংনা ৱায়েন- ৱাতেম্বা অমসুং ৱারক- চৈরাকপগী থবক তৌবা ৱায়েনশঙ নত্রগা ৱায়েন- চৈরাকশঙ, চৈরাপ অসিসু শঙলেন লোইশঙ অমগী হৌনবা মশঙ (Own building) শাদু না লৈখ্রবনি, মসিগী খুদম চাংদমদি ঃ-

... কোমোন লমজাগী কুম শক ১৬৬৫... কালেন থা ..২৩ নি ঈরাই (খৃঃ ১৭৪৩ তগী জুন) দা পোংশঙবা লৈমনাইদগী হৌনা য়াইরেকশঙ অচৌবা, নিংথৌ শেনবা য়াইরেকশঙ, চৈরাকনচিংবা মৈ হৌএ (মথক্কীসিদা, ১০৮)।

অসিনি। মথক্কী কোটেসনসিদা "চৈরাক" হায়না পীরিবা নত্রগা পল্লিবসি চৈরাপপু হায়রিবনি। উৎলিবা থৌদোকসি চৈরাপ শঙলেনগী শঙদু অতৈ লোইশঙ খরগী শঙশিংগা লোইননা মৈনা চাকখিবগী থৌদাক্লি।

চৈরাপকী শঙ

"চৈরাপ" ৱায়েনশঙগী শঙসি মৈদিংঙু ময়াম্বা /গরিবনৱাজনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী লমখৈ- লমকন মনুংদা খ্বাইদগী ঈহান হান্না খৃঃ ১৭১৫ গী মতমদা শাদুনা থমখিবনি অমসুং লৈহনখিবনি। অদুগা হায়রিবা কংলা কোনুংলেনগী মনুংদা লৈরম্বা চৈরাপকী শঙফম (য়ুম্ফম) সি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী মতুংদা কংলাদা কোনুং ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু নিংথৌশিং [চিৎশাই (খৃঃ ১৭৪৮- ৫২), ভারত শাই (খৃঃ১৭৫২- ৫৩), গৌরশ্যাম /মরাম্বা (খৃঃ১৭৫৩- ৫৮ অমসুং ১৭৬১- ৬৩), চীংথংখোম্বা /ভাগ্যচন্দ্র (খৃঃ ১৭৫৯- ৬১ অমসুং ১৭৬৩- ৯৮), লাবন্যচন্দ্র (খৃঃ ১৭৯৮- ১৮০০), মধুচন্দ্র (খৃঃ ১৮০০- ০৩), চৌরজিৎ (খৃঃ ১৮০৩- ১৩), মারজিৎ (খৃঃ ১৮১৩- ১৯), নরসিংহ (খৃঃ১৮৪৪- ৫০), দেবেন্দ্র সিংহ (১৮৫০), চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ১৮৫০- ৮৬), সুরচন্দ্র সিংহ (খৃঃ ১৮৮৬- ৯০)] অমসুং কুলচন্দ্রধবজ সিংহ (খৃঃ১৮৯০- ৯১) না গরিবনিৱাজ মহারাজনা হান্না শারম্বা শঙফম / য়ুম্ফম অদু হোংদোকখি নত্রগা হোংদোকখিদে হায়বগী ঈ- পাউ ফংদে / লৈতে। অদুগা মৈতৈগী

চৎনবীগী লীকলম- লীখুন্দা মমাঙদা হান্না লৈরম- লৈরম্বা, শারম- শারম্বা মফম- মফমশিং / শঙফম- য়ুম্ফমশিং অদুদা লৈরম্বা লাইফম- তীনফমশিং, তীনখুন- লাইখুনশিংনচিংবা শেম্ন - শানবা, শঙ /লোইশঙশিংদু হান্নগী মফম- মফমশিংদুদা হঞ্জিন্দুনা খুবম লীংখৎনবা অমসুং য়ানবগী মচৎ- মনাৎ লৈবনিনা (মথক্কীসিদা, ১৭৪-৭৫, ২২০) চৈরাপসি খ্বাইদগী ঈকোন কোননা কংলা কোনুংলেনগী লমখৈ /ঙমখৈ লমকনগী মনুংদা মৈদিংঙু নর সিংহ, মহারাজনা খৃঃ ১৮৪৪ গী মে থাগী তারিখ ৮, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা শাখিবা (মথক্কীসিদা, ২৬৬) সি হান্না মপনশী- মতোনশীশিং অমসুং মবুধৌ ঈবুংঙোশিংনা শারম্বা শঙফমদুদা অদুম্মক শারমগনি হায়না চেৎনা থাজজে। অদুগা অতৈ কোনুং ওইরম্বা মফমশিং - লংথবান, লম্মাংদোং, শলাংথেল, শঙাইপ্রৌ, চজীঙনচিংবদসু চৈরাপসি শারম লৈরম্মী (মথক্কীসিদা, ১৫৮, ২৪৮)।

চৈরাপ্পু খ্বাইদগী ঈকোন কোনবা ওইনা কোনুংলেন কংলাগী লমখৈ- লমকন মনুংদা মৈদিংঙু নরসিংহনা খৃঃ ১৮৪৪ দা শাখিবগী শঙফমসিদা লৈবসি খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল তাং ২৭, নিংথৌকাবা নুমিত্তা বৃটিশশিংনা মৈতৈশিংবু মরুপ শাশিন্নরগা মৈতৈগী খৌনাউদা লাকতুনা মখোয়গী এসিয়াগী লোইলম- লৈপাক (Asiatic Colonial Empire) তা তীনশিনখিবগী নুমিৎসিগী হেক থংনবা মিৎকুপ্পু ফাওবনি। মৈতৈ- নীঙতম লান, ১৮৯১ গী লানঙল্লবা বৃটিশকী সিফাই লান্মীগী ওফিসারশিং অমসুং সিফাইশিং, মীচম লৈঙাক্কী ওফিসারনি হায়বা লান্মীগী ওফিসারশিং, মরুওইনা চিফ পোলিটিকেল ওফিসার মেজর সেন্ট ঐচ.পি. মেক্সৱেলনা কংলাগী লমখৈ মনুংদা এপ্রিল তাং ২৭ সিদগী লৈদুনা বৃটিশকী মিলিটরি শাসন্না মণিপুরবু লৈঙাকপগী মতম (এপ্রিল ২৭, খৃঃ১৮৯১ দিসেম্বর ২২, খৃঃ ১৮৯২) সিদা মৈতৈ লাইরিক মৈ থাবা, কংলাগী মনুং অমসুং মপানগী চেকপলশিং থুগায়বা, শঙলেন, লোইশঙলেনশিংগী শঙশিং শীদোক- থুদেকপা, কংলা নোংশা (কংলাশা) ডাইনামাইট চন্দুনা /হাপচিন্দুনা কাপখায়বা, য়ুম্ফম /শঙফম, লাইফম- তীনফম্ন চিংবা তেমখায়- তকখায়বা, মাঙহন- তাকহনবনচিংবগী মতমসিদা খৃঃ ১৮৯২ গী মার্চ তাং ২২ দা লাইফম- তীনফম পুম্নমক থুগায়দুনা অতোঙ- অকুৎ তেম্বদা চৈরাপকী শঙফমসু য়াওখিরম্মী, মসিগী ঈ- পাউদি -

... অহোংশাংবম দুহোবকী কুম শক ১৮১৩... লমতা থা ২৩ নি লৈপাকপোকপ (২২।৩।১৮৯২ ইং)... নুংজেং অপীশকসু ফুনজিল্লে, ৱাঙ্গোন লাইরেম্মগী লাইফম, নুঙগোইবীগী লাইফম, অহল্লুপ, নহারুপ শঙলেনগী লাইফম, শুরুং, কোল্লোই লৈমগী লাইফম, লাইয়িংথৌ মপাঙ্গনবগী লাইফম, অসি পুম্নমকসু কোনুংগী অতোঙ- অকুৎ পুম্ন মকসু তেমএ। অঙোম লৈকায়সু তাম্থোকএ (মথেক্কীসিদা)।

অসিনি। মসি মৈতৈশিংগী ৱাখল- লৌশিঙ হাৎপা, (Moral assassination তৌবা),

ৱাখল লম্মাঙনহনবা অমসুং পুক্লীঙ- থৌনা- লীংজেন (Moral spirit)নমথনবনি। মসিগী মতুংদা চৈরাপকী শঙফম / য়ুম্ফমসিদা খৃঃ ১৮৯৮ গী ওক্তোবর থাদা গুহা তৌখিরম্মী, মদুদি ঃ- "সেকমাই লবঙ্গগী কুম শক ১৮২০ মেরা থা ১২ নি য়ুমশকৈশ (তাং২০।১০।১৮৯৮ ইং) দা চৈরাপ শাফমদা গুহা তৌএ (মথক্কীসিদা, ৫৩১) - অসিনি। মীখা পোল্লবা হায়বসি কয়াদা তোল্লবনো, ঈশাগী কলচর, ইতিহাসকী মচাক্লচিংবা অমতা ঙাকচ- কঞ্জবা ঙমদে। কংলা মনুংদা চৈরাপ্লা লৈরম্বা মফম অদু হৌজিক গুহা অমা লৈরিবা মফমদুনি, হায়বসি খঙবা তাই।

চৈরাপ হৌদোকখিবগী পান্দম

ইতিহাসকী হৌখ্রবা খোঙথাংবু ঙসিগী ফিবমদা হনগৎলকউ হায়নীঙবা খরগী মীচৈনফম ওইরবা অমসুং মহাক্কী মতমদুগী মৈতৈগী মবুংঙো, অকন- অথৌশিংগী কোকয়েৎকী লৈতেং অমদি স্রাম্মা /ম্যাম্মাগী ইতিহাসতা মৈতে কটেগী মমিংবু পামেন উরাই হকপগুম ক্যাউঙ- মোডো প্যাগোদাগী থোঙবাদা মহাক্কী থাঙফম থল্লমদুনা হক্লল্লিবা মৈদিংঙু ময়ামবা গরিবনৱাজ মহারাজনা করম্বা পান্দমদা চৈরাপ / চৈরাক- ৱায়েন- শঙলেনসি লীংখৎখ্রিবনো হায়বসিগী মঙালগী লংলা অমা (A single thread line of ray) মথক্তা থমজখ্রে। নিংথৌ পানবা লৈপাক অমগী নিংথৌনা মহাক্কী লৈপাক্কী অঙন্বশিংদা লৈপাক খ্বাইগী খৎন- চৈনবা, হাৎন- শুনবা, ফুন- য়ৈনবনচিংবগী ৱাখৎ-ৱারোঙনবশিংবু ৱায়েন- ৱাতাইহনবা, ৱারক- চৈরাকহনবা অমসুং অসুম্না ৱায়েন- চৈরাক্লবগী নিংথৌগী মথৌ- মশীন, মতীক- মঙম্নচিংবু অঙম- অথৌশিংদা লান্থোকখিবা, শিন্নথোকখিবা নত্রগা পীথোকখিবা হায়বসি পোইরৈ মৈত্রবাক মণিপুরবু মীয়াম্না মীয়ামগীদমক্তা মীয়াম্বু ৱায়েন- ৱাতেম্বা, লৈঙাক-থৌদা তৌবা, হায়বদি দিমোক্রেটিক মেনেজমেন্ট / এদমিনিষ্ট্রেস (Democratic Management/ Administration) তৌবগী নত্রগা গভর্নমেন্ট ওফ পিপল্স রিপ্রজেন্টেটিবস (Government of People's Representatives) হৌরক্লবগী মরু হুনবা হায়বদুনি। মসি মীয়ামগীদমক্তা মীয়াম্বু মীয়াম্না লৈঙাকচবা নত্রগা লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদা তৌজবা (Democratic Rule By The People for the People) নত্রগা মীয়াম্বু মীয়াম মশা মশাদুনা নত্রগা মীয়াম মখোয়না খনবা মখোয় মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী লৈপাক্কুবু লৈঙাক- থৌদাজবা (Democracy) হায়বদুদা লৈপাক ঙাকপা হায়বদুনি। হায়রিবা ঈংগ্রেজী ৱাহৈ দিমোক্রেসি হায়বসিগী ৱাহন্থোক (Meaning), খঙনবা (Denotation) অমসুং পাক্লা শন্না খঙন- হায়নবা ৱাহন্থোক / ৱারম (Connotation)শিংদি ঃ-

1. **DEMOCRACY** - The term used for the rule by the people, either directly (Pure Democracy) or through representatives (Republicanism). Democracy considers the val-

ues and fundmental equality of all individuals, although the precise meaning of this has been somewhat uncertain and has long been debated. Democracy considers that men are rational and have the capacity to play a part in the governmental process. Political democracy deals with those institutions and practices considered necessary to secure the principles mentioned above [T.R.N., 1996,147)

2. DEMOCRACY :- a form of power that offically, proclaims subjection of the minority to the will of the majority and recognises the freedom and equality of citizens. In its definition of D. bourgeois science usually confines itself to these merely formal attributes and consider them in isolation from socio-economic conditions prevailing in society and from the actual state of affairs. As a result, there emerges the conception of so-called pure democracy, also propounded by oppertunities and reformists. As a form of political organisation of society every D. is ultimately determined by the relations of production in a given society. It is therefore essential to weigh the historical development of D. and its immediate dependence on the change of socio-economic formations (q.v.) and on the character and degree of acuteness of class struggle. In the antagonistic class formation D. exists practically for the members of the dominant class. In bourgeois society, for example D. is a form of dictatorship of the bourgeoisie. As compared with the feudal system bourgeois D. was a historically progressive stage in the development of society. Up to a point, the bourgeoisie want D. as an instrument of its political rule. It frames a consititution, forms a perliament and other representative bodies and introduce (under pressure from the people) universal sufferage and formal political liberties. But the peoples possibilities, for utilising all those democratic rights and institutions are curtailed in every way. The bureaucratic machinery of a bourgeois republic is so patterned to paralyse the political activity of the working people and keep them out of the political af-

fairs. The political rights are proclaimed formally and are not guarantied and representative bodies are more offen than not an instrument of the policy of the ruling class. With the capitalist countries entering the imperialists stage, the pressure of monopoly capital has brought about a turn from D. to political reaction. The fight of the working people and all progressive force of D. for the democratic rights, therefore, acquires major significance as a condition and component of the proletariat struggle for the socialist transformation of society. Socialist D. is the highest form of D., genuine D. for majority of the people, for the working people. Economically it is based on social ownership of the means of production. (I.F., 1984, 100)

অসিশিংসিনি। মথক্তা হায়রিবা দিমোক্রেসীগী ৰায়েন- ৰাখুন নচিংবসিদি চহি ৩০০ (চহুম) লোমগী মতুংদা পুথোক্লকপশিংনি। মৈদিংঙু গরিবনৱাজ অমসুং মহাক্কী মতমগী মীওইশিংদু মসিগুম্বসিদা অদুক হাক্লা পুক্লিং থম্লুবদি নত্তে। অদুগা মতমদুগী মণিপুরগী লমখৈগী নোংপোকলোম ৰাংমদা লৈবা অচৌবা অমসুং কল্লবা শক্তি অমগা লম্বা পাননবগী আশা থল্লিবা নিংথৌ অমনা মীয়ামগী শক্তি, লীংজেন মান্নবা অমসুং পুনশিন্নবগী মথৌ চঙলক্কদবগী য়ুম্ফমদা লেপ্পুনা হায়রিবা দিমোক্রেসীগী ৰায়েন- ৰাখুনশিংগী মরক্তগী খরদা শোক্লা মীয়ামদা মীয়ামগীদমক্তা মখোয়গী মীহুৎশিংনা লৈঙাক্লবগী অমসুং লৈপাক-ৰায়েন- বিচারগী থৌদাং /দায়িত্ব অসি লাম্থোকখিবা অমসুং শীজম্থোকখিবা মাল্লি। মসি লৈঙাক হৈবা নিংথৌশিংগী থৌশিল অমসুং থৌরাংনি হায়বসি ইতিহাসনা সাক্ষী ওইদুনা লৈরবনি। মরম অসিনা চৈরাপ-ৰায়েনশঙ লীংখৎপা হায়বসি লৈপাক্কী ৰায়েন- চৈরাক্কী ৰায়েনবু লৈপাক পুবা অঙম্বশিংবু ৰায়েনহনবা হৌদোকখিবনি। মসিনা মখা শমথরক্তুনা লৈপাকসিগী অতৈ লৈঙাক- ৰায়েন- থৌদাশিং অমসুং লৈঙাক- লৈকন, চৎলম- লুপতিন, থৌপু- থৌদা, থৌগায়- থৌদানচিংবগী থৌশীন- থৌরাং তৌবা, শীনবা অমদি লৈঙাক- থৌগায়- থৌদাং লৌবা অমসুং থবক্কী, থৌগী, মশীন- মঙমগী থৌপুশিংনচিংবা মথং মথং ওইনা থবক পায়খৎলকখি। মরম অসিনা চৈরাপসি অহানবা ওইনা লীংখৎলকপগী মতমদা থম্বীরম্বা য়াবা পান্দমশিংদি ঃ-

১। মীয়াম্না (মীয়ামগী মীহুৎশিংনা) মীয়ামগীদমক্তা লৈপাক প্রজাশিং হায়বদি শ্বাই মীয়াম্বু লৈঙাক- ৰায়েন- থৌদা তৌনবা লৈঙাক্লোনগী লৈঙাক- লুপ অমা শেম্লনবগী অমসুং হৌদোক্লবগী থৌশীন- থৌরাংবা,

২। লৈপাক্কী অঙম- অথৌশিংদা পোইরে সনা লৈপাকসিগী লৈঙাক্লোনগী (Political), খুন্নাইলোনগী (Social) শেন্দান- শেনচংলোনগী (Economic), অসিনচিংবা হিরম- ৱারমশিংদা খ্বাইগী ওইনা ৱায়েন- বিচার তৌবা, লৈপাক্কী লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদা, খুনকন- লৈকন, ৱায়েন- চৈরাকলোন, থৌগায়- থৌদানচিংবদা থৌদাং লৌহনবা, থবক্তা শরুক য়াহনবা; লৈঙাক থৌবুবদা মশা চোংথোকহনবা, লৈপাক ঙাকপগী থৌগায়শিং অমসুং থৌদাশিং পীবদা অমসুং লৌবদা, থবক্কী থৌদাং য়াবদা মায়রোঙ লেপহন্দুনা য়ুমলোন- য়ুমথংনরিবা মীরৈপাকশিং [ময়াং লৈপাক (কছাড় নত্রগা হিরম্বদেশ), তখেন (ত্রিপুরা), তেখাও (অহোম লৈপাক), পাশা (অৱাং- নোংপোক বঙ্গদেশ), কুমিলাসার (নোংপোক বঙ্গদেশকী কোমিল্লা লৈপাক) অমসুং অৱা (বর্মা /ব্রাম্মা /ম্যাম্মা লৈপাক) অমদি কবো (মিরাপ শান লৈপাকশিং)] দগী মীথোই-মীহেনবা ওইননবা পুখৎপা।

৩। ৱায়েন- ৱাতেমগী, ৱায়েন- চৈরাক্লোনগী অমসুং ৱারক- ৱাখৈরোনগী পরমশিং অমসুং পরীংশিংদা লৈপাক অপুনবগী ৱাতাই- ৱাথিনবা অমসুং ৱায়েৎ- ৱাপানবগী লমদাংশিংদা মণিপুর /ইম্ফাল তম্পাক্কী কংলৈ লৈকোক লৈকায়শিং, খুঙ্গং পানাশিং অমসুং খুঙ্গং- খুনপুন লমতুপ লৈয়াৎশিংগী মাগী মাগী লমদমশিং / লৈয়াৎশিংগী মীয়ামগী মীহুৎশিং য়াওনা ৱায়েন- বিচার তৌবা, লৈপাক্কী ৱারম- থৌরম খন্নবা অমসুং থৌপু- থৌতৌমিন্নবা,

৪। পোইরে মৈতৈ লৈপাক্কী লৈঙাক- খুনঙাকলোনগী খুনকন- লৈকনগী, লান্দা- লানকনগী ঈ- পাউশিং থিন্দনা য়ৌহনবা, শা- লানগী শাবাউ- লানবাউ পীরকপগী অমসুং পীবগী লানবুংগী পুংখোন, শাদান- শাফানবগী মৈহুম- মোরোক অমসুং অথুবা পাউজেন- পাউতাক্কুম্বশিং নত্তবা অতৈ মখলগী ঈ- পাউশিং মাগী মাগী লৈয়াৎ লমদম / অপুন- খুঙ্গংগী চৈরাপ ফম্বৈ- ফম্বশিংগী খুথাংদা ঈ- পাউ ফাওনদুনা থৌশীল- থৌরাংশিংগী, শাচৎ- লানচৎকী, শাফম- লানফমগী শেম- শাবা, থৌরাং তৌবনচিংবগী থবক নংননবা, থৌদাং য়ারবদা পঙ্গৃদনবা অমসুং থৌপুবদা থিন্থদননবগী থৌশীন ওইনবা,

৫। ৱায়েন- ৱাখুনগী মমিত্তা মীপুম খুদিংমক মান্ননা উবা, মান্নবা হক, খেন্নদবা থৌদাং অমসুং তোপ্প- থানদবা থৌদাং লৈ, চপ মান্নে হায়বদু খ্বাই পুন্নমক্কী ওইনা মৈদিংঙু নিংথৌদগীনা মীচম খোঙতেক- মীত্তাং ফাওবা খঙহন্নবগী থৌশীল- থৌরাং ওইবা,

৬। লান তৌবা (লান্দাবা), লোইচনবা হায়বসি লৈপাক্কী ঙমখৈ শন্দোক্লবগীদা নত্তে, মতমসিদদি শেন্দান লম্বীনি, ফংলকপা লানখোম- পোৎ / লল্লোক- পোৎশিং ফংহন্নবগী প্রজাশিংদা লৈবা হক্তু নিংথিনা য়াত্তুনা থম্নবা থৌরাং- থৌশিনবা অমসুং লৈপাক-নিংথৌগী শরুক মশক খঙনা খুদোন তৌনবা থৌশীন,

৭। লৈপাক মীয়ামদা, মরুওইনা মীচম প্রজাশিংদা অচুম্বা ৱায়েন ফংহন্নবগী থবক,

৮। অৱানবা থবক্তা নত্রগা মীঙোন্দা, মীতোপ্তা লঙজবা, ওইদবা ঙাংবা, লৌনম /নমথাক তৌবা, অসিনচিংবা ফত্তবা থবক, যৌদৌ অমসুং যৌওংদা মতৌ তম্নদনবা অমসুং তৌরুরবা মী মহাক মশাদুনা মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবগী খুদম মমিত্তা উহনবা, চৈরাকশিং অমসুং ৱারকশিংগী অকি- তুজুংবা পোকহনবা,

৯। মরাল লৈরবা মীওইশিংদা মরালদুগী মতিক চাবা / ওকপা চৈরাকশিং শোয়দনা ফংহনবা,

১০। মৈত্রবাক্কী মী অমবু মহাক্কী মথৌ অমসুং থবক্কী মহৈনা নত্রগা মমলনা মীদুগী মশক লেপ্পনবগীদমক্তা লৈপাক মীয়ামগী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেন দান- শেনচৎলোন্নচিংবগী ৱায়েন- ৱাখুন্না পুন্দুনা খ্বাইগী ওইবা থবক্তা মশা কথোকপা ঙমহন্নবগী মহৈ- মশিঙ নত্রগা পারা তম্বীবা,

১১। অকন- অথৌশিংবু ঈকাই খুম্নবা অমসুং ঈরাৎ- থেললাৎপগী লমচৎ শেম্বা, খুদম / খুবম থম্বা,

১২। "অপুনবনা পাঙ্গন্নি" হায়বসিগী মহাউ চীংমীশিং অমসুং তম্মীশিং পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরাং অমসুং চীংমীশিংবু লৈঙাক্লোন অমতগী মখাদা পুশিন্নবগী থৌশিন লৌখৎপা,

অসিনচিংবনি। মখোয়সিনা চৈরাপ লীংখৎপগী পান্দম লোয়রে হায়বা য়াদে, মৈত্রবাক্কী তুংলমচৎকী লমদাং (ঙসি ঙসি নত্রগা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিবমশিং অমসুং ফিরেপশিংগী হয়েং অমসুং হংচিত্তা ওইরক্কদবশিংগী ৱাখন্দা)দা আশা থমদুনা লীংখৎখিবনি হায়না চেংনা থাজজে। অদুগা মথক্কী পান্দমশিং অসিদি ১)কুচু ৱায়েন- চৈরাকশঙ, অমসুং লৈকোক- লৈকায় ৱায়েনশঙ মরি অমসুং খুঙ্গংলম পানা মরিগী শঙলেন- লোইশঙলেনশিংগী ৱায়েন- চৈরাকশঙশিংগী মরেংবান্দা তোংলিবনি। মরমদি চৈরাপ হায়বসি হান্না লৈরম্বা ৱায়েন- চৈরাকশঙ "কুচু" দগী খায়দোক্লকপনি অমসুং কুচুগী মথৌ- মশীন, মতীক- মঙম, থৌদাং- থৌগায়, ৱায়েন- পরম, চৈরাক- ৱারক্লচিংবগী শরুক খর খায়দোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎনা নত্রগা লৈপাক্কী অঙম্বশিংনা ৱায়েল্লকপনি।

চৈরাপসি লীংখত্রিঙৈদা কুচুনা লৈরম্বা থাক, ফিবম, ফিরেপ অমসুং মশক- মশাদুদা চৈরাপপু লেপহন- লৈহনবনি। মথক্কী পান্দমশিং অসিদা চৈরাপ শঙলেন-লোয়শঙলেন অমা ওইনা ৱায়েন- চৈরাকশঙ অসিনা কদায় ফাওবা থবক্তা ওম্ব্লোকপা ঙম্বগে হায়বদুগী খুদম- চাংদম খর উৎচরি ঃ-

১। অশাংবম হাওচৌগী কুম শক ১৬৩৭ ... হিয়াঙ্গৈ থা ২৮ নি লংমাইজীঙ (ডিসেম্বর

অনিশুবা চয়োন, খৃঃ ১৭১৫) দা ঈবুংঙো অকোইজম তাবা কোংয়াম্বগা শল্লাম অপাংগা ২মনা নিংথেম্মু পোৎশেমএ হায়দুনা শল্লাম অপাংদি মাগী মংতা লাকখৎলে। নিংথেম মনাউ অকোইজম তাবগা মতু শল্লাম চনুগা মাগী ময়ুমতা লাকখৎলে। মংনাউতাদা লিএ। পোইনু থা... নিনি য়ুমশকৈশদা হিজমচা হাওহন্দি শামুনা হুন্নৈএ (চৈথাঃকুমঃ ২০০৫, ৭৬)।

মথক্কী কোটেসনসিদা উৎলিবা মরালসি মৈত্রবাক্কী ৰায়েন- চৈরাকলোন্দা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা মরাল, নিংথৌশেম্বা (Revolt to usurp the throne or king-ship) হায়বদি পাল্লিবা নিংথৌদু নিংথৌ খুবমদগী লৌথোক্লবা /তাম্থোক্লবা, অতোপ্পা অমবু নিংথৌ ওইহন্নবা হোৎনবা লালহৌবনি। ঈবুংঙো অকোইজম তাবা কোংয়াম্বা হায়রিবসি মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মনাওনুপা, মপাবুং ঈবুংঙো তুবী চরাইরোংব (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) গী তাল্লোই (অহুমশুবী) হিজম নোংথোনবমচনু শেনগোয়রেম্বীনা পোকপা খমপাম্বসু কৌবা মনাও ঈবুংঙোদুনি। মখোয়, নিংথৌ শেম্বদা য়াওবা মীওইশিংদু শিবগী চৈরাক পীখি।

২। হাইস্লাম লাইবগী কুম শক ১৬৩৯... লমতা থা (মার্চ এপ্রিল, খৃঃ ১৭১৮) দি লৈপাকপোকপনা হনএ। তাংখুল লাইরম পুম্নমকপু নিংথেম্নচিংনা অঙম্বা খিবিকপু মতাও শানহল্লে, সমজোক নাসে থেমএ (মথক্কীসিদা, ৭৯)।

মথক্কীসিদা উৎলিবা ৰাফমসি চীংমী- তম্মী পুনশিন্নবগী থৌশীন- থৌরাংবগী থবক্লি। শা- লান পাম্বা মতমদুদা তাংখুলশিংনা খুন্দা- লৈতাবদা মখোয়গী লমগী অৱাংথংবা মায়কৈরোমদা লৈবা /খুন্দাবা অৱাং- হাও তাংখুলশিংগী লুচিংবা খুনবু- খুল্লাকপনচিংবগা মৈতৈ নিংথৌ অমসুং অঙম- অথৌশিংগা মপা- মপা য়েংনদুনা মতাউ শানদুনা পুনশিল্লগা মীরৈপাক-মীরমদম কবোশিংনা পানবা শমজোক্তা লান্দানবগী থৌরাং শীনবনি। হায়রিবসিগী মতুংদা ঈকুই কুইদনা "শমজোক লাল্লুম্বা" চৎপনচিংবগী থবক লৌখৎলকখি (মথক্কীসিদা, ৭৯)।

৩। নিংঙোম্বম ক্যাম্বগী কুম শক ১৬৪৯ ... ইঙেন থাদি ঈরাই (জুলাই, খৃঃ ১৭২৭) না হনএ। চীঙবুরোইবা হাও খিবিকপু লাল্লুপ কাহনএ।... পোইনু থা... ৭ নি শগোনশেন (দিসেম্বর খৃঃ ১৭২৭) দা তাংখুল চীঙশাং পুমনা হুপ্পা লান হৌরক্তুনা তম্পাকলোই খিবিক শোকলএ, লোই তোংএ। ... লমদা থাদি য়ুমশকৈশ (মার্চ, খৃঃ ১৭২৮) না হনএ। তাংখুল ঈতোক্লা লম্মু হাৎলে হায়দুনা ২০ নি লংমাইজীঙ (এপ্রিল, খৃঃ১৭২৮) দা নিংথেমনা ঈতোক নাবা চৎএ। তাংখুল চীঙশাং পুম্না তিংনা শগুং ১, হামেং ১, পুখম, য়োৎ থাঙ য়াওনা পুরক্তুনা নিংথেম্মু খুরুম্নৈ- এ, খুনয়ায় নেৎপীগনু লঙজরে হায়রৈ (মথক্কীসিদা, ৮৮)।

মথক্কী কোর্টেসনসিদা পীরিবসি চীংমীশিংবু মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা লাল্লুপ কাহনবদা, মতুংদা থা ৬ লৈরগা লাল্লুপ কাবদু য়ানীঙদদুনা তাংখুলশিংনা লান হৌরকপগী ৱাফমনি। মসি, মতুং থা অনি অমুক লৈরগা মৈতৈগী তাংখুল লম্বু ঈতোক খুনগী তাংখুলশিংনা হাংখি। মদুগী থবক লৌখৎপা ওইনা মৈতৈনা ঈতোক্তা লান্দারবদা তাংখুন পুম্নমক্না মৈতৈদা খুদোনপোৎ পীদুনা তাইশিন্নখিবনি।

৪। খেত্রি গোবর্দ্ধনগী কুম শক ১৬৫৯ ... কালেন থা ... ১৪ নি নিংথৌকাব (মেগী অরোয়বা চায়োল, খৃঃ ১৭৩৭) দা কংলা শঙবা নমবোনবা, খোঙতেকপা কৈথেল দা নিংথেম থোক্তুনা কাঙচৈ, চেংবী, ফিবুন, মাঙজোঙ নাবা,- অসি খৈবীক শান্নহনএ (মথক্কীসিদা, ১৭)।

মথক্কী কোর্টেসনসিগী ৱাফমদি ৱায়েন- ৱাখুন /আইনগী মমিত্তদি অচৌবা- মচা, লৈম- নিংথৌ, মীচম- অরামচা, অঙম- অথৌ খোঙতেক- মিত্তাঙবা, পুম্নমক চপ মান্নে, ফিবম শোয়রবা, নামা হোরবশিংসু মখোয়সু মৈতৈ নিংথৌগী প্রজশিংনি, মখোয়সু মৈত্রবাক্কী প্রজা অমনা ফংফম থোকপদু ফংগদবনি, হক পুম্নমক চপ মান্নে হায়বদু উৎপনি।

৫। ... খেত্রি গোবর্দ্ধনগী কুম শক ১৬৫১ ... কালেন থা ... ১৮ নি নিংথৌকাবা (জুন ১বা চয়োন, খৃঃ ১৭৩৭) দা খ্বাই লৈকায়শিং চেন্নদুনা নিংথেমদা লাক কাইএ, শামু অমা পীএ। ... ঈঙা থাদি শগোলশেন্না হনএ। লৈকায় ৩মা লাক্ কাইএ। নিংথেম্না শামু১ /১ পীএ (মথক্কীসিদা, ৯৭)।

মথক্কীসিদা উৎলিবদি, মৈত্রবাক্না খ্বাই মীয়ামগী মীহুৎনা ৱায়েনবগী লৈঙাক্লোন চৎলবসু মৈদিংঙু নিংথৌনা লৈপাক্কী থৌরম- ৱারম, হিরম- লমদাং পুম্নমক্কী মকোক থোংবা (Head of State/Kingdom) নি অমসুং লৈপাক্কী মপী- মপা (Guardian of People) নি, হায়দুনা মহাক্কী থাগৎ- থোনগৎ ঈশৈ শক্তুনা পোৎ- চৈ /খুদোল নীজব (অনৌবা লোন্দা- পুদাদা, নাক্কা /নাক্কা থেংবা, নিংথৌগী থোঙজীন্দা লেপ্তুনা নীজরবা) নি অমসুং নিংথৌনা তৌফম থোকপা অমসুং হৌনা খঙবা উৎপগী মশক উইনবনি।

৬। ... মোইরাং কোইরেংগী কুম শক ১৬৬২ ... ঈঙেন থা থাঅহননোং (জুলাই / আগষ্ট, খৃঃ ১৭৪০) দা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোং নিংথৌগা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীএ (মথক্কীসিদা, ১০২)।

মথক্কী কোর্টেসনসিদা উৎলিবদি মৈতৈ নিংথৌগী ওফিস অমসুং কোর্টকন্দায়দনো, মহাক কন্দায়দা ফম্বগে, হায়বসিগী ৱাফমনি। পোইরৈ সনা লৈপাকসিদা লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদাদা লৈপাক্কী ৱায়েনবা, ৱায়েন- চৈরাকপা অমসুং ৱাতেম- ৱাখৈবগী থৌগায় অমসুং থৌদাংশিংসি লৈপাক্কী অঙম- অথৌশিংদা শিন্নদুনা অঙৌপাম্বা অঙোম নিংথৌনা ৱায়েন- মপু (চিফ জষ্টিস /

জজ) ওইহন্দুনা চৈরাপ লীংখৎলগা মখোয় অঙম্বশিংনা চৈরাপ্তা ফমখ্রগা মৈদিংঙুনা হান্নদগী ফম্লক- কারকপা কুচু শঙলেনসিদা মৈদিংঙু নিংথৌনা অদুম্মক ফমদুনা কুচুসিনা মৈদিংঙুগী শঙলেন- লোইশঙলেন (ওফিস) অমসুং মৈদিংঙুনা ৱায়েন- মপু ওইবা ৱায়েন- চৈরাকশঙ (কোর্ট) ওইহৌবদুময়েক শেংনা উৎলি।

৭। ... ঙাইরাংবম মুংয়াংগী কুম শক ১৬৬৮... লমতা থা ... ২২ নি লংমাইজীঙ (এপ্রিল, খৃঃ ১৭৪৭) দা ম্নসমচনু ওয়নাম ওঙবীবু মৱানা খায়নৈএ হায়দুনা নোংথোনবমদা ওঙএ। ওয়নামনা ঐদি খায়নদে হায়দুনা নুপী মহাকপুসু ফৈদাবুসুং "য়ৈ" হায়দুনা নিংথেমনা তৌঙাই নত্তে হায়না ফৈদানা মাগী য়ুমবু শামুনা চিংথেকএ (মথক্কীসিদা, ১১৭)।

মথক্কী ৱাথোক অসি নুপা- নুপী মতৈ- মনাউ খায়নবগী ৱাখৈনদ্রিঙৈ (ৱা লোয়নদ্রিঙৈ) দা নুপীনা মনীঙ তম্বগী হক শিজিন্নবগী ৱাশোক্লবা (Case of dispute)দগী থোক্লকপনি। চুম্বদি ওয়নাম নুপাসিনা চুমজবনি, অদুবু মহাক্না লৈপাক নিংথৌ পাল্লি, ৱায়েন-চৈরাকশঙ লৈরি অমসুং ৱায়েন- ৱাখুনগী মমিৎ পাল্লি খঙনা খঙনা আইনবু মখুৎনা পায়বগুম শীজিন্নরুবনা মহাকপু নুপী ফুবা অমসুং ৱায়েনবা ফৈদা- নুপীগা মরী লৈনবা ৱারোঙ- ৱাখৎনবদুগা মরী লৈননা ৱায়েন- ৱাতেম্লবা লৈপাক্কী থবক তৌবা ফম্লাইবা অঙম্বা ফুরুবগী মরাল লঙজখি। মরম অদুনা হায়রিবা মরালসিগী মহাকপু ময়ুম চিংথেক্কুনা থুদেকপগী চৈরাক পীখি।

৮। ... তখেন রামচরনগী কুমদি শক ১৭০২ ... ইঙা থা ... ২৩ নি নিংথৌকাবা, জুলাই, খৃঃ ১৭৮০) কৈশাম গঙ্গারাম, মাইস্নাম খোঙজোমবা ২মনা স্নাগীদমক ঈরুপ্লে। কৈশামনা পৈদুনা তাউরকএ (মথক্কীসিদা, ১৩৪)।

মথক্কী ৱাথোকসি সনা হুরানবা নত্রগা সনা ৱায়খ্রগা পীদবা অমসুং সনা হুবদুগী নত্রগা ৱায়খিবদুগী সাক্ষী, উহৌ- খঙহৌবা, তাহৌ- থেংনহৌবনচিংবগী ৱাথোক্লি। ৱাপাংনবা মীগী সাক্ষী লৈত্রবনিনা লাই- ৱায়েন (Ordeal test) নত্রগা লাই- সাক্ষি (Divine evidence/witness) য়েংনবগী ৱায়েনগী পরম- পথাপ্তা লৌখৎলকখিবনি। কৈশাম নুপা গঙ্গারামসিনা হান্না ঈরুপ্লবগী ঈশিং মনুংদুদগী তাউখৎলকখিবনা মহাক্না অরানবা নত্রগা মরাল লৈরবা মীনি হায়দুনা ৱায়েন /বিচার লোয়শিনখি।

৯। ... তখেন রামচরনগী কুমদি শক ১৭০২... লাংবন থা ৩ নি লংমাইজীঙ (সেপ্টেম্বর, খৃঃ ১৭৮০) দা শামুপনগী নাই অমনা মবেম্মবু হাৎলে হায়দুনা মখুৎ কক্কুনা হৈবোঙদা য়াল্লে (মথক্কীসিদা, ১৩৪)।

ৱাথোকসি মীহাৎ- মীপুন (ফৌজদারী) গী ৱাথোক্লি। মনাই নুপীনা মবেম্মবু হাৎপা হায়বদি নুপী মশেন হাৎনবসি নত্রগা মী অমবু হাৎপসি অহকপা চৈরাক, হায়বদি

মথাই হাৎপগী চৈরাক পীগদবনি। অদুবু হাৎলিবা মীশক অসিনা নুপী ওইরম্বসিনা মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌরবা অমসুং চৎলবদগীদি নুপীবু হাৎপগী চৈরাকসি পীদনবা ৱায়েন- ৱাখুন শেমখিবনা মবেম্মা হাৎলিবা মনাই নুপী মীনাই /নাই নুপীসি মখুৎ ককপগী চৈরাকসি পীখিবনি।

১০। ... তখেন রামচরনগী কুমদি শক ১৭০২ ... লাংবন থা ... ১৪ নি শগোলশেন (সেপ্টেম্বর, খৃঃ ১৭৮০) দা শনজেনবম খুঙমনা মতু- মৱা য়ৈনবদা মচেম্মু কনবদা পুথেমনা য়ৈবদা খুঙম শিএ। তৌঙাই নত্তে হায়দুনা পুথেমবু নাই ওইনা য়েন্নেএ (মথক্কীসিদা, ১৩০)।

মথক্কী মীহাৎ- মীপুন নত্রগা মীশি- মীনাগী ৱাথোকসি মতৈ- মনাউ খৎনবদা শোয়দুনা মীহাৎ- মীশি থোকখিবগী ৱাথোক্লি। মচেগা মবাইগা য়ৈনবদা মচেম্মু কন্নবা মৌপ্পা পুথেমচা (শিং) না ফুবদা মচেমগী নুপা মবাইদু পানফম চাদবদা পাল্লুদুনা শিখি। মচেম লৌবা মবাইবু শিনবা তৌরুরিবা পুথেমমচাসি মহাক্কী শাগৈ- নাতৈ, পুথেম শাগৈ / কাংবুগী মীশিং অদুনা তাকপী- তন্নীদবা, ৱারক- ৱাতেমদবা মীনি হায়দুনা মখোয় পুথেম শাগৈ মচাশিংদু মখোয়না ওইরম্বা মৈতৈ- খুন্নাইগী খ্বাই মীয়ামগী ওইবা থাক (Status of General Class People) অদুদগী থাক হন্থবা অকক্লবা মীশিংগী থাক (Status/ Standard of lower scheduled class people) তা থমলগা অমুকসু মখোয়দু অঙম- অথৌ ওইবা মীওই খরগী নাই /মীনাই ওইনা য়েন্নখিবগী চৈরাকসি পীখিবনি, মরমদি চৈরাকসিগী মরালসি শোয়খিবা ওইরবসু তুংদা শরিৎ- শরাক্লদনবা খ্বাইগী ওইনা চৎনরিবা খৎন- চৈনবগী খামফম থোকপা মতৌ- মচত্তু তৌদে হায়না মরাল শিবদগীনি।

১১। ...অকোইজম খোঙজোম্বগী কুম শক ১৭০৯... লমতা থা.. ১৩ নি লংমাইজীঙ (এপ্রিল, খৃঃ ১৭৮৮) দা হৈক্রুজমগা কাংঙমুংগা কাঙজৈ শান্নে, হৈক্রুজম্মা ঙমএ। নুপী মশেন লমজেন নাই, কাংঙমুং নুপীনা থোইএ (মথক্কীসিদা, ১৫১)।

থৌদোক অসিগী থৌওং- থৌদৌসি লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেন দান- শেনচৎলোননচিংবদা লৈপাক অমসুং খুন্নাই অমগী মিৎয়েংদা নুপা অমসুং নুপী অনিসি মান্নবা হক, থৌদাং, মথৌ- মঙম্মচিংবা লৈ হায়বদু উৎপনি।

১২। মাইস্নাম পুঙথোনগী কুম শক ১৭২২ ... কালেন থা ৮ নি ঈরাই (মে, খৃঃ ১৮০০) দা নিংথেম্মা লানসোনবীদা লাই খুরুম্বা চৎএ। অকোইজম অমু চোঙখানববু থৌগন শোয় হায়দুনা হঙ্গুনদা থাইএ (মথক্কীসিদা, ১৭৭)।

মথক্কী থৌদোকসি মথৌ, মশীন্নচিংবা থৌশা- ৱাশাদবা, মথৌ থৌরেক- থৌশাদবগী (Negligence of Duty) পীবা মরাল অমসুং চৈরাক্কীনি।

১৩। ... ৱাইখ্বা দেবসিংহগী কুম শক ১৮০৫ ...(ওল্লকপা) শজিবু থা ... ২ নি থাঙজ (তাং ২৯।৩।১৮৮৪ ইং) দা কোনোক থিংঙেন্দা লৈবা কোনোক লৈশাবী গর্ভ থা ৫ শুরবী অমা উদা য়ান্দুনা শিএ। মৰা তেখাও বামোনগী মশুদি গারোত্তা য়োংহিং চন্দুনা থম্মে (মথক্কীসিদা, ৪৬২)।।

মথক্কী থৌদোক- ৱাথোকসি মৈতৈনা ৱারীনরিবা বোরাচাওবা /বরাচাওবা অমসুং মাইনু পেমচাগী ৱারীদুগী মরূ লেনফুনি। মসি ওক্তবা লমচৎ চৎপা অমসুং মীগী পুন্সি মাঙহনবগী মরান্দা ফাদুনা, বিচার তৌনবগীদমক্তা বন্দী থম্লিবগী মশক্নি।

১৪। ... সোরোকখাইবা চন্দ্রসিংগী কুম শক ১৭৮৫... ঈঙেন থা ... ১৭ নি থাঙজ (তাং ১।৮।১৮৬৩ ইং) দা হিজবা সুবিদারনা মশুনুপী মুতুম চনুবু হৈৱাইনরমদুনা মশু নুপীদি ৱাকচীংগৈদা থাইএ। শেল লৌদুনা থাদোকএ (মথক্কীসিদা, ৩৫৩)।

মথক্কী ৱাথোকসি ওক্তবা লমচৎ- শাজৎ চৎপগী ৱাথোক্নি। তশেংনমক মরাল লৈরবা অমসুং লৈরিবদু শেন্না অচুম্ববু লৈদুনা পুখিবদগী ফংফম থোকপা চৈরাক্তুগী মতীক চাবা ৱারক্তুদগী নাম্থোকখি। মসি হকথেংননা থেংনবা নত্রগা মিৎনা উবা সাক্ষী লৈত্রবদি নাম্থোকপা য়ানবগী পাউথোংফমদি নুংশিদদুনা নত্রগা কল্লক্তুনা হায়জিনবনি, য়াম্না নক্নবা /অচেৎপা মরী- মতানি অমসুং নহা- অহনগী থাক লৈরিবনি হায়না মশা কঞ্জনবা মিৎকুপ খরগী থৌদোক্তু নাথৈহনবা য়াই। অদুবু শেন্না পুম্নমক্তুগী মচীন মেনখ্রে, হায়বসি উৎপনি।

১৫। চনশ্বা দুলহোবকী কুম শক ১৭৮৭... পোইনু থা ... ২১ নি ঈরাই (তাং ৮।১২।১৮৬৬ ইং) দা ব্যাবস্থাগী মচানা মনাই নুপী লান্নদুনা মচা শেমদোকএ হায়দুনা স্না কৈথেন্দা মনাই নুপীনে, নাউশূবী নিংথৌজাম্বীনে ২মা খুঙ্গোয়নৈ। ব্যাবস্থাগী মচাদি হৈরোক্তা লোই থাই। বামোন হেমাংগোগী মনাউদি হাওজোংবন্দা লোই থাইএ (মথক্কীসিদা, ৩৬১)।

মথক্কী ৱাথোকসি লমচৎ- নাইদবা- নাইদবীগী মচৎ (Adultery) কী ৱাথোক্নি। ওক্তবা মরমচত্তুনা ওইরকপা অঙাংদু মাঙহন্নবগীদমক্তা মাইবা- মাইবী তানদুনা গর্ভপাত (Abortion) তৌবগী মরালসু য়াওরি। মৈত্রবাক্তা নিংথৌ পানবা লৈপাক ওইরিঙে, খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদদি অঙাং য়ৈথবসি পাপনি অমসুং মরালনি। অদুনা মদুদা চেন্নবা মীওইশিংদু চৈরাক ফংলিবনি।

চৈরাপকী মথৌ- মশীন

চৈরাপ অসিনা লৈপাক্কী থবক পাঙথোক্লবা ফমলুপ (Executive body), লৈঙাক-

ৱায়েন- ৱাখুন শেম্বা /শেম্নবা ফম্বৈ (Legislative Assembly) অমসুং ৱায়েন- চৈরাকশঙ (Judicial Court) অমা ওইবনিনা মসিগী মথৌ অমসুং মশীনশিংসি হিরম- ৱারম অহুমসিগী ওইনা তোঙান- তোঙান্না লৈ। হায়রিবা মথৌ অমসুং মশীনশিংসি হান্না লৈরম্বা কুচু লোইশঙ, কুচু ৱায়েন- ৱাখুন শঙলেন অমসুং কুচু ৱায়েন- চৈরাকশঙ ওইনা লেপ্পম্বা অদুদগী কায়থোক্লকপা নত্রগা খায়দোক্লকপনি। কুচুগী মতৌ অমসুং মশীনশিংগা চপ মান্নবদা মৈতৈ নিংথৌনা ৱায়েন- মপু (Chief Justice) ওইবা খ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না থাক ৱাংবা, মতীক- মঙম লৈবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা ৱায়েন- চৈরাকশঙ ওইবগী মথৌ- মশীনশিং অদুদি য়াওরোয়। মরমদি কুচুনা চৈরাপ লীংখৎত্রিঙৈদসু অমসুং লীংখৎলবা মতুংদসু মৈদিংঙু নিংথৌনা ফম্বা, হায়বদি ৱায়েন- মপু ওইবা ৱায়েন- চৈরাকশঙনি, অদুগা চৈরাপ্পা অঙোম নিংথৌনা ফমদৌ- ফমলুপকী, ৱায়েন- কাখুন শেম্বা ফম্বৈগী অমসুং ৱায়েন চৈরাকশঙগী ৱায়েন- মপু ওইবনি। অঙোম নিংথৌদি মৈতৈ নিংথৌনা হাপ্পা ফমনি, মৈতৈ নিংথৌগী কংলা ফম্লুপ্তা ফম্বা ফম অমা ওইনা মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তকী খৃঃ ১৬০৭ কী অদুৱাইদগী লৈরকপা ফম্নি (মথক্কীসিদা, ৩৪) অমসুং মৈতৈ নিংথৌগী মখা থাবা ফম্নি হায়না লৌনৈ /পীনৈ। অদুনা চৈরাপসু মৈতৈ নিংথৌনা ফম্লু- লৌরুবা মফম /শঙ /য়ুম্নচিংবা, হায়বদি কুচু /উত্রা /চৎলম (শঙ্গাইরেন) /য়ুমজাওনচিংবদা ৱায়েন- চৈরাক ফমলুপ /ফম্বৈগী ময়ায় তাংবল লৌবা মফমদুগী য়াথংনা হেন্না চাওই, মরমদি লৈঙাক্কী অঙন্বশিং / অঙম- অথৌশিংনা নত্রগা খ্বাই মীয়ামগী মীহুৎনা ৱায়েন- ৱাতইবা চৎনরবসু পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকসি নিংথৌ পানবা লৈপাক, নিংথৌনা লৈপাক্কী ৱারম- থৌরম পুম্নমক্কী মকোক ওইবা লৈপাক্নি। হায়জরিবা নিংথৌগী য়াথংনা অতৈগী য়াথংদগী হেন্না চাওই, মপাঙ্গল কল্লি, হায়বসিগী খুদম- চাংদমদি -

... ঙাইরাংবম মুংয়াংগী কুম শক ১৬৬৮... থৱান থা ... ৯ নি য়ুমশকৈশ (আগষ্ট, খৃঃ ১৭৪৬) দা শঙ্গাইরেন ফম্মাঙদা নাপেৎকা তিয়ানকা নিংঙোন লৌনৌও, হায়না ৱায়েন তৌএ (মথক্কীসিদা, ১১৫)।

অসিনি। মসিদা নাপেৎ হায়বসি শমকোক- শমশেংবা (ময়াং) শিংবুনি, "তিয়ান" হায়বসি তিল /তেলয়াবা, তিল্লি /তেলি, থাউ শুম্বা / পীবা (ময়াং) বুনি অমসুং শঙ্গাইরেন হায়বসিনা নিংথৌ মশামক্কী তুম্ফম- চাফম, ফম্মুং কাংথোন থাবা শঙ্গাই কোনুংনি। অসুম্না মৈদিংঙু নিংথৌনা তৌবা বিচার /ৱায়েন অমসুং য়াথংসিদা চৈরাপ্পা করিসু তৌবা ঙমদে। অদুগা চৈরাপ্পা ৱায়েনবা লোয়দুনা ৱাখৈ- ৱারেপ তাদুনা য়াথং থারবা ৱায়েন- ৱাফমদু মৈতৈ নিংথৌদা পেন্দদুনা ৱাকৎলবগী লমদাংদদি মৈদিংঙু নিংথৌনা চৈরাপ্তা ৱায়েন্দু হন্না য়েংশিন্নবা থাদবা ঙমই অমসুং থাদৈ নত্রগা নিংথৌ মশানা চৈরাপকী ৱায়েন- ৱাখৈবদুগী মথক্তা ৱায়েন- থৌরাং লৌখৎপসু য়াই, ঙমই। হায়জরিবা অমুক হন্না বিচার তৌনবগী থৌদৌসিগী খুদম- চাংদমদি ঃ-

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেল ঃ১৯৬৮)
২) চরিক পরেং (নোভেল ঃ১৯৬৯)
৩) য়ুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেল - ১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশামক ঃ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া
(অরিবা লাইয়িংথৌসিগী লাইরিক ৬খকঃ১৯৮৯)
৭) মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম
(থিজিন-হুমজিনবাঃ ১৯৯১)
৮) মৈতৈ বামোন হৌরকফম
(থিজিনঃহুমজিনবাঃ১৯৯১)
৯) মণিপুরী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং
(অর্কিওলোজিকেল এস্পেক্তঃ১৯৯৬)
১০) নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমাৰমপা থিবা
(থিজিন-হুমজিনবাঃ১৯৯৬)
১১) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ
(থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৬)
১২) ৰাংখৈ মৈরাবা অথৌবা
(থিজিন- হুমজিনবা ঃ১৯৯৬)
১৩) মৈত্রবাক মণিপুরগী খুম্হোক-খুন্দারোন
(থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৭)
১৪) চীঙঙা লাইরেম্বীগী পুৰারী
(থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৮)
১৫) মৈত্রবাক মণিপুরগী ফুশা- ৰানশারোন
(থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৮)
১৬) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা
(অনৌবা লোনগী ৰাহন্দোক য়াওবাঃ১৯৯৮)
১৭) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন- লৈনবগী ৰায়েনঃৰাখুনা (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৮)
১৮) মৈতৈগী শা- লান ফাবগী থৌরম খর
(থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৯)
১৯) সনা- চহি- অহুম (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৯)
২০) চুপশারোল (থিজিন- হুমজিনবাঃ১৯৯৯)
২১) Typology & Technology of Meitei Writig Materials (Research Work-1999)
২২) মৈতৈগী মচুগী মনাৎ
(থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০০)
২৩) লমাংদোংগী বিষ্ণু লাইশঙগী য়ুমশা- কৈশারোন
(থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০০)
২৪) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ
(থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০০)
২৫) সঙ্কীর্ত্তন নির্ণয়
(থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০১)
২৬) কেক্রুপাৎ (থিজিন- হুমজিনবাঃ ২০০১)
২৭) ফাইল (থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৫)
২৮) A Dictionary of Manipur Medical Terms (Medical Work-2007)
২৯) মৈত্রবাক্কী য়োৎ- থাঙগী চক
(থিজিন- হুমজিনবা ঃ২০০৭)
৩০) মৈতৈ অথৌবা অহুম
(থিজিন- হুমজিনবা ঃ২০০৮)
৩১) Phamlon
(Translation Work-2009)
৩২) বামোন খুপায়
(থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৯)
৩৩) মৈত্রবাক্কী মনীঙতম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা
(থিজিন- হুমজিনবাঃ২০০৯)
৩৪) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ- ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচা মশূশিং
(থিজিন- হুমজিনবা ঃ২০০৯)
৩৫) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোলশিং etc.
(থিজিন- হুমজিনবা ঃ২০১০)
৩৬) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোন অমসুং নুমিৎ- থবান (২০১০)
৩৭) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা লৈরম্বা মৈতৈ পাঙল (মণিপুরী মুস্লিম) গী ফিবম (২০১০)
৩৮) জেনরেল সৌগাইজাম্বা বলরামগী পুন্সি ৱারী (২০১১)
৩৯) সনা চহি অহুম (২০১১)
৪০) মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙ, চাংদম- পাদম (২০১১)
৪১) চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার - ১৮৭৪ (২০১২)
৪২) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী মৈতৈগী ৱায়েনশঙশিং